সেনবী কবো ৱারি

শিন্দোকপা
অমসুং হন্দোকপা

চনম হেমচন্দ্র

সেনবী কবো ঝারী

সেনবী কবো ৱারী

(ফুঙ্গাৱারী)

অরিবা মৈতৈ ময়েক অমসুং
মৈতৈ লোন্দগী অনৌবা লোন্দা ইথোকচবা

চনম হেমচন্দ্র

২০০৬
উরিপোক নাউরেমথোং, ইম্ফাল

SENBI KABO WARI –

A folklore in archaic Manipuri script and language with translation into Modern Manipuri.

ফোঙবা ঃ

চনম হেমচন্দ্র

উরিপোক নাউরেমথোং, ইম্ফাল

লাইরিকসিগী নমনবা চে পাংবীরকপা :

পোৎশংবম নিংঙোল তোংব্রম ওংবী রোমোলা দেবী,
শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকায়, নিয়ার ওরিয়েন্টেল কলেজ

কোভর : হেমচন্দ্র

মমল, লুপা ৯৫/-

নম্ফম:

বট প্রিন্টর্স, কংলার্পাক, ইম্ফাল।

Prof Ch. Manihar Singh

KEISHAMPAT, AHEIBAM LEIRAK
IMPHAL 795001 MANIPUR
Phone : 225805

২৮/১১/০৪

ৱামাঙ ওইনা

সেনবী কবো ৱারী, মওঙ অমা ওইনা নুংঙাইবা লাইরিক্নি। মসিগী অরোইবদা 'সেলপী বাপক্লোনভাকি পোইবই মইতৈরোনতা ৱোনথোকসৈনে' হায়না পীরি। অদুগা মণিপুরী সাহিত্তাগী ময়ায়চনবা মত্রমগী তংখায় হেল্লকপদা খুংশেমগী ৱারী কয়া থোরকপদুগী মনুংদা থম্না য়াদ্রবসু লাইরিক অসি *ধনঞ্জয় লাইহু* [illegible] *সনামনিক, বীর সিংহ পঞ্চালী* অমসুং *অরোং নন্দকুমার লাইহু নীংবা* - মরি অসিগী মরুওইবা মচলশিং হায়বদি ঈশ্বরগী থৌজ নদগী মচা ফংজবা, মতৈ মনাউ কায়নবা, কায়নরবা নুপা নুপী অনীগী য়ায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা নংবা, অঙকপা, খঙহৌদবা ৱারীগী অহোংবা লাকপা, অরোইবদা নুংঙাইনা হৌখিবা কাউনদুনা অমুক খুংনবা (*বীর সিংহ পঞ্চালীনভনা*), লোইনা য়াওরি। চাংদম্নবদা খরা নোপ্না থোক্লবসু বানভত্তগী *কাদম্বরীগী* পাংখক্লুম ৱারীগী থেক্কোই থেক্কোইবা কয়া য়াওবি, কল্পনানা মনীং হেক তৌবা য়াবমখৈ শানবগী মওংনি। লোনগী মায়কৈদগী য়েংলুরগা অদুক হাক্লা মপুং মরৈ ফারবনি হায়বদি খরা ৱানা থোকই। মসিদা য়াওরিবা প্রাননাসি (লমগী মিং, তৌবদবু শেনবী কবোগী মনুংদা নত্রগা মসিগা অমত্তা ওইনা লৌরিবা) অমসুং নিংথৌগী মিং পুমা দেবা, মথক্তা পনখিবা লাইরিক অনীদসু য়াউবা উবা অমসুং রামগী মিং পনবা থেংনবদা মতম অদুদা মণিপুর অমসুং সেনবী কবো অনীগী মরক্তা

মরী কয়া য়াম্না লৈনরম্লগে হায়বদু খন্দবা ঙমদে। শীজিন্নরিবা উপমাশিং মণিপুরী অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা ফংবগা মান্নবা থোকপা য়াম্না য়াওরি, অদুবু লাইরিক অসিগী খ্বাইদগী ফজবা খুদোলদি, অয়ুক্কী মতমদা নুমিৎনা থোরক্‌ (ক) 'য়োই ময়াই তাওতলপাসুঙ,নুমিৎ চীঙয়াপক আমমসেফা নীককে, তৌকুমলাপাকি' (অনৌবা মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা হায়বদা 'য়োইময়াই নুমিৎ তাওদলবসু নুমিৎ চীঙয়া পকনা অমমবা কুয়োম থোকলগে তৌরক্লবগী) অমসুং তারমদাই নুমিৎকী মশক থাবদা (খ)'য়োইমা তাওতলপাসুও, থাঙঙা মমনা সীকে তৌকুমলকলাপতা' (অনৌবা মণিপুরদা 'য়োইময়াই নুমিৎ তাওদলপানা তাইবং য়ুমথোং খুদিং অমমবানা কুপশিনগে তৌরকলবদা') অসুম্না থাবা অসিনি। উপমাগী মশক ওইনা সিগুম্বা মওংদা য়াচঙলকপা অমসুং নোংঙাল্লকপগী মতম থাবা অসি অঙনবা মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা থেংনাখিদ্রি।

হন্দোক্লিবা নাম হেমচন্দ্র, য়ারিবমখৈ অরিবা ময়েক্তা লৈরম্না লাইরিক্কী নুংগী ঈচেল অমসুং চুনবা অনৌবা লোন্দা হন্ননবা হোৎনৈ। মৈতৈ ময়েক্কী অরিবা লাইরিকশিংগী খুৎই অমসুং লোন খুৎলোয়রবা মীগী তৌশিংদা উংপনি।

টিকেন্দ্রজিৎ, খানম্ইবা সিংহ।

ৱারোল খরদং

যুমথংনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা নোংপোক থংবদা খুন্দা লৈতানা লৈরিবা সেনবী কবোগী মনুংদগী "সেনবী কবো ৱারী" কৌবা ফুঙ্গা ৱারীসি লমদমসিগী অরিবা লোলদা লাইজা ইনৌ হাপ্পাগুম্না ইবিদুনা থম্বীরম্বা ইবুথৌশিং, মশক মমিং ফাওবা পনবিরমদ্রবশিংগী সনা খুয়ারেলদা তোল্লবনা মশীং থিঙমদনা পুরুমজরিয়ে।

সেনবী ফুঙ্গা ৱারীসিগী অশম্বদি লৈবাক নিংথৌ লৈমাবা লৈমাবীনা অহল ওইশিনলকলবা ফাওবদা মচা ফংদবগী অৱাবনা মচা ফংনবা ঈশ্বরদা থৌনিজবদগী মচা ফংজবা, মচানুপা ফংলবা তুংদা মচাবু যুম্বানবা মমৌ থিনবা হোৎনবদা, মচানুপাগী অপাম্বা খঙনা মৌ থিহনবদা, মচানুপা ওইবনসু মহাক্কী পুকতিন্নজবী নুংশিজবীবু তানফংনবা হোৎনবদা নুপা ওইবগী থৌনা লিংজেন উৎপগা লোয়ননা যুমবানদুনা লৈমিন্নগদৌরিবা নুপা নুপী অনিনা পুন্সিগী অহৌবা শরুকতা অৱা অনা মাইয়োক য়ামিন্নরবা তুংদা থুংনখিবা, মপা নিংথৌনা লৈখিদ্রবা মতুংদা থকশি খাশি ঙাকতুনা মপাগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা লৈবাক্কী থৌদা পুখিবগী ৱারী ওইনা ইবা সেনবী ৱাবলোলদকী পোইরৈ মৈতৈ লোলদা ওল্লোরকপা শৈলে।

অরীবা মৈতৈ চেদা অরীবা ময়েক্লা ইরন্বা লাইরিক অসি লাইওইখ্রবা ঐগী ওঝা ইবুংঙো হৈস্নাম ˇইবোমচা সিংহ, থৌবাল উয়ালদা লৈবা, শকনাইরবা পেনা শৈশকপা ওঝানা শিজিন্নবিরম্বা লাইরিকসি ফংজবদগী ওঝাগী থৱাইনা পামজরমবা শৈহেক-শৈদাবু নিঙশিংজদুনা পুয়াগী শকতমগা লোইননা অনৌবা লোন্দা অঙম্বামখৈ ইথোকচখিবনি। লৈখিদ্রবা ওঝানা পাঙথোক্লম্বা থৌদাবু নিংশিজদুনা খুরুমজে।

লাইরিকসি পুথোক্লবা হোৎনবদা তেংবাংবীরকপা ওঝা ইবুংঙো প্রো: ছি ঐচ মণিহার সিংহ কৈশামপাৎতা লৈবনা লাইরিকসিদা মমল য়াম্লবা ৱাহৈ কয়া ফোংদোকপীরকপগীদমক ওঝাবু খুরুমজে। মথংদা শ্রীমতি কে সোবিতা দেবী, কৈশামপাৎ, রিটায়ার্দ প্রিন্সিপাল কে: তোম্বী সিংহ, উরিপোক নাওরেমথোং, শ্রীবিরেন সিংহ, উরিপোক অচোম লৈকাই, শ্রীমতি লৈরেলসনা দেবী ক্কা কৈথেল হৈনৌ খোংনেম্নী, ওঝা ইবুংঙো থোকচোম থোইবা সিংহ শমুশং উকুদা লৈবশিংনা মমল য়াম্লবা পাওতাক কয়া পীবীরকপশিংগী মফমদা শিংঙমলরোইদবা লমন তোনশিনজরবনি। লাইরিকসি হেক ঙম্বা মখৈদি শোইদনবা হোৎনজখিবনি, পাবিরিবশিংনা অৱান অহুই থেংনবীদুনা তাকপীরকলবদি মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগনি। লাইরিকশিংগী মনুংদা অঙ্ক ময়েক্তা মশিং শীজন্নরিবশিংশি লাইরিক্কী মনিং থংবদা হাপচরিবা পুয়াগী চেনাগা চাসন্নদুনা য়েংবীয়ু।

তাং ১।১। ২০০৬ ইং — চনম হেমচন্দ্র

উরিপোক, নাউরেমথোং

য়াওফম

সেনৱী কবো ৱারি

ঽ হায়া হে হে লিক লাইঅো।। য়িপুংথৌ নোংথৌরেল পুমাপা।। তুসী মীৱাংচাল।। লাইরেল লাই পাখং আতেংপাঅো।। মাতাইরেম।। মীৱাকমান।। নাহাল নোং হায়িঙেকি।। খমলাং ৱারী অরিপা।। মীরেং পুৱারারি তংভাপাপু।। হায়া রাওনা।। তেংথারক্কে।।

লমলেল্ মাভাইমা।। হাওরৈ নোংপোকলা পাংপারমকি।। আৱা তোঙতোই পুঙ চেকোং লইমাপা।। কইথেলরেনকি।। খাকি লোইমা তোলকি থমপাল লাইঙাঙ পোকপা। খুতু থোঙলেল ঙাকপা কি।। চইরই ফিসাকোং লাইসাপা।। খাকি ফারাংচি।। থাঙসু য়েকতৈপা।। তুনতু তীনসাপা লমং লাইসাপা চইরই।। মাসিঙসুনা।। থোকপা মালমখৈকি।। ঐৱা পুঙক্ ফমপা।।

সেনবী কবো ৱারি
অহানবা তাংকক্
নিংথৌনা মচা ফংজবা

ঽ তেংবানবগী ইপা ইমা ওইরিবা পুম্নমকপু শেন্বী শাবিরিবা মপু-ও। অহাংবদা খুদানবা ইপুংথৌ নোংথৌগীসু মপু ওইরিবা অচাল মীরাই নাইদবা মতিক চাওথোইবা লাইরেল লাই পাখং অতেংবা-ও। পাংদ্রবা অইবা ঐনা নাহালঙে হৌদ্রবা ইপা ইপুশিংগী মথং মথং চিনথাং য়ৈনা শমথদুনা লিবীরম্বা ৱারীবু খাকপা লৈতনা অখংবা মখৈ হায়জরককে।

লমলেল মফম অমদি হাওরৈ নোংপোকলা পাংবা মাইকৈ লোমদা অৱা তোংদোই লমগী চেকোংলৈপাক ঙাকপগী অথোইবা কৈথেলসু লৈবা খাগি লোইমতোলগী থমপাল লাইঙাঙ পোকপা খুদু থোঙলেল ঙাকপগী চৈরৈ ফিশা নিংথিবশিং, খাগী ফারাংজি, মখল মখা কয়াগী থাঙ অথৌবা, তুনতু তীনশাবা, লমং লাইশাবা চৈবৈ মখলশিং সুনা ফংনফম ওইবা অৱা লমগী মরমদম অৱা পুঙক্ ফমবা,

খামাললল লাইমাখৈ লাইরক মাখুৎসু।। চোইনৌ সানা য়ুংপা তাওনা য়িরওসৈ।। প্রাননাসি খুননিংথৌ।। পুমাতেপা মাললেম লইকোই ফমপানা।। মাপারি সাতাপা ৱাকিপু।। মাতোম ৱাআোইখিয়ে।। হায়তাপারা।।

চওসিথাপা লৌসিংপাপু।। খোইমোম হইরাং মাখুৎথা চিঙু তাওচিঙ মাখুৎথা য়িংখোল খুৎথা হইনে।। কোন্লোই মামিংথোং পাপু।। চওসিথাপা লওসিংপাআো তৌনা কৌএ।। মাপোক পোকতারিঙইতি।।

প্রাননাসি খুননিংথৌনা[১]।। পুমাদেপা মাললেম লইকোই সেমপানা।। মাসানৌ সেলপী লইমাপীতা।। ৱাহমখিয়ে।। মোমনু য়োইপুনাই সেলপী লইমাপীআো।। য়ীপীঙাপু হায়েং কোৱৌ খোঙহৌখোল।। চীঙু থৌথাংখোলপু মাই মই চীনৱোনফাতানা।। আমল খোঙৱাই কুমখিরাপাতা নিংথৌ সনা য়ীফম সীলপাপু কানানা সিললওপীকাপানো।। য়ীপারি মইপী সললাম আোই।। ৱুরেপ চারা আোইপা।। ফমলেল চুথোপ আোইপাপু।। সামনাতারে।।

খামালম লাইনা লৈরক কোনশাং য়ুমথোং খুদিংসু চোইনৌ সনা লুপা হিরা মণি মুক্তানা মরাং কাইনা ফংনবা। প্রাননাসি খুলনিংথৌ, পুমদেপ লৈপাক মপু ওইবা নিংথৌগী মচানুপা অমৎতা পোকতবনা মতোমদা মচা ফংনিংবগী অরা রাখননা ৱাওইজখিয়ে হায়য়ে।

চৌশিথাবালৌশিংবা কৌনা, খোইমোম লাইনিংথৌনা অচংবা হৈরাং মখুৎথা চিঙু মাগী খুৎশেম তাইবংদা ফোংদোক্লগে খন, খোইমোম মাগী হৈরাং মখুৎথাগী কোলোই মমিংথোংসু চৌশিথাবালৌশিংবা হায়না মমিং খোনদুনা তাইবংপান মপোকতা পোক্পা খোংদাহনগে খনলকলে।

প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেবা মাললেম লৈকোই শেমবনা, মশানৌ শেলবী লৈমাবীদা হায়খিয়ে। মোমনু লৈমা ইবেম্মা শেনবী লৈপাক অসিগী লৈমরেনবা-ও। ইবানিপু হয়েং তাইবং খোংচৎ তুংইন্না চীঙ্গু থৌদাখোল হিকথোকফদনা ঐখোয়না হয়েং শিরবা তুংদা নিংথৌ ঐগী ইফম কন্নানা শিলহৌবীকদবনোনে। ঐগীনি হায়বা মতিক চাবা ইফমসি শিলহৌনবা ইচানুপা অমৎতসু ফংবা শাৎপা কৌবা লৈতরেদো।

খোইমোম কোরৌ য়ীনিং ... ।। চীঙু ৱাংপা য়ীকাসাপু লৈতারাপরা হায়না ঙক্লী লুমলাংকে ... খাচাই লেংলোই চুপনা মীক্পন্খিয়ে।।

সানৌ হয়েং ক্রঙ ... মিৎমাতী সেলপী য়ীখোইকী য়ীপারাই।। কাপ সাৱাং য়ীপু রাইপু পুরুমসে হায়না।। কংলা য়াইপুঙ লইনাথীননা পাওকৌখৎলাপাতা।। ... তাইরেম সেলপী চৎৱা হাইপা।। কাপ নুৱা তেমপা য়ীললেংকা তীললাপতা।। প্রাননাসি খুননিংথৌ মাললেম ... ইকোই সেমপানা ৱাহমখিয়ে।। তইয়ম সেলপী লইপাক কোইপা।। সঙকু ৱানলোং লেংনা পালপাসিংঅো সেলপী নানিংথৌ অইনা।। কংলা য়াইপুঙ থীননা পাওকৌখৎপাতী।। হয়েং সেলপী নানিংথৌ অইপু।। খোইমোম কোরৌ খোঙহৌখোল।। চীঙু থৌথা খোলকিপু মাতোমাচিন অোনতৈফতানা।। কোরৌ নোংকাখিরাপাকা।।

খোইমোম কোরৌ তাইবংপানবা শেমবা চীঙ্গু ৱাংবা ঈকাশাবু লৈতরবরা হায়রদুনা ঙকলী লুমলাং কোল মশানৌ লৈমাবীবু খাজাই লেংলোই চুপনা পিরাং শিনথনা কপনখিয়ে।

শানৌ লৈমা হয়েং কোরৌ নুমিৎ অসিদি শেনবী ঐখোয়কী ইপা লাই কবো শাৱাং ইপু লাইবু থৌনিনা খোইরম খাংজংনদুনা পুরুমশে হায়না কবো শেনবী কোনুংগী. কংলা য়াইপুঙ লৈনা থীন্না, লৈবাক পুমবা পাওকৌখৎলবদা মদাইরেম শেলবী অঙম অথৌ চৎৱা হায়বা কবো নুৱা তেমবানচিংবা লৈবাক পুমবা শুনা তিললরবদা। প্রাননাশি খুননিংথৌ মাললেম লৈকোই শেমবা শেনবী কবো নিংথৌনা ৱাহৌদোকলদুনা হায়খিয়ে। ঐগী অকন অথৌ ইনাই অচানবা লৈপাক কোইবা চফু ৱানলোং লিঙ, মতিক ময়াই লৈনা য়ুমপালবশিং- ও। শেনবী নখোয়গী নিংথৌ ওইরিবা ঐনা ঙসি কংলা য়াইপুঙ থীলনা পাওকৌখৎপদি, হয়েং শেলবী নখোয়গী নিংথৌ ঐ, নোংমদি শোইদনমক্কী তাইবংপালসি থাদোকতুনা চৎপা শোইদ্রবনি। ঐনা হয়েং চিঙঙু মফমলেন তানফংনা নোংগারদুনা শিরবদা

নিংথৌ অইকি সনা য়ীফমলেলপু লেপলগুনাপাপু কানা লৈতে ॥ সেলপী য়ীখোয়কি য়ীপারাই ॥ কাপ সাৰাং য়ীপু রাইপু ॥ সীঙলেল লৈয়াম পোকপাতা ॥ পুরুমলুসে ॥ হায়পাকিপু ॥ তাইয়ম সেলপী লইপাক কোইপা নঙখোয়পু ॥ পাওকৌখৎপানে ॥ হায়রাপাকা ॥ সেলপী পাফঙথৌনা ৰাহমখিয়ে ॥ সেলপী নারইপাক য়ীখোয় পুমনামাকি ॥ থাৰাই য়ীমিরেল ॥ ইন্দ্র কাসালেলপু আইনাপা য়ীপুঙু তাআ অো ॥ নঙনা নাতাইরেম য়ীখোয়পু ॥ খাকি নিংথৌরেলতা ॥ কিতা লাইসাপাপু তীকনাকে হায়রাপাসুঙ ॥ নাপারি সাৎতাপাকি ॥ খোইমোম লাকথোঙসীন ॥ চীঙু থোংপাল ৰাইনাকে হাইরাপাসুঙ ॥ মাইমই চীনআনলোই ॥ হায়না পাও খুমলাপাতা ॥ পুমাদেপ সেলপী লইমাপানা ॥ পাওমেলখিয়ে। তাইয়মসিং অো ॥ হায়েং ক্রুও নুমিৎমাতী ॥ চইরই ফীঙৌহোং চন্তোল পাকতইনা ॥ নমসা তোমথিলনাসে ॥ সিঙলেল লৈয়াম

নিংথৌ ঐগী ইহুৎ ইরেং শিনদুনা সনা তাংবন অসিবু লেপহৌনবা কনা লৈতে। শেনবী ঐখোয়গী ইপা লাই, কবো সৱাং ইপু লাই, শিংলেন লৈয়াম পোকপা পুরুমলুশে। হায়বগীদমক তাইফুম শেলবী লৈবাক কোইবা নখোয় পুম্নমকপু পাওকৌখৎবনে হায়না ৰাহৌদোকনা হায়রবদা। শেনবী অঙমবানা হংখৎচখিয়ে। শেলবী নবৈবাক ঐখোয় পুম্নমককি থৱাই ইমিরেল ওইরিবা ইন্দ্র সরারেলগী মশক ওইনরিবা ইনিংথৌ ইবুংঙো তাবী-ও। ইবুংঙো নঙনা নতাইরেম ঐখোয়বু খাগি নিংথৌরেলগীদা চিঙঙু-লাইসক শাবগীদমক পিথোকনগে হায়রবসু নপারিবু ফংদবগীদমক খোইমোম লাইথোঙ খুদিংদা চীঙঙু মকাইকমদা, কৎনগে হায়রবসু ইমাই ওনবা লৈররোইয়ে হায়না পাওখুমলবদা। পুমাদেবা শেনবী নিংথৌ লৈমাবনা পাওমেললখিয়ে। তইফুম অচানবশিং-ও। হয়েং কোরৌ নুমিৎ অসিদি অঙৌবা চৈরৈ ফীঙৌ হোংনা শেৎ ইন চন্দোল নিংথিনা থিন্দুনা লাইবক্কী চন্দোলবু তোমথিন্না লৈতেংনদুনা শিঙলেল লৈয়াম

পোকপাতা॥ সেলপী য়ীপারাইবু পুরুমসে হায়না॥ চীঙুং ৱুতীল আচালপাতা॥ পুরুমলুপাপু মাপারি সাৎকাপারাপা হায়পাসুঙ॥ সাৎলকতারাপাকি॥ মাসানৌ প্রাননাসি লইমাপিনা ৱাহমখিয়ে॥ সাপি ক্রওও য়ীনোংথৌ নঙা॥ সেলপী পাফঙথৌ পুমনা হুপতানা পুরুম সোইরাপারা॥ খঙতে হায়না॥ মোমনু লৈরাং য়ীসুং মালসিংপু লেংকাতিল॥ খোয়নৌ য়ীমালনাপীসিংপু পুমনা হুপনা॥ পুরুমকে হায়পাকি॥ নুচা লেংনা তিলপীসিংনা পানা লায়াৎতৈ ক্বা সুংতাই খায়॥ ৭ সেলচা খোয়তোঙপা ফওকৈ সেলয়াই আেইপাপু লেংকো খন নোইনু থুমচা মায়ঙৌপীপু কাকুপনা॥ খিংখিং লাকায়াম॥ খোইমোম- লাকথোঙ সীনকে হায়পাকি ॥ সেলপী লইমাপীনাচিংনা॥ সীঙলেল লৈয়াম পোকপাতা॥ পুরুমলুপাসুঙ॥ লোইতাম থাপুসি লাঙহৈ কুমপু ৱোননা ঙাইখমপাসুঙ মাপারি সাৎতারাপাকি॥ প্রাননাসি খুননিংথৌকা মাসানৌ সেলপী লইমাপীকা পিরেল খকমাতানা

পোকপদা। শেলবী ইপা লাইবু পুরুমলুসে হায়রদুনা চীঙঙু উতীল অচালবদা পুরুম খাইচংনা থৌনিরুববু মপারি শাৎকপরা হায়বসু শাৎলকত্তরবগী। মশানৌ প্রাননাসি লৈমাবীনা হংগৎচখিয়ে। ইশাবী কোরৌ ইনিংথৌ নহাক্লা শেনবী অঙম অথৌ পুম্না হুপতুনা খুরুমলিবা অসিবু শোইরাবরা খঙদরে। মোমনু ঐসু লৈরাং ইশুং ইমালনবীশিং লোইননা খোইনৌ চান্নবী ইমালনবীশিংগা পুমনামক য়াওনা, অমুক পুরুমলুগে হায়না নুজা লেংনা তিলবীশিংনা পানা খুতা শেম, ক্লা শুংদাই খাই, ৭ শেলয়ামগা লোইননা অচা অথক অথুম অহাও মখল মথেলশু, ফৌগী মথক্তা নোইনু থুমজা মাইঙৌবীবু লৈতেং কাগুপনা। খিংখিং লরাক লাগা য়েম খোইমোম লাকথোঙ শিননা পুরুমগে হায়বগী । শেলবী লৈমাবী নিংথৌগী লৈমানাচিংনা শিংলেল লৈয়াম পোকপদা পুরুম থৌনিলুবসু লোইদাম থা কয়া চহী কুমশিং কয়া ঙাইববু মপারি অমা শাৎতা ফংদরবদা প্রাননাশি খুননিংথৌগা মশানৌ শেলবী লৈমাবীগা

মীকপনাখিয়ে।। কোরৌ য়ীনোংথৌপু লৈতারাপারা।। চীঙু ৱাঙপল য়ীকসাপু মাঙলাপারা।। হায়না মীকপ খোলকিপু।। সিথ্রা কোন[৪] আতামপাপু।। চেংলৌ মীৎথীৎলারাপাকিতামক।। খোইমোম নাপা নামুংপানা ৱাহমখিয়ে।। পারি চওসিথাপা লৌসিংপা নঙতী।। প্রাননাসি মাপুঙ য়াইতা নামুপোংপু আোইনা সালআোনলুআো।। হায়খিয়ে ।।

য়িমোম ফাকমলেল আহলপী নঙতী।। সেলপী মানিলনাইপা।। কাপ মারাঙহওপা।। হুইসিথাপ খুননিংথৌনা।। চীঙু য়ীঙোনতা কোরৌ লানসারকয়ে।। নামু পোংপু আোইনা সালআোলুআো ।। হায়েং নাপীঙঙাপু তানলোয় তুনুংসি।। লোইয়ম থংলেল ৱানুংসিপু আোইমানালুআো।। হায়না পাওমেলপাপু।। চওসিথাপা লৌসিংপানা।। পাওখুমচাখিয়ে।।

পিরেল খকমা তারদনা হিক্রো হিক্রো কপখিয়ে। কোরৌ ইনিংথৌ তাইবং শেমবা মপু মহাকপু লৈতরবরা। চীঙু ৱাঙবল ইকাশা অপোকপা নংবু মাংখ্রবরা হায়রদুনা মীকপ খোলবু। শিখ্রাকোনখৈ অতামবা অপোকপনা চেংলৌ মিৎনা উনা মীকপ খোলবু তারবদা। খোইমোম মপা নামুংবনা পারি চৌশিথাবালৌশিংপা নঙদি, প্রাননাসি নিংথৌগী লৈবাকতা নামু মীওইনা শাইওনদুনা পোকলু-ও হায়খিয়ে।

ইমোম ফাকমলেল্ অহলবী নঙদি। শেলবী মনিল নাইবা কবো মরাঙহৌনা মতিক মথৌনা লৈনা পানলিবা হুইশিথাবা খুননিংথৌনা। চীঙু ঐঙোনতা কোরৌ থোইনা যেংনা থৌনিরক, কোরৌ লানশারকয়ে। নঙসু নামু মী ওইনা নিংথৌ মাগী মফমদা শানওনলু-ও। হায়েং নখোয় অনিমকতি খোইয়ুম ঐগী খুৎথা ওই পুনসি লৈপুন শেম তানলোই লোইয়ম থংলেন ৱানুংশিবু ওইমিন্নরু-ও। হায়না পাওমেল খোলনা থৌশিরকপবু। চৌশিথাবালৌশিংবনা পাওখুমজখিয়ে।

খোইমোম য়ীপা নামুংপাআে।। সনা নাখোঙ খাতাতুম য়াংকোইচাখিকে ।। কারম মাললেম লইনেম খাতা কুমনা।। নামুপোংপু আইনা সালআেনলুআে হায়পানো।। হায়না পাওমেল চাপাপু।। চীঙু নোংথৌ সারারেলনা।। পাওমেলখিয়ে ।। পারিআে।। হায়েং লাংৱোন মাপোক ৩ লকপু।। তানলোয় তুনুংসিং আপামপীপু আইমানারুআে।। নাপল অইকি থাঙসাং য়াইআইপাপু।। খুৎতা সুনা পোঙকন লীলুং য়ীখুৎসু সুঙ।। সুনাখিআে।। হায়েং নঙনা আৱা হুইরাং সোনলাইমতাং।। খোইমোম য়ীপা নামুংপানা থাপীরকপানে।। হায়না সোললাপাকা।। নিংথৌ লাইসংবা থৌ ৬৪ মাপু য়াহৌননা।। পারি নঙকি তামকপু।। খোইমোম মন্ত্র আফাপাপু ৱুকল মপুঙ লাকনা থাপীরককে।। হায়না পাওথেমপাপু।। মাপারি চওসিথাপা লৌসিংপানা খোইমোম য়ীপা নামুংপা নাথৌথানে ।।

খোইমোম ইপা নামুংবা-ও। সনা নখোঙ খাদা অদুম লৈজখিগে। করমনা মালেম লৈখাদা অমুক কুমদনা নমু মীওইপোক ওইরুহায়বনো হায়না পাওখুমজববু চীঙঙু নোংথৌ সারারেলনা অমুক পাওমেলখিয়ে। ইপারি-ও। হয়েং লাংওন মপোক অহুমলকপু ওননা ওননা তাইবং মীওইপোক ওইদুনা নখোয় অনিবু তানলোই তুনুংশি অপামনবীবু ওইমিন্নরু-ও। নপল ঐগী থাঙশাং য়াইওইবসু নখুৎতা খুৎশুনা পাই, পোঙগন লিরুং ঐগী ইখুৎসুঙু নংগী ওইনখি-ও। হায়েং নঙনা অৱা হুইরাং থাংনা নংলবদা খোইমোম ইপা নামুংবনা থাবীরকপানে হায়না শোললো। হেক শোলবগা নিংথৌ লাইসংবা থৌ ৬৪ মপু থারকতুনা নঙ্গীদমক মতেং পাংহনগে। পারি নঙগীদমকপু। খোইমোম সরারেল ঐনা অফবা ওইনবা ঙাকশেন্না মতম খুদিং থাবীরককে। হায়না পাওমেনববু। মপারি চৌশিথাবালৌশিংবনা হেনফদবা ৱাগীদমক খোইমোম ইপা লাইনামুংবা নহাক্কী নথৌদানে হায়না য়াজখি ।

নাপারি অই মাইমই চীনআোন লোই॥ হায়েং নাতাইরেম য়ীখোয়না॥ য়াইপী থাৱায় মাঙলাইতমতা॥ য়ীপল নারালয়ায়তা পাও কৌখংপিআো॥ হায়না আসুম পাওমেল চারাপতা॥ চীঙু নোংথৌ সরারেলনা॥ সেলপী প্রাননাসি লইমাপীকি॥ মোমনু খোমলেল মঙলাং চালতা॥ পাওমেললায়ে॥ তাইয়ম নঙনা নাপারি সাংতা সাংতাপানিকিপু॥ মীকপ্পাপু হায়েং কৌপা চীঙুলেল্ নোংকা সোয়॥ সোয়রা তৈমা ৱোনলকলাপাকা॥ চেঙহী সমলক খায়॥ ৱুতী সমখোঙ তেং॥ চকপা লইখুচামপা মীয়েংথোই॥ খুখা নামপী ৱাসমচেৎ তোনাল থোইঙ॥ কাঙ্গ্রু লৈনুংসি॥ চৱা চন্তেন লৈৱোনথোকপু॥ চুপলেল নাপাঙালনা॥ ঙাইখমচাঙমঅ॥ চেক্লা খারঙ নীঙথিপাপু আোইনা॥ পুথাহল্লককে॥ খারা খেনচঙ থকতা॥ খাঙপা লমথাং নীঙথিপীনা॥ চইরই ফীখাও সানা য়াচাঙামঅ॥

নপারি ঐ করম য়াথং হিথোকনা মাইওন চীনওনলোই। হয়েং নতাইরেম ঐখোয়না য়াইবী থৱাই মাঙলবা মতম অদুতদি ইপল নহাককী নফমদা অমুক পাওকৌখংপীয়ো হায়না অসুম হায়জরবদা। চীঙু নোংথৌ সরারেলনা শেলবী প্রাননাশি লৈমাবীগী মোমনু খোমলেল মঙলানচালদা পাওমেলনরকয়ে। তাইয়ুম নঙনা নপারি ফংদা শাংতবদগী ৱারদুনা মীকপপদো হয়েং কৌবা চীঙলেলনোংগা ঙাল। শোরা তৈমা ওনলবগা চেঙহী শমলক খাই উতি শমখোং তেং, নকোক নরু শেংনা উতি চেংহি শমপাল লাংলগা লৈখুচামবা শকয়েং মীয়েং থোইনায়েং মিংশেল মাংদা খিল, খুখা নামবী ৱা শমচেৎ তোনাল অথোইবী হাৎলগা কাঙ্গ্রু লৈগী মতৌগুমনুংশিবা চৱা চন্তন লৈনম চেনবা তকনা থিননা নিংথীবী লৈরাং নাপদা ঙালনা চিলনা ঙাইনা লৈরম-ও। চেক্লা উচেক খারঙ্ নীঙথিববু ওইনা লাকনা পাইরকতুনা পুথাহল্লককে নয়ুম খারাই নরৈপাক তা শিজিনবা খাঙবা লমথা খ্বাংচেং চৈরৈ ফীদি নীঙথিবীনা চৈরৈ ফীখাও

হইরাঙ আতুপু চারাপাকা॥ নাপারি মইপী সমলাম আইপাপু সাংলকঙইনে॥ হায়না পাঙতাক্‌পিরমলে হায়তাপারা॥ সেলপী লইমাপীনা॥ খোমলেল মীকপ থোকলকলাপাকা॥ স্বামি ক্রও মানোংথৌ প্রান্‌নসি লইমাপাতা॥ খোমলেল মঙলীখিয়॥ সাপী য়ীপুংঙু তাঅ॥ নাসানৌ অইকি খোমলেল মঙলাংচালতা॥ খোইমোম লায়িংথৌনা॥ ১৭ চামাংকুনো॥ খোইয়ম হইরাঙ্‌ আতুপু চারাপাকা ॥ নাপারি সাংতাপাপু সাংলকঙইনে॥ হায়না পাঙমেললায়॥ অসুনা রাহমলাপাতা॥ প্রাননাসি খুন্‌নিংথৌকা॥ মাসানৌ সেলপী লাইমাপীকা॥ চেঙহী সমলকথায়॥ বুতী সমখোঙতেং॥ চকপা লইখুচামপা মিয়েং থোই খুখা নামপী সমচেং তেননালথোই॥চন্দন পাকতইনা॥ নমসা তোমাথিননা চুপলেল

শানা থাদলকপা হৈরাংবু য়াজৌ-ও। হৈরাং অদুবু চারাবগা নপারি থোইনা সেলন মীকক মপুবীনা মরৌশিং লৈবা ওইবাবু পোকচদুনা ফংজগদনে। হায়না নিঙঙু হগাও পাঙতাকলীমলে তানেদনো।

সেলবী লৈপাক লৈমাবী লৈমরেনবীনা মংফাওননা মীকপ থোক্লনা তৌপংলকলবগা মপুরোইবা স্বামী কোরৌ মনোংথৌওম্না লৈবাক নিংথৌ প্রাননশি লৈবাক মপুনা অকুং খোমলেল মঙগী রারম পুম্না তমজরদুনা লীর্জখিয়ে। শাবী ইবুংঙো তাবী-ও। মশানৌ ওইজরিবা ঐগী খোমলেল মঙলাংচালদা খোইমোম লাই লাইনিংথৌনা তরা চাক চামাং চাগনো। খোইয়ুম লাইনিংথৌ মহাক্কী হৈরাঙ মখুংথাবু চেক্লা য়াদা উমনা পুহল্লককে চৈরৈ ফীথাও শানা য়াজদুনা ওকলম-ও। হৈরাঙ অদুবু চারবগা নপারি ফংদা শাংতাববু নচানিপা পোক্কনি ফংগনি হায়না পাওমেল পাওতাকলময়ে। অসুম হায়না পাওদমনা হায়জরবদা প্রাননাশি খুননিংথৌগা মশানৌ শেলপী লৈমাবীগা, চেঙহী শমলকখাই উতী শমখোং তেংনা মকোক মরু শেংনা ঈরু মাইথাজ, চকপা লৈখুজামনা মিংশেল থোকলা সেং, খুখা নামপী রা শমজেং লাইনক চন্দন তোমথিন লৈতেং নিংথী থোইনা হেনলা ফজনা থীননা, লৈরা লৈশকুম চুপলেন

নাপাঙাল।। চইরই ফীঙৌ হোংনা নোংহামলাপাতা কোরৌ নোংমতোলকি।। চেকলা নীঙথিপানা হইরাঙ য়াতা অুমনা ।। চইরই ফীখাওথকতা হুলরমলাপাকা।। তানলোয় তুচাহও তাইয়ম নাইচাতিলনা।। লইমা য়োইরেল সিলসুথাঙনা।। হইরাঙ মাচা খায়পাপু তাওচিঙ মাচেৎমা তাখিপা।। আতুপু।। লাংকোই মাকি কোরৌ নোং সাকোন হানুপী।। মাপারি সাৎতারাপীনা।। হইরাঙ মাচা হালনা চারাপাকি।। লাংকোই লাকলু ফীয়াললে।।

আতুকা প্রাননাসি লইমাপীসুঙ।। কাপারি হইকা সোই।। থুমলাং মাপাল ফকনা চারাপাকা।। মোমনু হইরাঙ মাচায়াল।। নুরা তাওচীঙ মারুপাল।। খোয়চি খাংকা মিহুললাপাকি।। ১০ চামাংতনা য়াংকোইরাপাতা লোইতাম থাপুম ১০ সু।। কোরৌ নুমীৎ ৩০০ নি সুরাপাকি।। লাংকোই মাকি লাকখোঙসা।।

নপাঙাল লৈতেংনা শম তনাল লৈনা শেম। চৈরৈ ফিঙৌ হোংনা শেম শানা লৈতেংনা থোরকলবদা। কোরৌ নোংমাদোলদগী চেক্লা নিঙথিবা অমনা হৈরাঙ য়াদা চিকনা চেলনা পাইরকতুনা চৈরৈ ফিখাও থকতা থাদরমবাবু নিংথৌ লৈমাবীগা লোইনবী মনাই পুমনা তিননা লৈমা য়োইরেল মশিংসুনা য়াওনা, থাঙলেন, মখুৎ অপিশানা হৈরাঙ মচা খাইববু তাওচিঙ মাচেৎ অমা তাখিবা অদুবু লাংকোই মাগী শাকোন কোরৌ নোং শাগোন হানুগী। মচা নাওখমলবী লাংগোই শাগোনদুনা হৈরাঙ মচেৎ অদুবু হালনা চারুববগী। লাংগোই শগোলদে, লাকলু ফীরালনা নাওবু পুরেদা।

অদুগী মতুংদা প্রাননাসি লৈমাবীসু হৈরাং মচেৎ শোই থুমলাং মপাল ফকনা নমদুনা হৈরাং চিনদমনা চারবদা লৈমা মোমনু তালোই অচানবীসু হৈরাঙ মচা যালনা নুরা তাওচিঙ মরুপাল খোয়জিখাগা মিহুলনা মীরোনরে। তরা চাকসু চামাংহনদনা লেনলবদা লোইদাম থাবুম ১০ সুনা হৌ, কোরৌ নুমিৎ ৩০০ নি শুরবগী।

সাকোন হানুপীনা॥ মাপারি হালনা সাৎলকলে হায়য়ে॥ প্রাননাসি লইমাপীসুঙ॥ মাপারি সাৎলেকলাপাকিপু॥

কোরৌ নুমিৎ ৫নিতা॥ খামতইকোল চঙখোনলাপাতা॥ প্রাননাসি খুননিংথৌ॥ পুমাদেপ মালেম লইকোই সেমপানা॥ কংলা য়াইপুঙ থীননা পাওকৌখৎপাপু॥ কাপ নিলতুম নিলনা॥ য়াকারকলাপান্তা ৱাহমখিয়ে॥ তাইয়ম সেলপী চৎৱাহাইপা॥ কাপ নুৱাতেমপাসিংঅো॥ নঙখোইপু॥ খোইয়ম মারলকুকি॥ য়ীপারি সাৎতাপাসুঙ সাৎলকলে॥ চীঙ্গু মাৱায়েলকিপু॥ লাংকোই অইকি সাকোন হানুপী॥ মাপারি সাৎতাপাসুঙ সাৎলকলে॥ লাংকোইতী মামিং করি থোলসীপানো॥ য়ীপারি কোনলোয় মামিং থোংসুঙ করি কৌসিপানো॥ হায়না পাওহংপাপু॥ সেলপী নিলতুম নিলপানা॥ পায়মা সুলপাঙনানা॥ পাওখুমতারিঙই॥ সেলপী

লাংকোই মাগী শগোন লাকখোং শা। শগোন হনুবীনা শগোল মচা লাবা অমা হাননা পোকলে হায়য়ে। প্রাননাসি নিংথৌগী তালোই লৈমাবীসু মপারি অমা পোকলে।

কোরৌ নুমিৎ ৫নিদা খামতৈকোল চঙখোনলবদা প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেপ মালেম লৈকোই শেমবনা। শেমবী লৈবাক্কী কংলা য়াইপুঙ থীননা কৌখৎপবু। কবো লৈপাক নিলদুম নিলনা কংলা য়াকারক্কবদা হায়খিয়ে। তাইয়ম শেলবী চৎবা হায়বা অঙম অথৌ পুমবা কবো নুৱাতেম্বশিং-ও। নখোয় পুন্নমক তাও খোইয়ম মাগী মথৌজালনা ইপারি অমৎতা পোকঙমদবদো হৌজিকতি ইপারি অমা ফংজরে। মদুদসু নংতনা চিঙঙু মহাক্কী মথৌজালনা লাংকোই ঐগী শগোল মচা পোকত্রবীসু মচা পোকলকলে। লাংকোই শগোল অসিদি মমিং করি থোলসি হায়বনো। অদুগা ইপারিনা করি কোললোই মমিং মিংথোলবু কৌশি হায়বনো। হায়না পাওহংলকলবদা। শেলবী লৈপাক নিলতুম নিলবনা পুকনিং ৱাখল

নাখঙতুংসোলকি।। চেংলৌ মীৎনা য়েংলাপাসুঙ।। মীৎলমখঙপা।। সামু খুৎনা থিললাপাসুঙ খুৎলমখঙপা নিংথৌ সেলনাক খুয়াকি।। ক্কা হইরাঙ লোইনা।। হালনা পাওখুমখিয়ে।। পুমাদেব মাললেম লইকোয় সেমপীপাআে।। নিংথৌ নঙকি পায়মা ব্বুলকোয়নুংতা নীঙখন্‌পাতুম মিংথোং চাআে।। হাইরাপাকা।।

তৌয়ীকিতী তাইয়মসিংআে।। লাংকোই কোনলোয় মামিংথোংতী।। মানলিখাঙ কৌসে।। য়ীপারি কোনলোয় মামিংতী।। চওসিথাপলৌসিংপাআে হাইনা মিংথোলসে।। হায়না ৱাহমলাপাতা।। সেলপী পাফঙথৌসিংনা পাওখুমখিয়ে।। হে য়ীপুংঙু প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেপ মাললেম লইকোয় সেমপীপাআে।। নিংথৌ নঙকি পায়মা ব্বুলকোইনুংপু নামু পোংপুম ৫না সিলতাক

খলজাননা পাওখুম পিদরিঙে শেলবী লৈবাক্কী মিংলম নারম তুং মাং চৎনলোন খঙবা চেংলৌ মিৎনা য়েংলবসু মিৎলম খঙঙমবা শামু খুৎনাদা থিললাবসু খুৎলম খঙঙমবা নিংথৌ নকনা শেলবা মনাই ক্কা হৈরাঙ লোইনা হালপু পাওখুমজখিয়ে। ইনিংথৌ পুমাদেব মালেম লৈকোই শেমবীবা-ও। ইনিংথৌ নঙগী পাইমা পুক্লিং উলকোয়নুংদা নিঙখনবা অদুনু চানা মিংথোনবি-ও। হায়জরকলে।

তৌবনীদি তাইথমশিং-ও।। লাংকোই শগোল কোলোয় মমিং থোল অসিদি 'মানালখাঙ' হায়না কৌবসে।। অদুগা এগী ইপাকি ইচানুপা অসিগী কোনলোয় মমিংদি "চৌশিংথাপলৌশিংনা" ও হায়না মমিং মিংথোনশে হায়না হায়রকলবদা শেলবী লৈপাক্কী অঙমবাশিংনা পাওখুমজখিয়ে। হে ইবুংঙো প্রাননাশি খুননিংথৌ পুমাদেব মালেম লৈকোই শেমবীবা-ও। নিংথৌ নঙগী পাইমা পুক্লিং উলকোইনুংবু নামু পোংশক ৫মকনা

খোলকুমপাঅো।। লাংকোই মামিংথোংসুঙ চুনায়ে।। নাপারি কোনলোয় মামিং থোংসুঙ নীঙথিয়ে।। পুমাদেপ মাললেম লইকোয় সেমপাঅো।। পায়মা ব্বুলকোয়নুংতা নীঙখনবা।। মিং আসিপু।। হায়েং সেলপী চাতোলনা কাওতানাপা মিংনে।। হায়না পাওখুমলাপাতা।। প্রাননাসি খুননিংথৌনা।। মাসানৌ।। সেলপী লৈমাপীতা।। পাওমেলখিয়ে।। সানৌ সেলপী লইমাপীঅো।। লাংকোই কোনলোই মামিংথোংতী মানলিখাঙ কৌয়ে।। য়ীপারি কোনলোই মামিংথোংসুঙ।। চওসিথাপ লৌসিংপা কৌয়ে।। হায়না পাওতাকলাপাতা।। সেলপী লইমাপীনা।। সাপি য়ীপুঙু তাঅো।। পায়মা নঙকি ব্বুলকোয়নুংতা নিঙখনপা মিং আতুপু।। পারিকি কোনলোই মিংলেল সিতাপা মাহাকনে।। মাপারি চাওপা ফাতাপু।। ফইরা তালতা থোংনা।। নাওয়োকখিয়ে।।

শিলতাকপা খোলগুম্বা-ও। লাংগোই শগোলগী মমিং থোনবসু চুনৈয়ে। নহাক্কী নপারিগী কোনলোয় মমিং থোনবসু হেন্না নিঙথিয়ে। পুমদেব মালেম লৈকোই শেমবা-ও। পাইমা পুক্লিং উলকোইনুংদা নিঙবা মমিং মিংথোন অসিবু। হয়েং শেলবী লৈবাক্কী চাদোলনা কাওররোইদবা মমিংনে। হায়না খুমজবদা। প্রাননাশি খুননিংথৌনা মশানৌ কবো শেলবী লৈমাইবীদা হৌখিয়ে। লৈমা শানৌ শেলবী লৈমাবী-ও। লাংগোই কোনলোই মমিং মিংথোনদি মানলিখাঙ কৌয়ে। ইপাবা কোনলোই মমিং মিংথোননা চৌশিথাবালৌশিংবা কৌনে হায়রুদুনা পাও তমগনবদা। শেনবী লৈমাবীনা ইনিংথৌ ইশানী ইবুংঙা হৌবী-ও। পাইমা নঙগী পুক্লিং উলকোইনুংদা নিঙনা থোনলকপা মিংথোন অসিদি নপারি কোনলোই মিংলেন অসিদি তুংফাওবা খঙনহৌরগদবানে। মপারি চাওবা মরেপ ফাত্রিববু ফৈবা তালদা থোংনা পমনা য়োকখিয়ে।

লাংকোই মানলিখাঙপাতী।। কোরৌ নোংমা তোলতা চাকতাপানিকিনা।। কোরৌ নুমিৎ মাতী নোংথৌ মাখোঙ কোয়ৎনা চাকতাখিয়ে।। হায়তাপারা চওসিথাপ লৌসিংপাসুঙ।। আচাওলেপ ফারা।। পাখং লাংচেং মাথোক লকলাপানীকিনা।। মাপল পলথৌ নিংথৌ সেলপী খুননিংথৌনা।। কনা আহনপীপু।। হৈকুপোৎতম সেমনা হোয়থিরাপাতা।। হায়েং লোইতাম থানিল নোংতা আৱোঙ আবুলতম নুহোঙ খোঙতোং পোৎপুমনামাপু।। তাওখঙলাপাতা।। লাংকোই মানলিখাক আপাইপাসুঙ।। সাকোন চাকতারুপাপু।। মারাল থীঙলও নীঙনা তেনা হলৱাইরকলাপাতা।। লাংকোই মানলিখাকনা ৱাহমখিয়ে।। সানৌআে।। লাংকোই আইপু সাপী সাপী কৌনা লোয়নাপাআে।। ৱুলপী পুকনীঙ পঙলাপারা।।

অনিশুবা তাংকক্
মীরমলেনদা মপোক খঙনাবা

লাংকোই শগোল মানলিখাঙবা কৌবদি কোরৌ নোংমদোলদা পাইনা চাকতাবা ঙমবনিগীনা কোরৌ নুমিৎ অমদি নোংথৌ মখোঙ কোইনা চাকতাখিয়ে। হায়নখিদবরা। চৌশিথাবালৌশিংবসু চাওবা মপুং ফারক পাখং লাংচেং মাথোক কারকলবগীনা অপোকপা মপা ইবুংঙো নিংথৌ শেলবী খুননিংথৌনা। কনাঅহনবীবু হৈকু পোৎতম, হৈজিং খরাই শেমনা মতিক মপা য়েংনা চানবা মমৌবু থিরকলবদা। হয়েং লোইদাম থাপুং থানিল নোংদা অওঙ অভৈল তম নুহোঙ খোঙদোংনবা পোৎ পুমনামবু শেম শারকলে। লাংগোই শাগোল অপাইদাসু চাকতারুববু ময়ুম লমদম নিংশিংনা অমুক হন্না যুমদা হনলকলবদা লাংগোই মানলিখাকনা নিংথৌ মচাদা হায়খিয়ে শানৌ ইনাও ওইবা-ও। লাংগোই ঐবু শাবী নয়ামবা কৌনা লোইনরলাও-ও। উলবী পুকনিঙ পঙলবরা ?

সানৌঅো নাহাল নাপোক জর্ম্ম ১রক তাকিপু হৌনা হায়কে॥ সান্ত পুকনীঙ তপনা নাতাঅো॥ নাহাল নাপল সেলপীচা পাখং আতেংপা॥ কাপ চানুরা সকহেনপীপু॥ পুমনা হুপনা ॥ সীঙলেল লৈয়াম পোকপীতা॥ পুরুমপাপু মাপারি সাৎতারাপা ৱাকি॥ নাপলনা খোইমোম কোরৌ মানোংথৌপু॥ ৱাৱোইরাপা ৱাকিপু॥ চীঙু সিখ্রা কোনখৈ আতামপানা॥ খোইয়ম মীৎয়েং সানখৈরাপাকিপু॥ পারি চঙসিথাপা লৌসিংপা নঙতী॥ প্রাননাসি মাপুঙ১১য়ায়তা॥ নামু পোংপু অোইনা পোকলুঅো॥ হায়খিয়ে॥

য়ীমোম ফাকমলেল আহলপী নঙতী হুইসিথাপ মাপুঙয়ায়তা নামু পোংপু অোইনা সালঅোললুঅো॥ হায়েং লাংৱোন নাপোক তলকপু॥ তানলোয় তুনুংসিপু অোইমানারুঅো॥ হায়না পাঙমেললকপাপু লৈয়ে॥

শানৌ ইনাও-ও। নহাল মপোক লাংওন অহানবদগী হৌনা হায়গে। ইংনা পুক্রিং চংনা তাও-ও। নহালঙৈদা শেলবী লৈমা নিংথৌ পুম্নাহুপ্না কবো চানুরা শকহেনবী পুম্নমকা লোইননা শিঙলেল লৈয়াম পোকপীদা খুরুম থৌনিজরুববু মপারি অমৎতা ফংঙমদ্রবদগী ইপা ইবুংঙোনা খোইমোম কোরৌ সরারেল মানিংথৌবু ৱাওইরবা ৱাদগীবু। চিঙু সিখ্রা সরারেল কোনখৈ অতামবানা খোইয়ম মাগী মিৎয়েং শানখৈনা উরবগীবু ইবুংঙো চৌশিথাবালৌশিংবা নঙাদ প্রাননাশি লৈপাক অসিদা নমু মীওইবা ওইনা পোকলু-ও। হায়না থৌদাখিয়ে।

ইমোম ফাকমলেল্ অহলবী নঙসু হুইশিথাবা কৌবা লৈপাকতা নমু মীওইবা ওইনা শালওনলুও হয়েং লাংওন নপোক তলকবু পুন্সি লৈপুন ওই তানলোয় তুনুংশিবু ওইমিন্নদুনা পানমিন্নরু-ও। হায়না পাওমেললকপবু লৈয়ে।

মাপল হুইসিথাপ ৱাপী হায়পানা॥ মামোমসীনৌ মোইথাপ মাপুমকা॥ সনাখলকা আেনপীপু লৈয়ে॥ সনা সঙকাই কীয়োঙনুংতা॥ য়োৎকি পললোল ৭ খা॥ সাৱা চাচুমথিলনা॥ থমপীপু লৈয়ে॥

মাতাইরেম ককয়াই সাথিংকু॥ থিংকুনমতানাপী ১৫ মানা॥ তুরেল লইঙোই তুকুম খোঙসোমনাপীপু লৈয়ে॥ মাপলনা টীঙুনোংথৌ সরারেলতা কাওচানাকে হায়পাপু॥ কোরৌ নুমীৎ ৫নি নাঙায়রে॥ মারাখোঙখুল লীরুসে॥ হায়না ৱাহমপাপু॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ সাপি নঙতী॥ খোইয়ম মায়াখাংপু॥ কারমনা কাওতাপানো॥ হায়না ৱাহমলাপাতা॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ মাপল সেলপী লইমাপাতা॥ হে মীপলআে॥

মপল ইবুংঙো হুইশিথাবা ৱাপী [illegible]। মমোম ওইনা ফংজবী শিনৌ লশিং মোইথাপকুম থোৎচবী। সনা খলগা ওনবা [illegible] লাংওনদুনা লৈরিয়ে। নশানৌ ওইগদবী মহাকপু সনা শঙকাইনুং কিয়োং ফুরানুংদা য়োৎকি পললোল তরেৎ কোইনা-খা শানা চাচুম নমথনা চেকশিলনা ঙাক্লা থমলিবীবু লৈরিয়ে।

মাগী মনাই শেনবী ককয়াই শাথিংকু থিংগু নমতানবী-লুরুক্কবী ১৫ মকনা মাবু তুরেল লৈঙোই লৈকুপগুম্না মিকুপ নাহুম হাংদা খোঙশোমনা শেননাজরিবীবু লৈরিয়ে। মমোম ফুইননা ফংজবী মপানা চিঙঙু নোংথৌ সরারেলতা অওঙ অউল তমনা থাজগে হায়বগীদমক ৱারেপ্লখ্রে কোরৌ নুমিৎ মঙানিদা মঙাইরে। নুপীজা মাগী মারা খোঙখুল লিরুশে। হায়না [illegible] কৌদোকনা হায়রকলবদা চৌশিথাবালৌশিংবনা, ইয়াম্না নঙতি খোইয়ুম লাইগী অরেপ্পা ময়াথংনু করমনা কাওদবনো, হায়না মপাগী খোজবু হায়বকলে। চৌশিথাবালৌশিংবনা, অপোকপা মীওংগী শেনবী লৈমাবদা হুংগাইচে ইপা ইবংঙো-এ।

নাপারি অইপু নাহাল খোইয়ম লায়ীংথৌনা।। নোংতমলকপাপু।। লইমা ফাকমলেল আহলপীকি।। মোমনু তাঙচা মাখোঙখুলপু লীরুকে।। হায়না পাওমেলচাপাপু।।

পারিও।। লইমা ফাকমলেল হায়পাতী।। হুইসিথাপ নিংথৌ মাপুঙয়ায়নে।। পারিও হুইসিথাপ নিংথৌ হায়পাতী নাপল অই নাসুঙ য়ৌতাপা ৱাইনে।। সামু খোঙনা চৎপাসুঙ ফাওপানৎতে।। য়িংথি লাইচা য়ীৱাং মানে।। হায়না পাওমেললপাতা।। হে য়ীপা পোকমাপা।। পললেম খোইচিখাংখা মিহুলপীপাও।। নাপারি অইপু।। সাপি।। লাংকোই মানলিখাক আপাইপাপু নাপারি অই সামু খোঙওইনাকে।। হাইনা পাওমেললাপাতা।। মাপারি কোনলোয় মায়াথাং তারাপাকা।।

নপারি ঐবু নহাল খোইয়ম লাইনিংথৌনা নমু তাইবং ওইনা তমলকঙে ঐগীদমক শিংঙেল লৈরাং লৈপূন ওইনা নোংতমলকপী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবী নুপীজা ওইবী মোমনু মহাক্কী তাঙজা মখোংগুলবু লিজরুখিগে হায়না হায়জখিবে।

ইপাগী ইবুংঙো-ও। লৈমা ফাকমলেল হায়বদুনা লৈরিবা মফমদি হুইশিথাবা নিংথৌনা পানফরিবা মফমনি। ইপাগী ইবুংঙো হুইশিথাবা নিংথৌ হায়বা অদুনা লৈঙাকনা পাললিবা মফম অদুদি নঙবু পোকলিবা নপা ঐ ফাওবনসু অমুকতা য়ৌনা চংঙমদ্রিবা মফমনি। শামু খোঙনা চৎপা য়ৌবা ঙমগদবা নৎতে। ঈংথি লাইজা তরং ঈপাক অচৌবশিগী ৱাংমদনে হায়না পাওমেলনা হায়রকলবদা। হে ইপা ইবুংঙো অপোকপা পালেম ইমা ইবেম্মা খোইজিখাদা থাবুম তারা নাওপুনা পোকপীবী-ও। নচানিপা ঐবু ইযামধা লাংগোই শাগোল মানলিখাক অপাইববু নপারি ঐগী শামু খোঙওইনা লোয়নজগে। হায়না হায়রবদা। মপারি অপোকপা মচানুপাগী কোললোই মপাওমেলবু তারবদা।

মাপল সেলপী লইমাপীতী।। নুংনৌ হেসোন নীকনা মীকপখিয়ে।। পারি নঙপু য়ীপলনা।। লাকলু ফীয়ালপা খোইচিখাংখা মিহুলপা।। নঙপু লাংপল তওসনা তৌসংয়ীপু লাইচা য়ীথাপা।। মানলং য়েৎতারইতা হুলপা।। লোইতাম থাপুম ১০।। কোৱৌ নুমিৎ ৩০০ নিপু।। নাওয়ালপাতী।। সীঙলেল আরেমপাপু ওইরে।। লমলেল লমচীক আচীকপা।। ৱাইলং আতামপা কাতাৱাইতা নোংমললুকে হায়পানো।। হায়না মীকপখিয়ে।। মাপলনা চুহি হইঙালতৈ।। রারু খুৎপুনসানা।। পারিও।। হওরেল নঙনা আৱা পোৎথারুপাতা।। চারুসুনো হায়না থোলপীখি।। হায়তাপারা।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতী।। লাংকোই সাকোন মানলিখাক সাকোনথকতা তোং।। খুৎচারী মিতমপায়না।। কোৱৌ নোংলেল থকতা পাইংখিরে হায়য়ে।।

পলেম মমা অপোকপী শেলবী লৈমাবীদি মচাগীদমক খনবদা পাখংচনা থম্মোই তনিকনা হিক্লা হিক্লা কপখিয়ে। ইপারি নঙবু পলেম নমা ঐনা লাকলুফিয়ান খোইজিখাংগা মিহুন্না লাংবল তৌসনা তৌশং ঈবু লাইজা ঈথাবা মানলং য়েৎতা লৈতা হুলবা লোইদান থাবুম ১০ কোৱৌ নুমিৎ শিংপুম ৩০০ নিবু নাকলু নাওয়ালনা পোকচমলদি শিঙলেন অরেমবা ওইবা তারবরনে। সনম মীনম কনা য়ৌঙমদ্রবা লমদম অচিকপা ৱাইরং অতামবা কনাসু খঙ উবা ঙমলরোইদা কদাইদা চৎতুনা নপুনসি অদো লোমগে হায়রবনোনে হায়না তেংথা নাওইনা মিংকপখি। পালেম মমা পোকমাবীনা চুহি হৈঙাল শেন লালু খুৎপুন শাববু য়োমবীরদুনা ইমাগী ইবুংঙো-ও। হুইশিথাবা নিংথৌ লৈবাক য়োনা চৎপদা নঙনা লম্বী লমদাংশাংদা অৱা পোথারুবা মতমদা চারুও হায়না পোৎয়োম লকতা থেৎচিনবীরে। শেলবী কবোগী চৌশিথাবালৌশিংবদি। লাংগোই শাগোল মানলিখাক শাগোল থক্তা তোং খুৎচরি মীতম পাইনা পলেম পম্বৌ অপোকপা অপোকপীবু পাওমেলনরমলগা কোৱৌ নোংদোন থকতা শগোল অপাইবাদা তেংনা পাইখবে হায়য়ে।

প্রাননাসি খুননিংথৌকা॥ মাসানৌ সেলপী লইমাপীকা ২ মাতী॥ মাপারিকিতামকপু॥ ঙকলী লুমলাং কোল॥ খাচাই লেংলোয় চুপ॥ সমলাং তোলকা নালনা খারা মাকি খেনচঙথক॥ সারীক লাইখলনুংতা॥ সামু খোঙপু থীননা মীকপলওয়ে॥ চওসিথাপ লৌসিংপাতী॥ য়ীংথি লাইচা ৱাংমা লাননা॥ হুইসিথাপ ৱুয়া আচলপাতা॥ ৱাইথুংলুরে হায়য়ে॥

লাংকোই মানলিখাকনা হায়য়ে॥ সানৌঅো নঙতী॥ চুকি লমপোইপা॥ সৈন্যাসি খুলকোয়পা ১০ চানিপাপু অোইনা পাওহংলুঅো॥ নাসাপি অইতী॥ কাঙক্রু লৈনুংসিপু॥ থৌতুনুঙমায় সীৎপিঙামকে॥ হায়না থৌসীথোকলপাকা॥ সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতী॥ সৈন্যাসী খুলকোয়পাপু অোইনা পাওহংলুরে॥

গঙ্গৌ মপা প্রাননাসি খুননিংথৌ পলেম মমা অপোকপী শেলবী লৈমাবী, মপা-মমা অনিমকতি মচা নুপাগীদমকপু ঙকলি লুমলাং কোল খাজাই লেংলোই চুপনা শমলাং তোলগা নাললদুনা, মকোক মখুৎ হাপনা মচাগীদমক খনবদা সনা সঙ্গাইনুংদা তৌফম মতৌ খঙদনা মালেম লৈদা চোংনা চোংনা কপলদুনা লৈহৌরে। চৌশিথাবালৌশিংবদি। ঈংথি লাইজা ঈপাক ৱাংমা লানদুনা শগোল অপাইবা তোংনা পাইরকলবদা হুইসিথাবা উয়া অচলবদা য়ৌরকলে হায়য়ে।

লাংগোই মানলিখাক কৌবা শগোলনা হায়রকয়ে॥ শানৌ ঈনাও-ও। নঙদি যোগী লমবোইবা শৈন্যাসি লৈবাক খুলবু কোইনা চৎতুনা ১০ চাকনিববু ওইনা শকতম লৌদুনা মফমসিগী কোনুং মনুংদা হংলু-ও। নঙগী নয়ামবা নশাবী ঐদি কাঙক্র লৈনুংশিবু থৌদু নুঙমাই শিংশীঙমগে হায়রদুনা মথৌ মঙম খাইদোক্লরকলে। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংদসু যোগী শৈন্যাসী লম্বোইবা, লৈবাক কোইবা ওইনা থাদুনা কোনুং মমনা চংশিনলকতুনা পাওহংলকয়ে।

হুইসিথাপ খুননিংথৌকি।। মামোম লৈমা ফাকমলেল আহলপীপু।। চীঙু নোংথৌ সরারেলতা।। আৱোঙ আৱুল তমপাতী।। কোরৌ নুমিৎ কায়ানি ৱাৎলিপানো।। হায়না পাওহংলুপাপু।। হোয় হে সৈন্যাসি খুলকোইপাআে।। নঙতী কাতৌকে হায়না পাওহংপানো।। কোরৌ নুমিৎ ৫ নি নাঙাইরে।। হায়না পাওখুম লকলপাপু।। সৈন্যাসি খুলকোইপানা।। ১০ চানিকে হায়পাকিপু পাওহংপানে।। হায়না আসুম[১৪] ৱাহমঙমলাপাকা।।

চওসিথাপলৌসিংপাতি।। মারাল থীঙলৌ নীঙনা তেনা হলৱাইরকলাপাকা।। সাপি লাংকোই আপাইপাআে।। মোমনু লইমা ফাকমলেল আহলপীতী।। কোরৌ নুমিৎ ৫ নি নাঙাইরে হায়না।। পাওখুমঙামযে।। সাপিআে।। হায়না পাওতাকলাপাকা।। তৌয়ীকিতী সানৌআে।। নাসাপী অইতী।। কোরৌ নোংখোঙ কোয়না।। চোইনৌ সনা মাপাল চারুখিকে।।

হুইশিথাব খুননিংথৌগী মমোম লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীবু চিঙু নোংথৌ সরারেলদা অওঙ্ অউল তমপাদি কোরৌ নুমিৎ কয়ানি ৱাৎলিবনো হায়না হংলুবাবু। হোয় হে শৈন্যাসি খুলকোইবা লম্বোইবা-ও। নঙদি করি তৌগে হায়বগী ৱাহং অসি হংবনো। কোরৌ নুমিৎ ৫ নিদা মঙাইরে হায়না খুমলকলবদা শৈন্যাসি খুলকোইবনা ১০ চাকনিগে হায়বগীদমকপু হংবনে হায়না অসুম অৱাই অখুম তৌনরমলে।

চৌশিথাবালৌশিংবদি অমুক পনথদনা মহাক্কী লৈফমদা তননা থুনা হনলকলে। ইশাবী ইয়াম্বা লাংকোই শাগোল অপাইবা-ও। মোমনু নুজা শকহেনবী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি কোরৌ নুমিৎ মঙানি খকতা মঙাইরে থাজ যোনজগদৌবদি হায়না পাওখুমলকয়ে। শাবী ইয়াম্বা-ও অসুম হায়না পাওবু তাকলরেদা। তৌবগীদি শানৌ ইনাও-ও। নশাবী নয়াম্বা ঐদি কোরৌ নোংখোঙ কোইনা পাইদুনা চোইনৌ সনা মপাল চারুখিগে।

হওলেল নঙনা য়োৎকি পললোল খাপা।। সনা চাচুমথিলপাপু হাংপা ঙমতারাপাতী।। খোইয়ম য়ীপা নামুংপা হাইনা সোললাপাকা।। চীঙু মাললকুপু য়োনতানা কুপীকে হাইরাপাতী খোইয়ম য়ীপা নামুংপা য়ীন্ত্রা সরালেলনা য়োৎকি পললোল ৭ খাপাপু কাপথানা হাংথোকলকঙইনে।।

লইমা ফাকমলেল আহলপীকি।। লাইপক খেনলাইথোংতা কাঙক্রু লৈনুংসিপু।। মোমনু লুৰাই সমকোইরেলতা।। সীঙলেল তোমথিলনাআে।। চন্তন আরেমপাতী।। মাতাইরেমকি ককয়াই স্যাথিংকু।। থিংকু নমতানাপীসিংকি।। চুপা লৈথেৎলমতা।। চন্তন পাকতইনারমআে।।

হৌরেল নঙনা য়োৎকি পললোন খাবা সনা চাজুম নমনা থিংনা শমলিবশিংবু হাংবা ঙমদরবদি অতৈ করি তৌরুনু খোইয়ুম ইপা নামুংবা হায়না শোলনা নিংশিংজরবদি চীঙঙু নোংথৌ সরারেলগী মারলকুবু শোইদনা তেংবাংবীরক্লতনে। তেংবাংবীরকলবদি খোইয়ুম ইপা নামুংবা ইন্দ্রা শরারেলনা য়োৎকি পললোন ৭ খাববু মথননা হাংথোকচরগদবনি।

মতুংদা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগী লাইবক খেনলাই থোংদা নুংশিবা চন্দন লৈনুংশিবু লৈতেংনা। মোমনু নূজা শকপান হেনবীগী লরাই কোইরেন থক্কী শমলাং খাইবা, শীঙলেন লৈচু হেনবনা তোমথিননা কনা খংহনদনা নুংশিবা চন্দন্না লাইবক ময়াই চানা তৈবীরম-ও। অরেমবদি মদাইরেম অচানবী ককয়াইশা থিংগু থিংগুনমতানা মকোক মরু নোলনা মবেম্মাগী ময়াথংদরু য়াকা য়েংনা ঙাইজরিবীশিংগী চুপা নাপা ঙানা লৈথেংনবা মফমদা চন্দন পাকনা তৈবীরম-ও।

আতুকা নঙতী লইমা ফাকমলেল আহলপীকি॥ চইরই য়াকুনুংতা॥ সেলপী লাংয়েলিক অোইনা সালঅোন অো॥ সানৌ নঙনা নারালয়ীমথি রাইতম ফংলাকলাপাকা॥ সাপি[১৫] লাংকোই মানলিখাক হায়না পাওকৌরপাকা॥

নাসাপী অইপু য়ীলতাললককে॥ হায়না পাওমেল থমলাপাকা লাংকোই মানলিখাক আপাইপাতী॥ চোইনৌ সনা মাপাল চাকে হায়পাকি ॥ কোরৌ নোংখোঙ্ কোয়না পাইখিরে হায়য়ে॥ সেলপী চওসিথাপা লৌসিংপাতী॥ লইমা ফাকমলেল আহনপীপু য়ীলতালখিরাপাতা॥ য়োৎকি পললোল খাপাপু য়ৌরাপাকা। চওসি থাপা লৌসিংপানা॥ থোঙলেল নাতৈকাঙ্কে কাঙ্ঙমতরাপাকি॥ পিরেল খম্মা তানা ৱাঅোইখিয়ে॥ হে য়ীপা য়ীপুঙু সিখা কোনখৈ আতোমপাঅো॥

মতুংদা শানৌ ইবুঙো নঙদি মচা ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগী চৈরে ফিয়াম মরকতা কবো শেলবীগী তিন লাংহিক ওইনা শালওন-ও। ইনাও ইবুংঙো নঙনা নিংথৌ মচানুপী অদুবু নহাক্কী অরেপ্পা নুপী ওইনা ফংলকলবা মতমদা নহাক্কী নশাবী নয়ামববু লাংগোই মানলিখাক হায়না কৌরক-ও।

নয়াম্বা ঐসু পন্দনা নঙগী ননাকতা থুংলরগে হায়না ৱারম পুম্না খঙনরদুনা পাওমেন্নরবদা লাংকোই মানলিখাক অপাইবদি চোইনৌ সনা মপাল চাগে হায়বগীদমকপু কোরৌ নোংখোং কোইনা মশক উদবা মখৈ য়াংনা পাইখিয়ে। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবসু নিংথৌ মচা ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা লৈরিবা মফম অদু য়ৌরকলবদা য়োৎকী পললোল খারমববু থেংনরবদা চৌশিথাবালৌশিংবনা য়োংকী থোঙলেল কাংনা হাংগে হায়না য়োৎনবাবু ভমদরবগী অরেমবা ওইরগদবা হায়না পীরাং ইরা চেন তরং [illegible] পীরাং [illegible] হায়রক্লে। হে ঈপা ঈপুংঙো [illegible] অতোম্বা [illegible]-ও।

খোইমোম নাথৌচালপু ॥ নাতাইরেম চীঙু লাইপকথীপা॥ অইপু মোমনু য়োইমা খোইসোমমা॥ লইমা ফাকমলেল আহলপীপু চেংলৌ কারমনা সকব্রুনাসিপানো হায়না নুংসি পুকনীঙ কায়না মীকপপাপু॥ খোইয়ম লায়িংথৌনা চেংলৌ মীৎথিৎলাপাকিকা চওসিথাপা লৌসিংপাকি তামকপু॥ চীঙু মন্ত্র সোলনাথাপীরকপাকি॥ য়োৎকি পললোল ৭ খা॥ সাৱা চাচুম থীলপাপু মাথানা হাংথোকলাপাকা॥ লইমা ফাকমলেল আহলপীতী॥ ক্যাং মোলতেক থকতা॥ লোকয়াই তামপা সিনৌ লাসিং তীনকুমনা য়াতাঙামপীপু॥ চেঙলৌ মীৎথীংলাপাকি॥ চওসিথাপা[১৬] লৌসিংঙপাতী সনা খুৎসমু মাখুৎতোল নীঙথিপানা॥ ফাকমলেলকি লাইপক খেনলাই থোংতা সীঙলেল তোমথিলননা॥ ঙকথী লুমলাংকোল॥ খাচাই লেংলোই চুপনা॥ তোইনারাপাকা সীঙলেল চন্তন লেমলওপানা॥ মাতাইরেম ককয়াই সাথিংকু॥ থিংকু নমতানাপী ১ মাকি চুপা লৈচিলিলমতা॥ তইচিলিলমলাপাকা॥

খোইমোম নঙগী নথৌজালবু চিঙঙু নঙগী নদাইরেম লাইবক থীবা ঐবু মোমনু নুজা ওইবী মহাক্কী মকাইফম য়ৌঙমদা, লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীবু চেংলৌ করমনা শকউনদুনা শককা শককা উননা শকখঙনশিগবা হায়রদনা নুংশি পুকনিং কায়না কপপবু খোইয়ুম লাইনিংথৌনা সংসং চেংলৌ মীৎনা উরবদগী। নিংথৌ মচানুপা চৌশিথাবালৌশিংবগীদমকপু। চিঙঙু মাগী মন্ত্র শোলথাবীরকলদুনা য়োৎকী পললোন ৭ খানা থমলিবা শাৱা চাজুম নমনা থিঙনা থমবাবু মথনা হাংদোকলক্লবদা মোমনু নুজা নাকতা রৌ, মচা ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি ক্যাং মোলদুম মোলতেক থকতা শকতা তীঙদা য়াঙদা নিংথৗবী শাবান কুচুহেনবী, লোকয়াই তাম্বা শিনৌ লশিং তিনগুমনা নুঙাইনা য়াতারিবীবু চেঙলৌ মিৎনা উরবদা চৌশিথাবালৌশিংবনা সনা খুৎশা খুৎতোল নিঙথিবনা মচা ইবেম্মা ফাকমলেল্গী লাইবক খেনলাইথোংতা শিললেন লৈরাং লৈচু ওইনা তোমথিলনা ঙালহননা থিনবীরা, ঙকথী লুমলাং কোল খাজাই লেংলোই চুপনা নুংশিমখৈ উৎলবগা। শিঙলেল চন্দন অরেমবা মখাকশিং অদুনা মবেম্মবু শেনজরিবী ময়াথংতবু মকোক নোলনা ঙাইজরিবী থিংগু নমদানবীশিংগী চুবা লৈ চিনফমদা তৈশিনবীরমলবাগা।

চওসিথাপা লৌসিংপাতী॥ লইমা ফাকমলেল আহলপীকি॥ নুরা থাপচীপ য়াকুনুংতা॥ সেলপী লাংয়েলীক অোইনা সালথুপখিয়ে॥ হায়তাপারা॥

মাতাইরেমসিংনা॥ আয়ুক ১০ চামইরাংপাতা॥ হায়নাখিয়ে॥ হে খোয়নৌ য়ীতাসিংঅো॥ অসি অইকি খোমলেল মঙলাংচাল আসীপু॥ সেলপী য়ীপুরোল॥ কাপ য়ীপারোলতাসুঙ॥ খোমলেল মঙ ৱারীপু তারকতে॥ সেলপীচা পাখং সকতাননা॥ পানপা কৈনিংথৌকুময়ে॥ য়োৎকি পললোল ৭ খা সনা সঙকাই কীয়োঙচঙনা॥ য়ীপেমমা লইমা ফাকমলেল আহলপীপু॥ লাংকোই সায়াঙথকতা হাপনা॥ য়ীংথি লাইচা য়ীৱাংমা লাননা পাইখিবা মঙপু॥ খোমলেল মঙকনালময়ে॥ হায়না আসুম খোমলেল মঙলীনাবাপু॥ ফাকমলেল অহলপীনা নাতারাপাকিনা, হে তায়ম

চৌশিথাবালৌশিংবদি নিংথৌ মচা ইবেম্মানা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগী নুজা মাগী ফৈজুপ ফিরকনুংদা শেনবী লাংয়ে হিক ওইনা শাইওনদুনা শাথুপ লৌখিয়ে হায়নদবরা।

মচা ইবেম্মগী মনাই অথোইবীশিংনা অয়ুক ১০ চাম্মেলাংনা হৌগৎনরকপদা মখোই মশেল হায়নখিয়ে। হে খোইনৌ ইতাশিং-ঙু। ঙসি ঐগী খোমলেল মংলানচাল অসিবু শেলবী ইপুশিংনা লিবা মঙ কবো ইপাগা লেংমানবশিং, খোমলেল মঙ ৱাবীশিংগী নরকতা অমুকতা তারকতরিবা মানদবা অঙকপাবু ওইবা ওনখোকপা মঙনে। ঙসিগী মঙদা শেলবী মচা পাখং মশক অমুকতপু উবা ফংদ্রিবা, চুঙ ফিরান চাবা, পানবা কৈনিংথৌগুম্বা অমনা ঐখোয়না লৈরিবা য়োৎকি পললোল ৭ খানা থমলিবা, শাৱা চাজুম নমনা থিঙনা থমদবু থোঙলেল নাতে কাওনা হাঙলদনা সনা শঙগাই ফুরা কিয়োং নুংদা চঙলকলদনা ঐখোয়গী ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল অহলবীবু লাংগোই শাগোল শায়াঙথকতা হাপতুনা ইংথিলাইজা ইপাক ইৱাংমা লাননা পাইনা থুখিবা মঙনু ঙসিগী খোমলেল মঙ মঙলমনে। [illegible] খোমলেল [illegible] লিনপবু। মচা ইবেম্মা ফাকমলেল অহলবীগী [illegible], হে [illegible]

থেংনা নিলতা তানপিসি…ও চীঙুনা মায়াসাআোন পানারিঙইনে॥ সীঙলেল চন্তনপু[১৭] ঙালপপ চেংলও মীৎথীৎলাপাকি হে তাইয়ম নখোয় ১৫ মাকি চুপ…লেল নাপা ঙালনা নমসা তমথিলনা চন্তন পাকতইনাপা …সিপু কারিনো॥ হে য়ীয়ু নাখোয়তি॥ হইরাঙ লোনচিননা মানুং থোংখা পারইনা পারইনপাপু পুমনা লৈরিঙইনে॥ হায়না পাওহংপাপু॥ মাতাইরেমনা পাওখুমখিয়ে॥ নাতাইরেম য়ীখোয়তী॥ সোয়খোঙ তাইথেৎপা॥ মানুংথোংকা পারইনাপাপু॥ পুমনা লৈতে॥ চুপা য়িতোম লৈচিলতে॥ য়ীপেমমা নঙকি লাইপক খেনলাইথোংতাসুঙ॥ সীঙলেল তোমথিলনাবিয়ে॥ হায়না পাওতাকলাপাতা॥ ফাকমলেল অহালপীনা॥ চীনপাল মমোন নোকনা॥ য়াওরা খোনচেল চাওনা ৱাঙমাখিয়ে॥ আসি কোরৌ নুমিৎমা আসিতা॥ সনা সঙকাইচঙনা॥ সীঙলেল তোমথিলনাপা নঙপু॥ কনানো॥

অহিং থেংনা তুমখুন তাসবা তৈনবীশিং-ও। চীঙগু মাগী অঙকপা শাইওন ওনখোকপাবু ওইরিঙেনে। শিঙলেন লৈরাংগী পানদমগুমলপা চন্দন থীনবীরমপাবু চেংলৌ মিৎনা শংশং উরকলবগী, হে তাইয়ম নখোয় ১৫ মককী চুপলেন নাপা ঙালনাফমদা নমশা চন্দন তোমথিলবা চন্দন পাকতৈনবা অসিনা করিগীনো। হে ইনাউ শেননবী-ও নখোয় পুমবদি হৈরাঙ লোননা চিনবা মনুংথোংগা পরৈনা নঙগী নঙগী লুমনবশিংগা লৈমিন্নরিঙৈ ওইরিগনি হায়না পাওহংবাবু। মনাই অচানবীশিংনা পাওখুমখিয়ো-মনাই ওইবী ঐখোয়দি কনাগুম্বা নুপামগা ঙাংনবসু লৈতে মনুং থোংগা পরৈনা ফমদিন্নখিবসু কনা লৈতে। ইদোম লৈথিননা চন্দন লৈতেংবস লৈখিদে। কনা খঙহৌদা মথনদা তৈবীরমবনি। অদুবু ইবেম্মা নঙাক্কী লাইবক মত্তা মদা লাইবক মযাইচানা শিংঙেল চন্দনলেনব তোমথিননা ঙানবিয়ে হায়না পাওবু তাকলবদা মচা ইবেম্মা ফাকমলেন অকুপবীনা চিনপাল মোৎপ ই মোমোন নোকনা যাওরা খোনচেল চাওনা মরুক ঙাখিয়ে। ঙসি কৌরা কোরৌ নুমিৎ অসিদা সনা শঙগাই চেঙগুমনা শাঙলেন লৈরাং চন্দন ওইনা তোমথিলনবা নহাকপ কনানো ?

নামু পোংপু আইরাপাতী॥ চোংথোকলকআে॥ খোইয়ম লাই ৱুতাপাপু আইরাপাসুঙ ॥ য়াওৱা খোনচেল থোকনা পাওমেললমআে॥ হায়না ৱাহলচপাপু॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা প্রাননাসি খুননিংথৌ॥ পুমাদেপ মাললেম লইকোয় ফমপাকি মাপারিনে॥ হায়না পাওখুমলপাতা ফাকমলেল অহলপীনা ৱাহঙলকখিয়ে॥ চেংলৌ সকখংপীতাপা পাখংআে নঙপু॥ হায়েংয়ীপলকি থাঙলেল মাখুৎসুতা[১৮] কারমনা নোংমলকে হায়পানো॥ পাওহংপাপু॥ হোয়তা মোমনু য়োইপু নাইপেমমা য়ীমাআে॥ য়ীপীঙাপু লাংৱোন মাপোক ৩ লকপু॥ পোকমানাপী মাহাকনে॥ পাওখুমলাপাতা॥ তৌয়ীকিতী॥ নঙতী লাংৱোন মাপোক ৩লককিতী॥ কারম খঙপানো॥ হায়না পাওহংলকয়ে॥ য়োয়পু নাইপেমমা য়ীমাসকহেলপীআে॥ য়ীপীঙাকি জর্ম্ম আহলপাতাকি হৌনা হায়কে॥ সান্ত পুকনীঙ তপনা নাতাআে॥ অইপুসুঙ॥ য়ীপলনা মাপারি সাৎতাৱাকিপু য়ীপলনা সেলপী লইপাক

নমু পোংবু ওইরবদি ইমাংসিদা চোংথোরক-ও। খোইয়ুম লাই শকউদবা ওইরগনা যাওৱা খোনজেন থোকনা পাওমেললমলো হায়না অশেংবা মপাওবু হায়রকলবদা। চৌশিথাবালৌশিংবনা ঐদি প্রাননাসি খুননিংথৌ, পুমাদেব মাললেম লৈকোই ফমবগী মপারিনে হায়না পাওখুমলকপবু মচা ইবেম্মা নিংথিবী ফাকমলেল্ অহলবীনা হংলকখিয়ে। চেংলৌ শকখংদ্রিবা পাখং ওইবা নঙপু হয়েং ইপা ইবুংঙোগী থাঙলেল মখুৎসুদা করম নোংমননা শিজগে হায়বনো হায়না পাওহংৱাবু হোয়দা মোমনু নুজ্ৱা ওইবী নিংথীরবী ইবেম্মা-ও। ইবানি নমু মপোক লাংওন অহুমলকপ্ পোকমীন্নবী ইশানৌ নহাকনে হায়না পাওখুমলবদা, অদু ওইরব্দি নহাকতি মপোক লাংওন অহুমলককিবু করম হায়না খঙবা ঙমবানো হায়না অমুক পাওহংলকয়ে। নিংথৌ কোনগী ইবেম্মা চেংলৌ শকপানথোংনা থোইনা শকহেনবী-ও। ইবানি নহানমুব্ক্বী মপোক অহালবদগী হৌনবু হায়গে। তপথনা নপুকনিং চংনা তপনা তা-ও।

পুমনামাকা।। সীগুলেল ... পোকপীতা প্ৰুময়ে নঙপুসুঙ নাপলনা মামোম ফুইতাপা ৱারি-পু।। ...পল হুইসিথাপ লইমাপানা।। সীঙলেল ৱুয়া আচলপাতা।। পুরুম ... তালফংচাপাকি।। য়োয়পু নাইপেমমা য়ীমা নীঙথিপীঅো।। অসুম পুরুমপাকি চীঙু নোংথৌ সরারেলনা।। চেংলও মীংথীংলাপাকি।। পারি চওসিঙথাপা লৌসিংপা নঙতী।। প্ৰাননাসি খুননিংথৌকি মাপারি অোইনা পোকলুঅো।। য়ীমোম ফাকমলেল আহলপী নঙতী।। হুইসিথাপ মাপুঙয়ায়ন্তা।। নামু পোংপু অোইনা পোকলুঅো।। হায়না ৱাহমখোলপুনে।। য়োইপুনাই নঙপু।। পুকনীঙ ৱাকাঙরাপারা।। হায়না[১১] পাওমেলনারাপাতা।। লইমা ফাকমলেল আহলপীনা।। খুৎফাং চাংচও চেপনা পুরুমচাখিয়ে।। সাপি খারায য়ীমীরেলঅো।। মোমনু অইতী পায়মা লিলনা লোমপীনীকিনা।। কারম কাওরপানো কনলকয়ে।। হায়না পাওমেলনারাপাতা প্ৰাননাসি মাপারি সেলপী চওসিথাপা লৌসিংপাকা হুইসিথাপা নিংথৌ মামোম লইমা

ঐবুসু অপোকপা ইপা ইমানা মচানিগা অমংতা ফংদ্ৰবদগী ইপানা শেলবী লৈবাক পুম্নমক্কা লোইননা শিংলেন লৈয়াম পোকপীদা পুরুমনা থৌনিজেয়ে। নঙবুসু নঙগী পদ্মৌনা মমোম অমতা ফুইনা শাংতাবগী নপা ইবুংঙো হুইশিথাব লৈমাবনা শিঙলেন উয়া অচলবদা পুরুম থৌনিজবদগী নঙবু ফংজবনি। নিংথৌ মচা ইবেম্মা নিংথিবী-ও। অসুম পুরুম থৌনি ৱাগী চিঙঙু নোংথৌ সরারেলনা। চেংলৌ মমিৎমক্কা উরবগী চিঙঙু সোরারেলগী ময়াথংনা চিঙঙু মাগী মপারি ওইরিবা চৌশিথাবালৌশিংবা নঙদি প্ৰাননাসি খুনানিংথৌগী মপারি ওইনা পোকল-ও অদুগা ইমোম ওইরিবী ফাকমলেল্ অহলবী নঙসু হুইশিথাবা মপুংয়াইদা নামু পোংবু ওইনা শাইগুনদুনা পোকলু-ও হায়না থৌদা খোনবু পুনা লাকপানে। য়োইপু নিংথিবী নঙবু পুকনিঙ ৱা কাওরাবরা হায়না মপোক লাংওন তাকলবদা। লৈনা ফাকমলেল্ অহলবীনা খুৎফাং চাংচৌ চেপনা খুরুমজখিয়ে। শাবী ঐগা ...রোই ইমীরেল-ও। মোমনু নুজা ওইবী ঐদি পাইমা লৌশিং হাকনা থেনবী ওইবনা করমনা কাওখিবনো ওনথোক্না খাংঙমদে কনলকয়ে হায়না পকমেন পাওমেন্নরে। প্ৰাননাসি খুনানিংথৌগী

ফাকমলেল অহলপীকা মাতৈ মানাও ২ মাতী ॥ লাইচা য়ীলেন লৈকুম ॥ ক্যাং মোলতেক থকতা ॥ লোকয়ায় তামপা সীনৌ লাসিং তীনকুমনা ॥ য়াতামানারে ॥ হায়তাপারা ॥

মপারি শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবগা হুইশিথাবা নিংথৌগী মমোম লৈমা ফাকমলেল্ অহলপী মতৈ মনাও ২ মকতি। লাইজা ইরেলনা তিনশিননবাগুম কবো কিয়াং মোনতেক থকতা। লোকয়াই তামবা শিনৌ লশিং তিনগুম্না অমৎতা ওইনা য়াতামীন্নরে হায়নদবরা।

য়ীনুং কৌপা চীঙলেল নোংকা সোয়রপাতা॥ হুইসিথাপা খুননিংথৌনা॥ মাতাইরেমসিংপু থৌসিরকয়ে॥ সেলপী পাফংথৌসিংনা॥ কোরৌ নোংচা খুতীঙকি॥ সীনৌ লসিং মোইথাপ পুমমাকা সনাতুলা খলকা ৱোনপাপু॥ লইমা ফাকমলেল আহলপীনা ঙাইরোইনা লুমঙামলাপাকি হুইসিথাপ ৱাপীহায়পাতা॥ সেলপীপাফঙথৌসিংনা পাওতমখিয়ে॥ সেলপী য়ীনিংথৌ কাপ লাইমাপাআে॥ নামোম লইমাপু সনা চাংকা তমলুপাপু নামোম লইমানা ঙমচাঙামযে॥ হায়না পাওত্মলাপাকা॥ সেলপী মানিংথৌনা॥ য়াইপী মানুংহওনা ॥ ৱাতাথীঙামযে॥ অইনা য়ীমোম লইমাপু॥ চীঙু নোংথৌ সরারেলতা॥ কাওচনকে হায়পাতী॥ সীঙলেল আরেমপাপু আেইরে॥ সেলপী অসোইপা কাপ[২০] আমাংপাপু আেইরাপানা॥ সায়েঙ পালকা লাকনা য়িংথি লাইচা য়ীরেলপুঙতা॥ হুলথারমলুরো॥ হায়খিয়ে॥

অহুমশুবা তাংকক্

হুইসিথাবা লৈবাক্তা নিংথৌ মচাগী মতিক উৎপা

ইনুং কৌবা চিঙলেন নোংগা তৈনা নোংঙালকলবদা। হুইশিংথাবা খুননিংথৌনা। মদাইরেমশিংবু থৌশিরকলে। শেলবী অঙম অথৌশিংবু থৌদারকয়ে। শেলবী অথৌবা মনাইশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংগী নিংথৌ মচা ইবেম্মাগী শিনৌ লশিং ফিরোন পুমবাবু য়েং সনা তুলা খলবু ওননা তমবাবু নুমিৎ অসিদি ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা শিজিন্নবা ঙাইরোই ফিশিংনা লুমবা হেনলমলবা ৱাদগী। হুইশিথাবা মনাই অথৌবশিংনা মনিংথৌদা অখাকপা য়াওদনা পাও তমখিয়ে। শেনবী ইনিংথৌ কবো লৈপাক মপু-ও। নমোম লৈমগী সনা চাংগা তমলুববু নমোম লৈমা ইবেম্মনা ঙমহৌরে। হায়না পাওবু তমলরবদা। শেলবী নিংথৌদি য়াইবি মনুং হৌনা শাওনা ৱাতাথীনা ঙাঙলে। ঐগী ইমোম ইবেম্মা লৈমবু চীঙঙু নোংথৌ সরারেলদা কাওজন্না থাজগে হায়বদি

সেলপী পাফঙ থৌসিংনা চওসিথাপলৌসিংপাপু ॥ য়ীলতালখিরাপাতা॥ চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাতী॥ নুমিৎতুকুমপাপু মাসোংচাও॥ থাপা তুকুমপাপু মাঙালনাইনা॥ ফমভম ঙামপাপু॥ সেলপী পাফঙথৌসিংনা॥ সায়েঙগাল কা লাকনা চিংথোককে চঙখিপাপু॥ চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাকি চেংলও মাসকপু॥ য়োইমা য়াই তাওতলপানা ॥ নোংপোক মায়াইতাকি॥ লমহওরকপা॥ থাপামাসক য়েংফতাপা তুকুমপাপু॥ চেংলও মীৎথীৎলাপাকি ॥ মাললেম লইতা তু॥ খুকলু কুরোল হুনা তানা হীথোকনা তুরাপাকি॥ সেলপী চওসি থাপা লৌসিংপানা॥ পাওহংখিয়ে॥ য়ীমাল হুইসিথাপা খুননিংথৌকি মাতাইরেমসিংঅো॥ নঙখোইপু কারিনো॥ পাওহংপাপু॥ সেলপী কাপ চানু থিংকু নমতানাপী ১৫ মানা ॥ চাংচও চেপনা লোলনা পাওমেলখিয়ে॥ প্রাননাসি খুননিংথৌকি মাপারি য়ীপুঙুতাঅো।

শিঙলেন অরেমববু ওইরে। শেলবী ঐগী অশোইবা কবো ঐবু অম্মাংববু ওইবনরা। লৈরমলিবা অদো শযেঙ পাঙগা লাকনা ফাদুনা ইংথি লাইজা ইরেল পুঙ অচৌবা অসিদা হুলথারুরো হায়রদুনা য়াথং অকনবাবু হায়খিয়ে।

শেলবী নিংথৌ মনাই অথৌবশিংনা চৌশিথাবালৌশিংবাবু ইবেম্মশিংনা লৈবা মফমদা থিরকলবদা চৌশিথাবা ফাকমলেল্ ২মকতি নুমিৎনা থোকপা অদুগুমনা লংনা মশোং চাওনা মতিক মশেক নাইনা থানা থোকপা অদুগুম মঙাল নাইনা ফমমিন্নববু চৌশিথাবা ফাকমলেল্ ২ মককি চেংলৌ মশকপু য়োইমায়াই তাওদনবা নুমিৎনা নোংপোক থংবা মাইকৈদগী থোরকপগুম খমপ্রাংনা মশক য়েংবা ঙমদবা অদুগুম্না চেংলৌ মিৎনা শংশং উরবাগী মালেম লৈদাতুনা। খুউ কুরোল হুনা তানা হুথোকতুনা তুরবকি। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা মরা মপাওবু হংখিয়ে। ইক হুইশিথাবা খুননিংথৌগী অথৌবা মনাইশিং-ও। নখোঈনা পামবা কবিনো হায়

নামাল হুইসিথাপ খুননিংথৌনা।। নাসানৌ সামু ওইরম থাপী আসিপু।। চিঙু নোংথৌ সরারেলতা।। কাওচানাকে[২১] হায়পাপু।। সেলপী আসোইপা কাপা আমাংপা কারমপানা।। য়ীমোম ফাকমলেলকি সারেল য়েৎলম ফমলাকাপানো।। সায়েঙ পালকালাকনা।। য়িংথি লাইচা য়ীরেল পুঙতা হুলথারমলুঅো।। হায়না থৌসিরকপাপু।। চেংলও নাসক য়েংনা সোংকিরে।। পুনুং নারেপ য়েংনা সোলকাঙলে।। হায়না পাউখুমলাতা।। চওসিথাপ লৌসিংপানা পাওমেলখিয়ে।। য়ীমাল নিংথৌ মাতাইরেম।। সেলপী চৎৱা হাইপাসিংঅো।। মামোম য়োইপুনাই।। পললেম লেপলওসিলকুমপী আসিপু।। খোইয়ম নোংতমপানা।। লাংৱোন মাপোক ৩লক পোকমানারুঅো।। হায়না নোংতমলকপীনে।। য়োইপুনাই য়ীনেম মাচাকিতামকপু।।

হংবনু। শেলবী কবো চনু ইবেম্মগী মনাই থিংগু নমদানবী ১৫মকনা খুবাক চাংজৌ চেপনা লোলনা পাওমেলজনা হায়জখিয়ে। প্রাননাসি খুননিংথৌগী মচা ইবুংঙো-ও। নকু ইবুংঙো হুইশিথাবা খুননিংথৌনা নহাক্কী নুংশি চানজবী নশানৌ শমু ওইরম থাবী অসিবু চিঙঙু নোংথৌ সরারেলগী মফমদা থাজা য়োনজগে হায়বগীদমকপু শেলবী ফৎতবা কবো লমহেল তুহেনবা করমবাশিংনা ইমোম ফাকমলেল্বু নিংথৌ মানা লৈরিঙৈদা ইবেম্মাগী মপুরোইবা ওইনগে খনলিবাদো মশা শাগল লাকনা চিং মালেম লৈপাক থকতা চিংনা পুরগা ইংথি লাইজা ইরেল পুঙ অচৌবাদা হুলথালু-ও। হায়না মনাই অথৌবাশিংদা থৌদারকয়ে। অদুবু ইবুংঙো নঙগী চেংলৌ নশক য়েংবদা হেলনদুম কিখরে। নঙগী শাবান মাইথোং য়েংনা মাইয়োকনরুববু হেন্নদুম কিবনা নিকখরে। হায়না খুমলবদা। চৌশিথাবালৌশিংবনা ৱাহৈ মপাও হায়খিয়ে। ইমাল ইকু ইবুংঙো নিংথৌগী মনাই ওইবা শেলবী লৈবাকসিগী চৎৱা হায়বা অথৌবশিং-ও। মচা ইবেম্মা পলেম মমা লৈমা শেলবী লৈমাবীদগী হেননা লুনা চালনা শিংনা নালনা থমজবী অসিদি

সায়েঙপালকা লাকনা য়িংথি লাইচা য়ীরেলখুঙতা হুলথাকে হাইরাপাসুঙ॥ মোমনু য়োইপু নাইকি তামকনে॥ মাইমই চীনআোনলোই॥ য়ীমু খাহকননা॥ নোংমললাপাসুঙ॥ চওসিথাপা চীঙু য়ীরাইপককি॥ হায়না পাওমেললাপাকি॥ সেলপী চৎৱাহায়পানা॥ পাওখুমলকয়ে॥ চওসিথাপা য়ীপুঙু তাআো॥ নাতাইরেম য়ীখোয়না॥ নামাল সেলপী খুননিংথৌতা॥ চীনকোয় নাতিলমেল আসিপু তমলকে॥ হায়না মারাল আোনতেলকলাপাতা॥ সেলপী য়ীনিংথৌআো॥ নাতাইরেম য়ীখোয়না নিংথৌ কোনলোই নাপাঙমেংলকি চৎলুপাপু॥ চওসিথাপা লৌসিংপানা॥ নামোম ফাকমলেল অহলপাকি॥ সামু য়েৎলমথানা ফমফমঙাময়ে॥ নাতাইরেম য়ীখোয়না॥ সায়েঙ পালকালাকনা॥ য়িংথিলাইচা য়ীরেলপুঙতা হুলথাকে॥ হায়না চঙখিপাপু॥ চেংলও মাসাক

খোইয়ুম নোংতমবা লাইনা লাংওন মপোক ও লক তাইবং মপোক ওইনা পোকমীন্নরু-ও। হায়না চিঙঙু মহাক্না নোংতমলকতুনা তাইবং পানসিদা লাকমীন্নবনে। মমোম মচা ইবেম্মগীদমকপু ঐহাকপু শয়েং পাঙগা লাকনা চিঙ ইংথি লাইজা ইরেলপুং অচৌবদা হুলখগে হায়রবসু। নুজা ওইবী মাগী মশুংলাংগীদমকনে। মাই লৈদুনা চেনশরোই। লাইজা ঈশিংদুনা ইরাকননা শিজরবসু চৌশিথাব ঐদি চিঙঙ্ লাইগী নোংদমনা ইরাইবকসিদা নোংদমলকপগীনে হায়না পাওখুম পীরকয়ে। শেলবী চৎত্না হায়বা অথৌবনা হায়রকয়ে চৌশিথাবা ইবুংঙো-ও। তাবীও ননাই ঐখোয়না নমাল নকু শেলবী খুননিংথৌদা নহাকনা হায়রিবা রাইক্ত খুদিংমক অসিদ্ তমনুরগে হায়না নিংথৌ শঙ্গাইনুংদা পাওব্ কংলেদুনা হাখঙ্গাখয়ে শেলবী ঈনিংথৌ ও। ননাই ওইবা ঐখোয়না ঈনিংথৌ নহাক্কী কোনলোই ননাপুং পাংথোকপা চৎচকুববু চৌশিথাব লৌশিংলো নমোম ফাকমলেল্ অহনবীগী সমু য়েৎলম ফমমন ফৈন্দ্রীনরকয়ে। নঙগী ননাই ওইরিবা ঐখোয়না মশা শাগাল লাকলোইং

য়েংঙমতাপাকি।। খুকলু কুরোলহু নাতোন নাহি থোক।। মাললেম লইতা তুপাকুম লালনংঙরুয়ে।। নাতাইরেম।। য়ীখোয়না।। নিংথৌ খোন্ লোই নয়াথংপু হায়রুয়ে।। নামাল কোনলোই নায়াথাংনে।। সায়েংপালকা লাকনা চিংথোকঅো।। হায়না পাওমেললুপাপু।। নিংথৌ নঙাক মাকলঙরেমনা।। য়ীমাল নিংথৌ মাতাইরেমসিংঅো।। সেলপী ননিংথৌতা হায়রুঅো।। নামোম অসিপু।। লাহাল লাংঅোন মাপোক ওলকপু।। তানলোই তুনুংসিপু অোইমানারুঅো।। হায়না য়ীমানারকপা মারুমপী মাহাকনে।। আসুম পাওতমপীরুঅো।। হায়রকয়ে।। হায়না আসুম ৱাকংলাপাতা।। তৌয়ীকিতী।। তাইয়ম নঙখোই পু।। য়ীমোমকি মাপোক ও লকপু খঙয়ে হায়রাপাতি।। থৌদুনু ঙাকতা চীঙলুখুম নোংপোক চীঙলুখুম।। য়োইমায়াই তাওতলপা।

শকয়েং পাঙগতিংনা ইংথি লাইজা ইরেলপুং অচৌবদা হুলথগে হায়না চঙলুববু মাগী চেংলৌ মশক য়েংঙমদে। চংলুবা ঐখোয়দি খুকলু কুরোল হুনা তুবদা নাতোন নাহি তানা ঈথোকনা। মালেম নৈতা তুনা শিংলদনা লালনংনবা হায়বা অদু ওইরকয়ে। ঐখোয়না ইনিংথৌগী কোনলোই নয়াথং অরুববুদি হায়জরুরে। নকুগী কোনলোই ময়াথংনে। নহাকপু শায়েং পাঙগা লাকনা চিংলক-ও হায়না পাওদমলুববু। ইনিংথৌ নহাকী মাকলৌরেম নমাকনিপানা - ইমাল নিংথৌগী মনাই অকনবশিং-ও। শেলবী নখোয়গী ননিংথৌদা পাওদমদুনা হায়রু-ও। নহাকী নমোম নচা নুপী ইবেম্মা অসিদি নহালমুককী লাংওন মপোক ওলকপু, তানলোই লোইনবী তুনুংশিবু ওইমীননৌ হায়না চিঙজু লাইনা মালেম নৈসিদা থারকপা ঐগী ইতুং ইনমীন্নরকপী তালোই মরুমবী মহাকনে অসুম হায়না নিংথৌদা পাওতমবীরু-ও। হায়রকয়ে হায়না অসুম পাওদমনা ৱাকংলরবদা। অদু ওইরবদি তইয়ম ইনাই পুমম্মক, হায়রিবা নুপা মীশক অদুনা ঐগী ইমোম ইচানুপীগী মপোক লাংওন অহুমনাক খঙয়ে হায়রবদি মাগী মতিক য়েংলাসে। থৌদুনু ঙাকতা ওইবা চীঙ নুংমাই চীঙদুম, নোংপোক মাইগে

নুমিৎ থোঙলেল্ মম্পা আসিপু।। ব্রায়রা নাতেলচানা কাপখাইরুআে।। কাপখাইপা ঙমতারাপাতী[২৩]।। সেলপী অইকি মীয়ান পুঙতা য়াননাকে।। হায়রুআে হায়না থৌসীরকলে।। সেলপী খোঙলোইপা হলপানা।। পাওমেললুয়ে।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাআে।। নামাল সেলপী খুলনিংথৌনা হায়রকয়ে।। য়ীমোমকি লাংব্রোন মাপোক তলকপু খঙয়ে।। হায়রাপাতি।। থৌতু নুঙকায়চীঙ্ ।। নোংপোক চীঙলুখুমপাপু।। ব্রায়রা নাতেলচানা কাপখায়আে।। আতুপু কাপখায় ঙমতারাপাতী।। সেলপী মীয়ান পুঙতা য়ানাকে হায়রকয়ে।। হায়না পাওতমলপাতা চওসিথাপ লৌসিংপাতী।। ফইরা তালপুম য়ইনা পাওনোকখিয়ে।। লইমা ফাকমলেল আহলপীতী ।। মাপল পলথৌ নিংথৌকি ।। কোনলোয় মায়াথাংপু নাতারাপাতীকি ।। পীরেম খকমাতানা।। মীকপাখিয়ে ।। স্বামী ক্রও

ঐনা লৈরীব কোনুং অসিবু খলনা চাওনা ঙানথোইনরিবা য়োইমায়াই তাওদলবা নুমিৎনা থোকলকঙৈদা নুমিৎ মাগী মঙাল খলনা থমবা চীঙদুম অসিবু। মহাক্কী ব্রাইরা তেনজৈ অমনা কপখাই থুগাই-ও। কপখাইবা থুগাইবা ঙমদরবদি শেলবী ঐগী মীহাৎ ফম মীয়ান পুঙদা ককনা হাৎনগে হায়না হায়রু -ও হায়রদনা। মনাইশিংবু অমুক থৌদা থৌশিরকলে। শেলবী মখোঙ য়াঙবা মনাই পাওপুবানা তলনা পাও তমনা খঙহনলকয়ে। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংব-ও। নমাল ইবুংঙো শেলবী খুননিংথৌনা হায়রকয়ে। মাগী মচানুপীগী লাংওন মপোক অহুমলকপু খঙয়ে হায়রবদি মাংদা উরিবা থৌদু নুঙকায় চীঙ নোংপোক চীঙলুখুমববু নংগী ব্রাইরা নতেলজা অমনা কাপখাই-ও। অদুবু কাপখাইবা ঙমদরবদি শেলবী ঐখোয়গী মীহাৎ পুঙদা ককনা য়ানদুনা হাৎননগে হায়রকয়ে হায়না পাওতমলবদা, চৌশিথাবালৌশিংবদি ফৈরাতালবু য়ৈনা পাওদুবু তাবদা নোকখিয়ে। নিংথৌ মচা ইবেম্মা ফাকমলেল্ অহলবীদি পল্থৌ মপা অপোকপা নিংথৌগী কোনলোই ময়াথংপু তাবা ফংলবদগী অরা ব্রাখন নুংঙাইতা মদোম পীরাং শিনথদনা কপখিয়ে। স্বামী, কোরৌ

মানোংথৌপু।। তেংথাননা।। থাঙলেল মাখুৎসুতী ঙাইরোংঅো কৌয়ে।। য়ীপলকি ঙাইরোং মাখুৎসুতা।। কারম নোংমলকাপানে।। নাসানৌ অইকা নোংমলমানাসে।। মোমনু অইকি থাঙলেল য়ীখুৎসু।। লইমা য়োইরেল সিলসু থাঙ আসিনা নোংমলমানাসে।। থংলেল য়ীপুংমানাইঅো।। চীঙু নোংথৌ সরারেলতা ৪ মানা।। থৌতু নুঙকায় চীঙ আসিপু।। কাপখায়পা ঙমতারাপা চীঙনে।। সাপীঅো।। বাইরা নাতেলচা ১মানাতী।। কারমনা কাপখাই ঙমকাপানো।। ফইরা নাতানয়ইনা পাওনোকপা[২৪] আসিপু।। মোমনু পাইমা পীপুক হুপরিঙইনে।। সাপি নঙতী প্রাননাসি নাপুঙ য়াইতা।। হলবাইখিকে হায়পনারিঙইনে।। মোমনু অইতী পাহাঙ নোংচেংঅোই।। খাবাথমনোং অোই।। পাখংসঙপাই লোলতামপা লঙকুমনা।। য়িতোম কারমনা পাংসোই নীকসীনো।। সাপি হইনা

নোংথৌ শেন্নীবা চীঙগু লাইবু কৌনা তেংথারদুনা। শেলবী ইপাগী লৈবাক অসিদা থাঙলেন মাখুৎশুদি ঙাইরোং-ও কৌয়ে। অপোকপা পন্থৌ ইপাগী ঙাইরোং থাংলেল মখুৎসুদা করমনা নোংমলনা শিগাবনো। নঙগী নশানৌ নুপীজা ওইবী ঐগা অমৎতা ওইনা নোংমননা শিমিন্নশে। মোমনু নুজা ওইবী ঐগী থাঙলেন ঈখুৎশু লৈমা য়োইরেলশিংগা লোইননা শিনশুনবা থাঙলেন অসিগী মফমদা শিমিন্নসে। থংলেল মানজা নুংশিবা ইবুংঙো-ও। চীঙঙু নোংথৌ সরারেলগুম্না কলবা ৪ মকনাসু থৌদু নুঙকাই চীঙসিবু কপখাইবা ঙমলকতরবা চীঙনে। ইশাবী-ও। নহাক্কী বাইরা নতেলচা অমানদি করম হায়না কপখাই ঙমগবনোনে। ফৈরানা তানয়েনা মোমোন নোকপা অসিবু মোমনু নুজা ওইবী ঐগী পাইমা থম্মোইনুংবু পেলহন্নবগী ওইরিনি। শাবী পামুবা নঙদি প্রাননাসি নবৈপাক নরমদমদা কনা খঙহন উৎহনদা নদোম চংখিগে হন্নবগীনদ্বক ওইরিনিনে। মোমনু নুজা ওইবী ঐনি ইপাং কনা য়াঙদা ইনোক লেনবা এং। নঙগী নুংশি মৈচাক ওই, পাখং নঙগী শকপানথোংবু

নাতুং য়ীলচাকে॥ হায়না মীকপখিয়ে॥ চওসিথাপালৌসিংপানা ম্বাহমলকয়ে॥ সানৌঅো নাপলকি থৌতু নুঙকাই চীঙতী॥ ম্বাইরা অইকি য়ীতেল চানা কাপখায়রাপাসুঙ॥ তাঙচা য়ীরৈতোলনা কীনথারো হায়রাপাকা॥ চীঙলেল মাথানা মালেলল ফুফাক অোইনা॥ কীনথাঙইনে॥ হায়রাপাকা॥ মাতোম সাৎফাপীনা॥ পানা লায়াৎতৈ॥ ক্কাসুংতাই খায়না॥ সুনু নাতৈয়ই॥ মোমনু সামু মাখুৎতোল॥ নোংপোক কোই চীঙসাংকি॥ চমপা লৈহাওমালপীনা॥ পানা চাতুম মেলনা য়োইচালনাখিয়ে॥ চীনপাল কাঙমইখু॥ ক্কা য়াচু সায়রাপাকা॥ চওসিথাপা লৌসিংপানা॥ য়োইপুনাইপেমমা লইমা নীঙথিপী॥ মালচা থওরীতৎঙমতাপীঅো। হায়না খাচাই লেংলোই চুপ ঙকথী লুমলাংকোল॥ সমলাং তোলকা নালনা ম্বাহমখিয়ে॥ য়ীমালকি ক্যাঙ সঙকাই নীঙথিপাতা॥ নঙতুম

থম্মোইনুংশিদা কাওঙমদা ইদোম করম তাইবং মফমসিদা লৈহৌ হায়বনো ইশাবী নুংশিবা নঙগী হৈনা নতুং ইনজগে হায়না কপচখিয়ে। চৌশিথাবা-লৌশিংবনা নুংশিনা পাওখুম পীনা হায়রকয়ে। ইশানৌ-ও নপা ইবুংঙোগী থৌদুনুঙগাই চীঙসিদি ঐগী ম্বাইরা ইখুৎসু তেলনা কাপপু কাপখাইদরবসু ঐগী য়াম্বা ইখোনজেন অমনা কীনথরো হেক হায়রুবদা চীঙলেল মথনদা মালেম লৈদা ইফুলক ওইনা কীনথদুনা নিংখায়গদবনে হায়রকলবদা। মদোম শাৎচবী, থোৎনা তনৌ নিংথিবীনা পানা মনা তৈথোকচা, ক্কা মশুং হেননা খাই শুনু মাতা য়েংনা নিংথিনা তৈ। মোমনু নুজা নিংথিবীগী শামু খুৎশা শাংদানবী তনৌরবী খুৎশা, চমপা লৈহাও মালবীনা পানা চাদুম শেমজনা ইনজদুনা হরাও মীনোকনখিয়ে। চিলবাল কাঙমৈখু, ক্কা য়াচু শংনা চামীন্নরবগা। চৌশিথাবা লৌশিংবনা য়োইবু নিংথৌ মচা ইবেম্মা লৈমা নিঙথিবী নুজা নঙবু নুংশিবনা থাদোকপা ঙম্মদবী-ও। হায়না খজাই লেংলোইচুপ ঙকথি লুমলাংকোল। শমলাং তোলগা নালনা ম্বাহায়খিয়ে। ইমালগী কিয়াং শেলবী সনা শঙগাই নিঙথিবদা নঙ্গদি ফমনা

ফমঙামঅো।। হায়রমলাপাকা।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতি।। ফইরাতালপুম খীঙনা।। নোংপোক চীঙলুখুমপু কাপ[২৫]খায়কে।। হায়না খোঙসানলকলাপাকি।। ফাকমলেল আহলপীতী।। পীরেল য়ীচেননা লৈরওয়ে।। হায়তাপারা।।

চওসিথাপা লৌসিংপানা।। হে য়ীমাল হুইসিথাপ। খুননিংথৌঅো।। চীনকোই নায়াথাংপু হেপথোকপীতানা।। সামু য়ীখোঙলেঙলকলে।। হায়না পাওমেললাপাতা।। হুইসিথাপা খুননিংথৌনা।। হে য়ীতাইরেম সেলপী লইপাক পুমনামাঅো।। থাঙলেল নঙখোয়কি নাখুৎসুপু লেংনাঙাইঅো।। হায়খিয়ে।। মাতাইরেম সেলপী লইপাক কোইপা পুমনামানা।। চওসিথাপ লৌসিংপাপু।। কাকুপ মাইফংচল।। থাঙলেল খুৎতাসু।। তীলমেল ঙানোই চোংকুম নোংহামলাপাতা।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপানা।। থৌতু নুঙকায়চীঙ নোংপোক

লৈরম-ও হায়রমলবগা। চৌশিথাবালৌশিংবদি চৎখিদনা ফৈরা তালপুম খিং মখোং মালেম লৈবাকতা থিল মাগী খাইরা মতেলজা মানা লাকা তেলমৈ লাকনা পাই, খাইরা শেনগম শানা নোংপোক চীঙলু খুমববু কাপখাই কে হায়না খোঙশালকলবগী। লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি পীরাং ইরা চেলনা লৈহৌরে হায়দবরা।

চৌশিথাবালৌশিংবনা হে য়ীমাল ইকু ইবুংঙো হুইশিথাব খুননিংথৌ-ও। নহাক্কী চিংগোই নয়াথংবু হিকথোকপা লৈতনা শামু ইখোঙনা থোংনা লাকলবনে। হায়না খাহে পাওমেল হায়রকলবদা হুইশিথাবা খুননিংথৌনা হে ইদাইরেম শেলবী লৈবাক্কী অকন অথৌ পুমনমক-ও। নখোয়গী থাঙলেন নখুৎসু খুৎদুম চেৎনা পায়না পরেং শাংনা ঙাকনা ঙাই-ও হায়খিয়ে। নিংথৌগী মদাইরেম শেলবী লৈবাক্কী অঙম, অকল অথৌ লৈবাক কোইবা মনাই পুমনমকনা চৌশিথাবা-লৌশিংববু কাকুপ মরোল মরোল সাইনা কোইনা থাঙলেল খুৎতা পায়,

চীঙলুখুমপাপু।। য়ৌরাপাতা।। হে য়ীপুঙু চীঙু নোংথৌ সরারেল।। অৱাং পাখঙ য়োইরেলপাও।। খোইমোম নাথৌচালপু য়োনতানা ললকু পীরকও।। হায়না কোরৌ মাপায়েং।। চীঙু মাতম খননা।। পুরুমখৎলাপাতা।। খোইয়ম মাপানামুংপা চীঙু সিখা কোনখৈ আতামপানা।। ৱাইরা মাতেলচা।। খামপী মইকি তেল।। পোঙকন মাকি মাখুৎসু।। লীরুং য়াইওইপা।। থাঙলেল মাখুৎসু খিংখিংখিং মীংথাপা।। কাচেং নোংথাঙ য়েকলাপা।। থাঙলেল য়াইওইপাসুঙ।। লীরী থামোইতীং।। লাকা তেলমই্ রাকনা।। ৱাই্ংসাথিল কাপনাপাপু।। কোললোই মইকি তেলনা।। থৌতু নুঙকাই চীঙ নোংপোক চীঙলুখুমপু ৱুকুল নোংলই ওইনা কাপখায়রাপাতা।। খোইমায়াই লাইরেল তাওতলপানা নুমীং খেনকারকপাপু।। সংসঙরুরুপাই।। চওসিথাপ লৌসিংপানা। পাওমেলখিয়ে।। হে য়ীমাল খুইনিয়াপ

তিমেল তাপাক পায়, গ্রানোই গ্রানা ঈশিংগী তোংবগুম পুলনা টংরববদা শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা থৌতু নুঙকাই চীঙ নোংপোক চীঙলখুমববু য়ৌরকলবদা চিঙঙু মাবু নিংশিংনা কৌরকলে "হে ইবুংঙো চীঙঙু নোংথৌ সরারেল অৱাং পাখঙ য়োইরেলবা-ও। খোইমোম নঙগী নথৌজালবু শোইবা য়োনবা লৈতনা থৌজাল পীনবীরক-ও। হায়না কোরৌ অৱাংবা মপা য়েং, চীঙঙু মাগী শকতমবু নিংশিংজদুনা খুরুমজরকলে"। খোইয়ুম মপা নামুংবা চীঙঙু সিগ্রা কোংখৈ সরারেল অতামবনা। ৱাইরা মতেলচা খামবী মৈগী তেল, পোঙকল লিরী ওইবা মখুৎশু, লিরুং য়াইওইবা, থাঙলেল মখুৎশু, খিং খিং খিং মমিং থোলনবা। কচেং নোংথাঙ অরংবগুম মীংথকপা য়েকলবা থাঙলেন য়াইওইবসু পাই। লিরি থম্মোই তিং লকা তেলমৈ লাকনা ৱাইরা শাথিল তেল কাপলকলবগী মৈগী তেলনা তেলা থাৱকলবদা, থৌদু নুঙকাই চীঙ নোংপোক চীঙলুমখুমবু উকুল নোংলে ওইনা কাপখাইরবদা মোইমায়াই লাইরেল তাওদলগা নুমিংনা খেনকাৱকপদ শংসং মীংবা উরবগী। চৌশিথাবালৌশিংবনা পাওমে [illegible] হে য়ীমাল ইবুংঙো খুইনিখাই

খুননিংথৌঅো।। থৌতু নঙকি নুঙকায়চীঙপু।। কাপখাইরাপানে।। হায়না পাওতাকলাপাতা।। হুইসিথাপ ৱাপী হায়পানা।। মাকলওরেম সেলপী চাওসিথাপ লৌসিংপা য়ীপুঙুআঅো।। নিংথৌ য়ীফমসিলনা ফমফমলারো।। সেলপী চংৱা হায়।। কাপ নুৱাতেমলারারো।। নামাল অইতী।। য়ীঙা সঙমাথইতা।। য়ীতোম য়াংকোইচাকে।। হায়না পাওমেললকপাপু।। য়ীমাল সেলপী খুনপী খুনথৌঅো।। সেলপী কাপ লংমাইতেংনা য়ীমকাপাতী নিংথৌ সনা নাফম সিলফারোই।। হায়না পাওমেল লমলাপাকা।। মোমনু তানলোয় মারুমপীপু।। য়িলতাললকলে।। ফাকমলেল আহলপীনা সাপী নঙতী নামু পোংপু খাচীকয়ে।। অইতী কারম খঙলওতাপানো কনলকলয়ে।। খোইয়ম লাইপু অোইঙামযে।। হায়না ।। ক্যাং মোলতেক থকতা।। ফমফমহাল্লাপাতা।। নুচা পুকনীঙ আনৌ খন্না।। চীনপাল কাঙমইখু।। ক্ৱা য়াচুসাইহাললাপাতা।। সেল[২৭]পী চওসিথাপ

খুলনিংথৌ -ও। থৌদু নঙগী নুঙকাই চীঙবু কাপখাইরবনে। হায়না মাৱাহে মপাও তাকলবদা। হুইশিথাবা লৈবাক ৱায়েলবা ৱাপী হায়বনা মাকলৌরেল, শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবা ইবুংঙো নঙবু লাও-ও। নিংথৌ ইফমশিলনা ইফমলেলসিদা ফমফমলরো । শেলবী অঙম অথৌশিংগা লোইননা কপো লৈপাককী ৱায়েল থৌদাররো। নমাল ঐদি ইদোম মফম অমদা ইংনা পোৎথানা লৈরুরগে। হায়না পাওমেল ৱাহে হায়রকলবা ৱাদগী । ইমাল ইবুংঙো শেলবী লৈবাক অসিগী মপু ওইনা পানফরিব-ও। শেলবী কবো লংমাই তেংনা য়াওং ইন্না লৈরবা ঐনাদি নিংথৌ সনা নফম শিনফরোইয়ে। হায়না ৱাহে মপাও হায়রমলগা। মোমনু তানলোই মরুমবী নিংথৌ মচা ইবেম্মগী মনাক তাননা সাকলে। মচা ইবেম্মা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা, মশাবীবু য়েংনা ইশাবী ইবুংঙো নহাকতি লম্নু পোংবু ওইনমগ্রে ঐদি কন্নাং খঙহৌদবনো ওনথোকনা কনলকয়ে। খোইয়ম লাইগুমনা ওইঙমযে। হায়না কিয়াং মোলতেক থকতা ফমফমহললবদা। নুজা পুকনিঙ নৌনা

লৌশিংপাতী॥ তানলোয় খেলা তোয়তাওহওপা॥ নুরা পুকনিঙ মাতুংয়িলপাপু॥ লোইতাম থাপুদি॥ লাঙহে কুমপু ৱোনলকলাপানীকিনা॥

য়োইপু নাইপেমমা মোমনু লইমা ফাকমলেল আহলপীঅো॥ লাহাল য়ীপল পলথৌকা॥ পললেম য়ীমা সাংম্যাপীকানা॥ য়ীপল সারীক লাইখলনুংতা॥ সামু খোঙপু থীননা মীকপলওয়ে॥ য়ীপল চেংলও সকব্লুনারুখিকে॥ য়োইপুনাই নঙতী সঙকাই ক্যাং কোনুংতা॥ নাতোম য়াতাঙামঅো॥ হায়না ৱাহমপাপু॥ ফাকমলেল আহলপীনা॥ সাপি॥ য়ীপুঙু তাঅো॥ কারি ৱাপু হায়পানো॥ অইসু হইনানাতুং য়ীল॥ সানা নামইৱায়কে॥ হায়না মীকপপাপু॥ সানৌ নঙপু॥ হইনা তুংয়িলহলনীঙতাপাকি নংতে॥ নাপলনা মাইপী মানুংহও॥ তীললাং নাখোয়সাঙ ৱাভাথীপাপু থোকলাকনে॥ হায়পাকিপু॥ নাসাপী অইনা ৱাহমপানে॥ হায়রাপাতা॥ লইমা ফাকমলেল আহলপীনা মাপল পলথৌ

মশাবীগী পুকনিং খঙনা চীনথাল কাঙমৈ খুহন ক্বা য়াচু শংনবা পানা খুদপ পীজরেদা। শেনবী চৌশিথাবালৌশিংবদি নিংথৌ মচা ইবেম্মা মশানৌ তালোই নুংশিবীনী মপুক্রিং য়েংনা হয়াও মথোই কানা নুরা মাগী পুক্রিং মতুং ইল, লৈরকপবু লোইদায় থাপুদি ঙনখিবনা লাংহে কুমবু ফানা শুরকলে।

মশানৌ নিংথৌগী মচাইবেম্মা মোমলু লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদা হায়রকয়ে ইশানৌ-ও। নহাল ঐনা লাকঙে অপোকপা পছৌগা, পলেম ইমা শাৎমাবী অপোকপীগনা ইপাগী সনা সংঙ্গাইনুং শামু খোঙবু মালেম লৈদা থীননা চোংনা কপহৌয়ে। ঐদি ইপল ইবুংঙোবু শকউনরুখিগে। য়োইবু ইশানৌ ইবেম্মা নঙদি সনা শঙ্গাই নুং নদোম য়াতারম-ও। হায়না হায়রকলে। মশানৌ লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা, ইশাবী ইবুংঙো তাবী-ও। করি ৱাবু কৌয়ে হায়বনো। ননাই ওইবী ঐসু ইবুংঙোগী হৈনা নভুং ইল নঙগী লোইনবী ওইজগে হায়না কপচবগু শানৌ নঙবু হৈনা ইতুং ইলহলনিঙদবা ৱাগী নংতে। সঙবু পোকপা পছৌনা মাইবী মলুংথৌ,

নিংথৌতা।। পাওমেলা...।। হে য়ীপল সেলপী লইমাপা।। পললেম য়ীমা সাংম...আ।। য়ীসাপী সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতী।। মারাল য়ী...থিকে হায়রকলে।।

নামোম অইসুঙ সাপিকী হইনা মাতুংয়িলখিরাকে।। য়ীপল কোললোই নায়াথাং লাংপল চীঙসাং খোইরেল হীকুমপাপু।। থাপীআে।। হায়না পাওমেল...চাপাপু।। মাপল পলথৌনা।। হে য়ীমোম নঙতী।। লাহাল নাপল অইনা পাওমেলপাপু ।। লৈপা নৎতাপারা।। মাকলওরেম সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাপু নিংথৌ য়ীকমসিলনা কমকমআে।। হায়পা নৎতাপারা।। য়ীমোম নঙতী হইনা মাতুংয়িলফারোই।। হায়না পাওমেলখোলকি।। ফাকমলেল আহলপীতী।। পীরেল খকমা তানা মীকপখিয়ে।। মামোমনা মীকপপাপু।। য়েংনা মাপল সেলপী খুননিংথৌসুঙ মীকপখিয়ে ।। হে সেলপী খোঙলোয় পাওহলপা নঙপু লাওআে।। মাকলওরেম সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাপু।। পাওকৌখৎলুআে।। হায়রাপাতা।।

তীসলাং মখোয় শাওনা নঙবু ৱাতাথীনা চৈবীগদয় হায়বগী হায়বনে। নশাবী ঐনা হাননা ৱাহৌবানে হায়রকলে। লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা মাপল পঙ্হৌ মপা ইবুংঙো শেলবী নিংথৌদা হায়জখিয়ে। হে পঙ্হৌ ইবুংঙো শেলবী লৈবাক মপু পললেম ইমা অপোকপী-ও। ইশাবী শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবদি মখুম মাইকৈ পাঙ্না অমুক হললগে হায়রকলে।

নমোম ওইবী ঐপু ইশাবী ইথংলেনগী হৈনা মতুং ইলজখিগে। ইপা ইবুংঙো নহাক্কী নয়াথং অশেংবা লাংবল চীঙশাং খোইরেল হিগুম থুমবা নয়াথংবু পীনবী-ও। হায়না মৱাহে মপাও কৎচববু। মপা পঙ্হৌ পোকমাবনা হে ইমোম নঙদি নহাল নাপল ঐনা হায়খিবা অদুবু কাওরববরা। মাকলৌরেল শেলবী চৌশিথাবালৌশিংব নপল নিংথৌ ঐগী ইফমশিলনা ফম ফম-ও । হায়বাবু নৎতববানে। ইমোম নঙদি হৈনা মতুং ইলনা চৎফখোই। হায়না পাওমেল খোলবু হায়রকলবগী মচা ইবেমমা লৈমা ফাকমলেল্ অহলনীদি মপী পীরাং মতুম মতুম শিঙ্দুনা কপখিয়ে। নমোম মচানুপীনা কপচরিবদো য়েংনা মপা ইবুংঙো শেলবী খুননিংথৌসু

সেলপী চৎৱা হায়পাসিংনা।। হে য়ীপুঙ্ সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাঅো।। নামাল সেলপী খুননিংথৌনা।। কারকঅো হায়য়ে।। হায়না পাওমেললাতা।।

সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতী।। মামাল য়াথংয়ীলনা।। কাখিরাপাতা।। মামাল হুইসিথাপ খুননিংথৌনা।। মাকলওরেম চওসিথাপ লৌসিংপাঅো।। নামাল অইকি নিংথৌ য়ীফমসিলনা ফমফমঅো।। হায়পা নৎতাপারা।। নামাল অইতী।। য়ীঙা সঙমাথইতা য়াংকোইচারাকে।। হায়পাপু কাতৌপা য়াওয়াতাপানো।। য়ীমোমতী হইনা নাতুংয়িলফারোই[২৯]।। হায়না পাওমেললকলাপাকি।। সেলপী চীঙখোঙ নাকতৈকি।। ক্কা হইরাল লোইনা।। সেলপী মানিংথৌতা।। খুয়া লোন হায়না।। নাপা চীকথেমননা ৱাহমখিয়ে।। হে সেলপী য়ীনিংথৌঅো লাহাল নামোমকি সামু খোঙখুল লীরকপাতা।। চুকি লমপোইপা অোইনা সালঅোন লাকপানে।। নামোম য়ীপেমমা চেংলও সককোই হেনপীতাতুম।। চীনকোয় য়াথং

কপলেদো। হে! শেলবী ঐগী খোঙলোই পাওপুবা নখোয়বু ইনাকসিদা লাও-ও। মাকলৌরেম শেলবী চৌশিথাবালৌশিংববু পাওকৌখৎলু-ও। হায়রকলবদা। শেলবী চৎৱা হায়বা পাওপুবশিংনা লাকতুনা হে! ইবুংঙো শেলবী চৌশিথাবালৌশিংব-ও। নকু ইবুংঙো শেলবী খুননিংথৌনা কারক-ও হায়য়ে। হায়না হায়ররে।

শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবদি মকু ইবুংঙোগী ময়াথংবু ইললদুনা সনা কোনুং কারকলবদা মমাল মকু ইবুংঙো হুইশিথাব খুননিংথৌনা মাকলৌরেল চৌশিথাবালৌশিংব-ও। নমাল ঐগী নিংথৌ ইফম অসি শিলনা ফমফম-ও। হায়বা নৎতবরা ? নকু ঐদি ইঙা শঙমথৈ অমদা তোপনা লৈরুরগে হায়ববু করি তৌবগী নহাক্কা য়াবা কৌবা লৈতবনো। ইমোম অসি নঙগী হৈনা নতুং ইলদুনা পুফরোই হায়না মৱাহে মপাও হায়লকলবগী। শেলবী চিঙখোঙ নাকতৈগী ক্কা হৈরাল লোই শেননজবী মনাই নুপীশিংনা শেলবী মনিংথৌগী খুয়া খাদবু নোলনা নোনজা ৱাহৈনা নাপা চীকথেমনা অরোন ৱাবু ওইনা হৌখিবা ৱাবু হনগৎচখিয়ে। হে! শেলবী ইনিংথৌ-ও। নহাল নমোমগী মারা শমু খোঙগুন লীরকঙৌদা

নীঙথিপীপু॥ পাওমেল ...ঙুআে॥ হওরেল য়ীনুং সোয়য়াইমাতা॥ নামোমপু কোরৌ নোংলেলথকতা পুনা পাইখিপাপু ৱুরওরোই হায়রাপাতো॥ সেলপী মানিংথৌনা মীকপখিয়ে॥

মাকলৌরেম চওসিথাপ লৌসিংপা॥ য়ীপুঙুতাআে॥ নামাল অইনা পাওমেলপা আসিপু॥ য়াইপী নানুং হওপীকুনো॥ য়ীমোমপু পামৃপাকি॥ মাকলওরেম নঙপু॥ নুংসিপাকিতমকপু॥ নামাল অইনা পাওমেলচাপানে ॥ হায়েং য়ীমোম আসিপু ॥ পায়মা লীলনালোমপীনে॥ য়ীমোম ৭ সেলচা তুকুমপাপু॥ চেপনা লোলপীলকতা॥ তানলোয় লুমলেল আতোলপীপু আেইরাপাসুঙ॥ ১০ চাথোংসোয়॥ য়েনলম মাথেলহৈতে॥ চইরই ফিকন হৈতে হায়তানা॥ য়াইপী নানোং হওনোংতা॥ থাঙলেল নাখুৎসুনা ঙাইখঙপীআে॥ তিলমেল নানুং চঙনা ঙাইথীপীআে॥ হায়না পাওমেলনারাপাতা॥ পললেম মমা পোকমাপী॥ হুইসিং থাপ লইমাপীনাসুঙ॥ মোমনু ফইরাতালতা থোংনা॥ মীকপখিয়ে॥

যোকি লমবোইবা ওইনা শাওনলকনা লাকপাদুনে। নমোম নচা ইবেমমা চেংলৌ শককোই হেনবীদা চীনগোই নয়াথং নিংথিববু পুকমেল পাওমেলনবীহৌরো হৌরেল অহিংন তাংলৌ লৈনা থেংলবা মতম নমোমবু কোরৌ নোংলেল থকতা পুনা পাইখিববু উহৌরারোইয়ে হায়রবদা। শেলবী লৈপাক্কী নিংথৌনা পিরাং শিনথনা কপখিয়ে।

মাকলৌরেম চৌশিথাবালৌশিংবা ইবুংঙো নহাকপু তাও। নমাল ঐনা পাওমেলবা পুন্নমক অসিবু খোইখা লিনখা থানা শাওগনুকো। ইমোম ইচা নুপীসে নুংশি পামুবগীনে। মাকলৌরেল নহাকপুসু নুংশিবগী তমকপু নমাল ঐনা পাওমেল ৱাহৈশিংসে হায়বনে। হয়েং নঙননে ঐগী ইমোম ইচানুপী অসিদি পাইমা লৌশিং থেনবী অপণ্ডবীনে, ইমোম ইচানুপীবু তরেৎ শেলচা চেৎনা থমবা অদুগুমনা নহাক্কী নুংশি পুকতিননবী লোলনবীশিংগী মরকতা তানলোই লুমলেন নুপী অতোলবীবু ওইনরবসু। তরা চাকথোং শোই। য়েনলম মথেল লুকোই লাংবা হৈতে। চৈরৈ ফিগু ফিজাম্নবা ফিকন হৈতে হায়না। য়াইবী নানোং হৌনা শাওবা নোংদা

হে য়ীমোম নঙপু লাংপল তওতারিকুমনা তোমসাৎপীনে।। লাংলেল ৱাপুম খাইকুমনা।। কারমনা খাইনাসে হায়পানো।। হায়না মীকপখিয়ে।। হে য়ীমোম নঙকি তামকপু।। কাওরেল সলৱুলকে।। তাইয়ম নাহসু মশিংপু ।। থীঙমতানা ললৱুলকে হায়পাসুঙ।। সামু খোঙনা ফাওপা নৎতে।। য়ীমোম করম তৌসিপানো।। হায়না মাপলনা চুহি হইঙালতৈ।। রালু খুৎপুনসা।। তেংনা হইয়োম তৈনা য়োমখিয়ে।। হাইতাপারা।

তমপা খুৎতোপ নীঙথিপাপু।। সামু খুৎতা পাইনা।। য়ীতুরোইনাই নঙ ১ সিনাখিও।। তমপা মখুৎতোপ ১ তী।। য়ীমোম ফাকমলেল আহলপী নঙ ১ সিনাখিও।। হায়না পীরাপাতা।। সেলপী চওসিংথাপ লৌসিংপানা।। লাংকোই মাখুৎনেৎপু পাওকৌরাপাতা।। সাকোন মানলিখাকতী।। কোরৈ নোংপুখোলনা পাইরকলে।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। লাংকোই সাপোৎ সেমনা।। মানেম মাচা নীঙথিপীকা।। ২ মাতী সীঙলেল লৈরোং লীয়েৎনাপাকুম।। মাপল হুইসিথাপ ৱাপী হায়পা কাপ

নংগী থাঙলেল নখুৎসুনা ৱারকপীয়ুদো নখুৎসু তিলমেল তানা মনুং চংনা থীলনা ৱারকপী-ও। পালেম মমা পোকমাবী হুইসিথাব লৈমাবীনা। মোমনু মচানুপীবু ফৈরা তালদাথোংনা পমনা কপখিয়ে।

হে ইমোম নঙবু, লাংবল তৌতরিগুমনা তোমশাৎনবীনে। লাংলেল ৱাপুম খাইদোকপগুম ইচাপু করমনা খাইনরশে হায়বনো হায়না তেংথানা কপলে। হে ইমোম নঙগীদমকনি হায়না কাওরেল শল ললউলগে তাইয়ম নাইসু মশিং থিঙমদনা ললউনগে হায়রবসু শামু খোঙনা ফাওনবা নৎতে। ইমোম করম তৌশিগবনো। হায়দনা মমানা চুহি হৈঙালতৈ। লালু খুৎপুনশা তেংনা হৈয়োম তৈনা য়োমবিখিয়ে হায়দবরা।

তন্ফা খুৎদোপ নিঙথিববু শামু খুৎতা পাইনা ইদুলোইনাই ইয়া নঙ ১ শিনাখি-ও। তন্ফা খুৎদোপ ১দি ইমোম ফাকমলেল্ অহলবী নহাকনা ১ শিনাখি-ও। হায়না পীরবদা। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা, লাংকোই মখুৎনেৎপু পাওকৌরকলবদা মাগী লাংগোই শগোল মানলিখাক কৌবদি

লইমাপীকাপু।। মাললেম লইতা পকনা পুরুমলাপাকা।। চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাতী। লাংকোই[৩১] সায়াঙ থকতা।। তোংখৎলাপাকা।। মাপাল হুইসিথাপ খুননিংথৌ।। পললেম মমা সেলপী লইমাপীসুঙ।। মাললেম লইতাআেননা মীকপলে।। হে পেমমা নঙপু।। সেলপী লম আথাপপা।। কাতাইৱাইতা নাতোম য়াংকোইরুকে হায়পানো।। নাপল চেংলও সকৱুতা।। পললেম নামা অইপু পুনুং লেপখঙলারোই।। হায়তাপারা।। হায়না লাংকোই সায়াঙথককি।। সামু খুৎনালাম থীকলেল থাকাফু।। মালেম খোঙপুথীন।। মামোম চেংলৌ সকতোং য়েংনা।। মীকপখি হায়তাপারা।।

কোরৌ নোংবু খোলনা পাইরকলে, চৌশিথাবালৌশিংবনা লাংকোই শাপোৎশেমনা। মশানৌ মনেম মচা নিঙথিবীগা অনিমকতি, শিঙলেল লৈরাংনা লিয়েংনবগুমনা লিপকনা হুইশিথাব ৱাবী হায়বা কবো লৈমাপী অনিমকপু মালেম লৈদা পকনা খুরুমজরমলে। চৌশিথাবা ফাকমলেল্ ২ মকতি, লাংগোই শাগোল শায়াঙ থকতা তোংখৎলবদা। পছৌ মপা ইবুংঙো হুইশিথাবা খুননিংথৌ পলেম মমা পোকমাবী শেলবী লৈমাবী, মালেম লৈদা ওননপু কপনা, তেংথানখিয়ে, হে ইমোম পেমমা নঙবু শেলবী লমদমদগী অথাপপা কদাইৱাইদা নদোম য়াংগোই ঐখোইবু থাদোক্লা চৎলগে হায়বনোনে নপা পছৌ পোকমাবগী চেংলৌ শকসু অমুক হন্‌না উনদা পলেম নমা ঐপু অমুক হলনা নিংশিংলরোই হায়না খনজাবরনে হায়খিদবরা। অদুম্না লাংগোই শায়াঙ মথককি মমোমবু য়েং শামু খুৎপু তিংনা লাম থীকলেন থাকা ফুরাদুনা মালেম লৈদা খোঙবু থীনচোংনা মমোমগী চেংলৌ শকফম য়েংনা য়েংন কপনা কপনা মালেম লৈদা লৈহৌরে হায়নদবরা।

চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মানা।। সামু মাখুৎ লোলনা।। পুরুমলমলাপাকা।। লাংকোই মানলিখাঙ আপাইপাতী।। সাকোন খোঙকাও কননা।। হুইসিথাপ সনা কোলনুংলেলকি।। প্রাননাসি মারইপাকতালনা।। পাইরকলাপাকি।। মাপলনা য়াওৱা খোনচেল চাওনা মীকপ লওয়ে হায়তাপারা।। নুচা নীঙথিপীসুঙ।। কোরৌ নোংলেলথকতা পীরেল খকমাতানা।। মাপল পললেম মমাকি তামকপু।। সীঙলেল মানীঙকমপু লৈতাখি হায়য়ে।। লাংকোই মানলিখাকতী।। কোরৌ নোংপুখোল।। লইচিলঙমননা মানলং চইরই রোইনাপানিকীনা।। মোমনু লইমা ফাকমলেল আহলপীতী।। মানলং নোংহুম[৩২] লাংতাপীকি।। থুমনাও হেসোননীক।। য়েনাও তুকুমপাপু নইহে চললকলাপাকি।। হে সাপীআে।। লাংকোই নাখুৎনেংপু থৌখামপীআে।। হায়চারকপাপু।।

মরিশুবা মতাঙ তাংকক্
নিংথৌ মচা অৱাঙবা তাবা

চৌশিথাবা ফাকমলেল্ ২মকতি শামু মখুৎ লোলনা পুরুমজরমলবগা, লাংগোই শাগোল আপাইবদি শাগোল খোঙকাও কলনা। হুইশিথাব সনা কোলনুং লেনদগী প্রাননাসি মরৈপাক লমদম মাইকৈ তালনা চৎকদবগী য়েংলকলবদা পঙ্গৌ মপা অপোকপনা য়াওৱা খোনজেন থোক্লা কপলকলে হায়নদবরনে। মমোম নুজা নিঙথিবীসু কোরৌ নোংলেন থকতা পিরাং মপী শিনথনা মপা মমা অনিমক্কীদমকপু নুপীজাগী তুংদা থেৎনা চিনজবা শিংঙেল লৈরাং মালেম লৈদা তাখিয়ে। লাংগোই মানলিখাক কৌবদি কোরৌ নোংপু খোলনা লৈচিল থকতা নেৎনা মালং নুংশিং চৈরোইননা শাথৌনা মালং খোঙকাও কজলবগী মোমনু লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি মালং নোংহুম নুংশিংলাংদবী ওইবদগী মতুমমাল চুঙ মীপাইনা হয়াং অনপগী ক্রা, মশা নিকনা মকোক ওাওনা শদৌ থোংনকলবগী হে ইশাইবো। লাংগোই নখুৎনেং অসিবু অমুক্তা খামবীবিও। হায়জরিও।

মাসাপী চওসিথাপ লৌসিংপানা।। সাপী লাংকোই য়ীখুনেৎঅো।। সানৌ ফাকমলেল আহলপীপু।। থুমনাও হেসোন নীকলকলে।। লাংকোই পোৎথাপীঅো।। হায়না পাওমেলপাপু। সাকোন মানলিখাকনা।। সানৌঅো।। লমলেন মাতাইমা আসিৱাইতী।। আৱা পঙনা পোৎথাফারোই।। য়িংথানা লাই হিংচা মাপুঙমায়াইনে।। অসুমনা হায়নরিঙইতা।। ফাকমলেল আহলপীতী পাইমা মানিংসাখম।। তীলপাল খোকমই নেমখিরাপাকি।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। সানৌকি প্রান থাৱাই চুপলাপাপু।। সারেল য়েৎনাকোলনা।। সাপি লাংকোই য়ীখুনেৎঅো।। কাতৌপানো।। খোইয়ম লাইহিংচা মাখুৎপাকতা নোংমললাপাসুঙ।। সানৌকি তামকনে।। খোইমা য়ীমাইৱোনলোই।। হায়না পাওমেলপাকিতমক।।

মশাবী চৌশিথাবলৌশিংবনা। ইয়াম্বা শাবী ইবুংঙো লাংগোই ইখুৎনেৎ-ও। ইশানৌ ফাকমলেল্ অহলবী অসিবু থুমনাও হেশোন নিকলকনা মতুংচুং মকোক ঙাওরে। লাংগোই ঙহাক পোৎথোক পোৎথাবী-ও। হায়না পাওমেলনা হায়জববু। লাংগোই শাগোল মানলিখাকনা ইশানৌ ইনাও ইবুংঙো-ও। লমলেন লমদম মফম অসিৱাইদি অৱা পঙনা পোৎথাবা য়াবা মফম নৎতে লৈপাক অসিদা হৈনদুনা পালনা লৈবা য়িংথানা লাই হিংচাবশিংগী লৈফম লৈবাক হমখৈনে। মখোয়না পালিবা মফমনে। অসুমনা হায়রিঙৈদা ফাকমলেল্ অহলবীদি পাইমা মনিংশা লেপাখিবগুম তীনপাল খোকমৈ নেমখিবনা মশা পুমবা লেকখরকলে। চৌশিথাবালৌশিংবনা, মশানৌগী য়াইবী মথাৱাই মাংলবগুম্ববু শারেল য়েৎলম কোলখৎনা লাংগোই ইখুনেৎ-ও। করি তৌই হায়বনো। খোইয়ম লাই হিংচাবশিংগী মখুপাকতা তাদুনা য়াইবী থৱাইসি মাংলবসু ইশানৌ মহাক্কীদমকনে ইমাই ওননা অমুক হনখৱোই । হায়না য়াৱা মপাও খোনজেল থোকনা হায়রকলে।

লাংকোই মানলিখাঙসুঙ।। য়িংথানা মাপুঙ য়াইতা ৱাইথুংলে হায়য়ে।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। মাসানৌ ফাকমলেল আহলপীপু।। ফইরাতালতা থোংনা মীকপখিয়ে।। সানৌ নঙপু য়াইথোঙ সীরমলেলকিপু।। নারাল আনতেরকআো[৩৩]।। সাৱা মীখুরোলকিপু।। নাচেঙ হলৱাইরকআো।। হায়না মাসানৌ আমলপীপু।। তেংথাননা মীকপচাপাপু।। লাইহিংচা থীঙমতাপানা।। নাতারাপাকি।। ৱাহমনাখিয়ে।।

অসি কোরৌ নুমিৎমা আসিতা।। নামু পোংপুমসুঙ ২ নে।। লাংকোই সাকোনসুঙ ১নে।। খোইয়ম য়ীখোয়কি য়ীপুক থলঙইনে।। হায়না পাওমেলনাপাপু লাংকোই মানলিখাকনা।। নাতারাপাকি।। সানৌ চওসিথাপ লৌসিংপা নঙতী।। নাসানৌপু তোইনাঙামআো।। নাসাপী অইতী।। খোইয়ম লাইহিংচাপু।। ঙাকলুকে।।

লাংগোই মানলিখাঙ কৌবসু য়িংথানা কৌবা লাই হিংচাবনা পানবা লৈপাক্কী মফম অমদা থুংলরে হায়য়ে। চৌশিথাবালৌশিংবনা মশানৌ ফাকমলেল্ অহলবীবু মতমবাকতা পমলদুনা কপখিয়ে। ইশানৌ নঙবু অশি লমলেনদগীবু তাইবং মীরমলেলবু নিংশিংনা নমাই ওননা হনলকলো। নহাকচাং অসিবু নমু মীরক তিনমীন্নবা য়াইবী নথাৱাইদো হনলকখো-ও। হায়না লোইনবী মশানৌ নিংশা হোনদ্রবীগুম্না তারবীবু কৌনা কৌনা তেংথাননা মীকপ খোলবু লাইহিংচাবা মশিং থিবা ঙমদবশিং মনাদা তাবা ফংলবগী মখোয় মশেল হায়নখিয়ে।

ঙসি কোরৌ নুমিৎ অসিদি নমু পোং মীওই ২ মানে, লাংগোই শাগোলসু অমানে। অহুম অসিদি খোইয়ম ঐখোয়গী ইপুক থলনরনি হায়না হিংচাবা মশেল রাঙাংলবদু লাংগোই মানলিখাকনা [illegible] তাবা ফংলবগী মশানৌ চৌশিথাবালৌশিং[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাইকনরম-ও। নশাবী ঐনি খোইয়ম [illegible] [illegible] [illegible]

আসি কোরৌমাতী।। নাসাপি অইকী খুৎচারী মীতম পাইরাপাতী।। লাইহিংচা মাখুৎপাকতা নোংমলঙইনে।। লাংকোই সামু মাখুতোলনা কাওকা কাও য়ারেনখোংচি তোলনা।। চীককা চীকনা হুয়েল লালসোকনারুকে।। সানৌ নঙসুঙ।। ন।। খমনুং লাংবোনপা।। সাবাপলকেলপারমকিপু।। মাচেঙ হলবাইরকঅো।। রামনন্দী থোইখাইপাকি।। মন্ত্র আরুপাপু।। তাঙচা লৈতোল থলনা সোনচাঅো।। হায়রমলাপাকা।। লাই হিংচা গীঙমতাপাতা লাংকোই মানলিখাক আথৌপাকা।। হুয়েল লালসোকনারে।। লাংকোই মাখোঙতোলনা।। কাওকা কাও।। য়ারেন খোংচি তোলনা চীককা চীকনা।। নোংমলহালাপাতা।। লাই হিংচা মানিংথৌকা।। হুয়েল ১রক লালসোকনারে।।[৩৫]

ঙসি নুমিৎ অসিদি নয়াম্বা নশাবী ঐসু ঐগী য়াচনরিবা খুৎরচি মীতম অসিবু মখোয়না ২ংনা পাইখরবদি নয়াম্বসু লাইহিংচাশিংগী মখুৎপাকতা শোইদনা শির্গনি। অদুবু লাংগোই ঐগী শামু খোংশিংসিনা কাওনা কাওনা য়ারেল খোংজিতোল অসিনা চিকপু চিকতুনা হুয়েল লালবু লালশোকনাকরগে। অদুগা শানৌ ইবুংঙো নঙসু নশানৌগী খমনুং অশি লাংওনবা অশি লম্বী লমদা য়েংদনা খোংথাংলকলবা য়াইবী থাবাই চেংজেলদুবু হলবাইরকনবা রামগী মীংলেল অথোইবা। মন্ত্র আরু অহকপা তাঙজা লৈতোলদা তংতনা শোনজৌ-ও। হায়রমলবগা। লাইহিংচা মশিং থিবা ঙমদবশিংগা লাংগোই শগোল মানলিখাক অথৌপাগা হুয়েল লালবু লালশোকনরকলে লাংগোই মখোংতোলনা কাওগা কাওয়ে য়ারেল খোংচিতোলনা চিককা চিকনা লাই হিংচাপুমবাবু হাংলকলবদা। লাইহিংচাশিংগী নিংথৌগা, হুয়েল লালবু ১রক হলনা লাল কননা শোকনরে।

চওসিথাপ লৌসিংপানা সাপী লাংকোই নঙকি খুৎচারিপু পাইহালকুনো।। হায়না পাওমেলপাপু।। লাই হিংচা মানিংথৌনা নাতারাপাকি।। অইতী খোইয়মপু খচীকয়ে।। লাংকোই সাকোন আপাইসানে হায়রপাকা লালসোক মাখৈ লৈতানা সোকনাপাতা।। খোইয়ম লাইহিংচানা ঙমলাপাকি।। সাকোন খুৎচারীলাকনা।। চিংচীলখিরে।। হায়য়ে।।

পোঙকন লীরুং মাখুৎসুঙ।। থাঙলেল মাখুৎসুপুসুঙ।। লোকখিরে।। লাংকোই আপাইপাসুঙ।। তেৎনৌ য়োৎসুমনুংতা সুমসিললে।। হায়তাপরা।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতী।। কোরৌ থোইনা য়েং ৱাঙপল পাংনা য়েংনা খোইমোম কোরৌ য়ীনোংথৌপু লৈতারাপারা।। চীঙু ৱাংপা য়ী কাসাপু হাঙলাপারা।। হায়না আসুম মীকপপাপু।।

চৌশিথাবালৌশিংবনা, শাবী ইয়াম্বা ইবুংঙো লাংগোই নংগী খুৎচারিবু কৈদৌনুংদা পাইহনগনো হায়না পাওমেন খোলবু লাই হিংচাবশিংগী নিংথৌনা নাদা তারবগী ঐদি খোইয়মলাই তাথিয়ে য়েকনৈয়ে লাংগোই শাগোন অপাইবনে হায়রবগা। লালশোক মখৈ লৈতনা লালপু কলনা শোকনরকলবদা। খোইয়ম লাইহিংচাবনা লাকশিনলকতুনা শগোন মাগী খুৎচারিলাকনা চিংশিনখিরে। হায়য়ে।

মদুদসু নৎতনা পোংকন লিরং মখুৎসু থাঙলেন মখুৎসুবু সুঙ য়াওনা চেলনাখিদুনা লাংগোই শগোলসু ফানা লোকখ্রে। লাংগোই অপাইবদি হিংচাবগী লৈবাক্তা তেৎনৌ য়োৎকী শরং মনুংদা শোজাও লোননা থমজিনখ্রে হায়নদবরা। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবদি কোরৌ থোইনা য়েং ৱাঙপল অৱাংবা পাংনা য়েংনা খোইমোম কোরৌ ইনিংথৌ লৈতরবা, চীঙঙু অৱাংবা ইপা কশা অপোকপা নহাকপু খোইয়ুম নহাককী নফমদা ৱায়েল থৌদা তৌদনা হাঙলবরা হায়নদুম মদোম ৱাওইজনা পুকনিং নুংশিনা কপচখি।

চীঙু নোংথৌ ·ৱারেলনা মীৎয়েং সানখৈরাপাকি।। খোইমোম মাথৌচালনা।। ··কমলেল আহলপীতী।। পায়মা নিংসা সৎহোলননা।। থমনুং সৱারমাথোঙচীনকি হলৱাইরকলে হায়তাপারা।।

ফাকমলেল আহ··পীনা।। সাপী নিংথৌ মাচা নীঙথিপা য়ীপুংঙু তা·ো।। লাংকোই নাখুনেৎতী কাতাইনো।। হায়না পাওহংপাপু।। ·োয় সানৌঅো।। লাংকোই য়ীখুনেৎতী।। লাইহিংচা মানিংথৌনা ফাখিয়ে।। থাঙলেল য়াইঅোইপা।। পোঙক্ন লীরুং গীখুৎসু·· লোকখিরে।। হায়না পাওতাকলাপাতা।। ফাকমলেল লৌসিংপীনা।। হে য়ীপুং মানাইঅো।। সাপি লাংকোই আপাইপাপু।। লৈতারাপাতী।। লাললোই মীঙাথোক।। সারেল মীসুংলাংপু অোইনা।। কারম নোংমলসীপানো।। পোলপী চীনৱোকনা।। চেকলা তুকুমপাপু।। চীনতীলননা মীকপনখিয়ে।।

চীঙঙু নোংথৌ সৱারেলনা মিৎয়েং শানখৈনা উরবগী খোইমোম মাগী মথৌজালনা ফাকমলেল্ আহলবীগী পাইমা নিংশা শৎহোলনা খমনুং অশি মথোংজিনদগী অমুক হল্লকলে হায়দবরানে।

লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা, শাবী ইবুংঙো নিংথৌমচাদি নিঙথীবা ইবুংঙো তাবী-ও। লাংগোই নখুৎনেৎতি কদাইনো। হায়না ৱাহংজববু। হোই! ইশানৌ-ও। লাংগোই ঐগী শাগোল ইখুৎনেৎতি লাই হিংচাবশিংগী নিংথৌনা ফানা পুখরে। থাঙলেন য়াইওইবগা পোঙগন লিরুং ইখুৎসু য়াওনা পুম্নমকপু লোকখিরে। হায়না পাওবু তাকলকলবদা মশানৌ লৈমা ফাকমলেন লৌশিংবীনা। হে! ইবুংঙো-ও। ননাই ওইবী, ঐখোয় অনিমদি শাবী লাংগোই শগোল অপাইববু লৈতরবদি লানমীশিংগী লানফা, শাদানবশিংগী খুপাকতা তারবা, লাংদা থুরবা শারেল শাগুমনা য়েকনবাশিংগী লানফা ওইনা করম হায়নবু শিরশি হায়বনো। মাইগা মাইগা ওনশিননা পাইপা ঙমদ্রবা চেকলা চাগুম্না পাওমেন্নরদুনা কপমীন্নখিয়ে।

চওসিথাপ লৌসিংপানা সানৌআে। লাইচা য়ীরোঙ ৯ তিলপা।। লইঙোই সেকচাইথক আসীতা।। পাঙল সাঙকুলীকতমপা খাকি মানিক ললআেনপাপু ঙাইখমলুসে।। খুৎচেং হংচি ৱাইনা।। চৎখিপাপু।। নুচা খুতোল নাহাইতাপীনিকিনা।। খুয়া কুরোলহুনা।। য়ীমু ফিরাকসারে।। আৱা মাখৈ লৈতানা।। লালনংপা নঙপু।। মোমনু নাসানৌ অইতী।। থাঙলেল য়ীখুৎসুনা।। ৱুলপী চাফম লেংনা নোংমললাকে।। নাসানৌ অইপু।। থাঙয়ি লইরোলচল।। য়ামচেং লইকুপ সীপাপু।। মাসী ফাপীরমআে।। লোইপী ক্বাক আমুপানা।। চেকলা থাঙচী য়াতোই চেলনা পামমেল ৱুফৈথকতা তোংনা পাওতোইপাপু সোংকি।। হায়না পাওমেলচাপাপু।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। য়োইপুনাই পেমমা য়ীমাআে।। মোমনু চীনকোয় নায়াথাং আসীবু নাতাপাতী।। নাথংলেল অইসুঙ।।

চৌশিথাবালৌশিংবনা ইশানৌ-ও। লাইজা ঈরোঙ ৯ না তিলশিনবা, লৈঙোই শেকচাই মথক অসিদা। পাঙল লৈপাক খুদিং কোইনা চৎতুনা শেলতাল পোৎয়োনবা খাকি মনিক ললওনবশিং ঙাইনা খাঙদুনা মখোয়বু খামলুসে। হায়না মশানৌগী খুদাং খুচেং পাইনা, শমনা চৎলকপবু নোংমতা নুঙগাই লৈতংগাই চৎলকতবী ওইবনা নুজা খুয়া কুরোল হুদোকনা ঈনা অতৎপা লৈতা তারকলে। শাবী ইবুংঙো নুজা ইশুংলাংগীদমকপু অৱা মখৈ লৈতনা লালনংলবা নহাকপু। মোমনু নুজা ওইবী খাংঙমদে। নশানৌ ঐদি থাঙলেল ইখুৎসুসিনা উলবী চফম লেংনা ইদোম শিজরগে। নশানৌ ঐবু থাংয়ি লৈবাক নৈরোল চলনা, য়ামজেং লৈকুপ শিনা মালেম লৈদা নিংথিনা ফুমজিনবীরম-ও। লোইবী ক্বাক অমুবা, চেক্লা চিনদা শাহিং শাদুম চেলনা পামেল উফৈথকতা তোংনা খোংনবাদো থোইনা হেন্না কীরে। হায়না পাওমেনজববু। চৌশিথাব লৌশিংবা নিংথৌ মচা ইবেম্মা-ও। মোমনু নঙগী নৱাহৈ নপাও নুংশিবা, নয়াথং ৱাহৈ অসি তাবদি। নথংলেন ঐসু।

থাঙলেল খুৎসুনা॥ ৱুলপী চাফম থীৎনা নোংমললাকে॥ নুচা চীনকোয় নায়াথাং নুংসিপানা॥ থামোই আথী[৩৬]পাতা॥ তীলমেল তাপালপাকুময়ে॥ সানৌঅো॥ লইহোম য়ীরৈতাপাতা॥ য়াংকোইপা ঙাকুমলে॥ আমল খোঙৱাইকুমলাপাসুঙ য়ীপী ঙা কুমমানসে॥ মাসানৌ লাইচা য়ীথোন লৈকুমপীপু॥ চইরই নাহোংসা॥ মাললও থুপকিনানা॥ লইঙোই সেকচাই য়ীরোঙপু য়ীলতালখিয়ে॥ লাইচা তুরইপালকি॥ পামমেল ৱুখোঙখাতা॥ ৱাইথুংলুলে॥ হায়রাপাকা॥ চওসিথাপ লৌসিংপাকি চইরই মায়িলফীপু॥ পামমেল ৱুতোলথকতা॥ ফিরাল লমহাইনাইনা য়াললুরে। হায়তাপারা॥

চওসিথাপ লৌসিংপাতী॥ মাসানৌ ফাকমলেল আহলপীকা॥ ১০ চাপুমমাপু হুকতা॥ কাঙপী য়োমলোয়হও॥ পামেল ৱুনা মায়থানা॥ পালপোম ঙৈখাঙননা॥ য়াওরও সামাসুং মালকুম॥ য়াংকোইখিয়ে হায়য়ে॥ লাহাল নোংকি

থাঙলেন ইখুৎসু অসি উলবী চফম থিনজ হানদুম শিরগে। নুজা নঙ্গী চীনকোই নপাও অশেংবা নুংশিবনা থম্মোইসিদা খাঙঙমদবনা অথৌবা তীলমেল তানা পালগুমলে ইশানৌ-ও। মালেম লৈহোম পাৎতা চৎপা ঙাগুমলে। অমল খোঙৱাইনা শিবা তারবসু পুননা থৱাই থানা শিমীন্নশে । মশানৌ, লাইজা ইনৌ কাপা ইথোংদা চেনথবা অরুনা ঈশিংগুম লৈরাং লৈনাগুমথোৎপীবু চৈরৈ নাহোংশা মাললৌ থুপনা কিনা লৈঙোই সেকচাই ঈরেনপু তমনা খোংশাল্লকলে। লাইজা তোরৈ ফংবা মফমগী, পামমেল উখোঙ মখাদা থুংলুরে, মফমদু য়ৌরবদা চৌশিথাবালৌশিংবগী চৈরৈ ময়িলফিবু পামমেল উতোল মথকতা ফিরাল লমহাই ওইনা য়ানলুরে হায়দবরা।

চৌশিথাবালৌশিংবদি মশানৌ ফাকমলেল্ আহলবীগা ১০ চাক মরু মতা চাবা ফংদনা কাঙ্বী কাঙ্জাও য়োমনা চিক, পামেল উমনানা ফমুং শেম পামবোমদা মোলবু শানা খাঙহন,

মামাল হুইসিথাপ খুননিংথৌনা।। চুহী হইঙালতৈ।। রারু খুৎপুনসানা।। তেংনা হইয়োম সাপীরকপাপু।। ১০ চা অোইনারে।। য়োইমা য়াই তাওতলপাসুঙ।। নুমিৎ চীঙয়াপক।। আমমসেফা নীককে।। তৌকুমলাপাকি।। চওসিথাপা লৌসিংপা।। ৱাহমখিয়ে।। য়োইপু নাইপেমমা য়ীমা নীঙথিপীঅো।। নঙপু নাপলকি।। সঙকাই কিয়োঙ নীঙথিপাতা।। মানলং নোংসীৎলাংতা।। ক্যাং[৩৭] মোলতেক থকতা।। সীনৌ লাসিংতীনকুম নাতোম য়াতাপীনে।। মোমনু অইপু কারিকি।। পাওথেমলাপানো।। হায়না নুচা পুকনীঙ ৱারওপীকুনো।। হায়না ফইরা তালতা থোংনা মীকপখিয়ে।।

খোইমোম কোরৌ য়ীনোংথৌপু লৈতারা পারা।। চীঙু ৱাংপা য়ীকাসাপু হাঙলাপারা।। হায়না চেকলা তুকুমপাপু।। পোঙচীন তুহাওরিংনা।। কোরৌনোংলেল থকতা পাইপা চেকপু অোইনা।। কারম পাইফাতাপানো কনলকয়ে।। হায়না

লমলকতা য়াতানা অহিং য়ারেকমীন্নবা য়ারৌ শাগী পানদমগুমনা লেনমিন্নখিয়ে। নহাল নোং মমাল নিংথৌ হুইশিথাব খুনিংথৌনা চুহি হৈঙাল তৈনা লালু খুৎপুমশানা তেংনা হৈয়োম শানা হাপনা পীবকপবু ১০ চাকপু ওইনরেদা। য়োইমায়াই নুমিৎ তাওদলবসু নুমিৎ চীঙয়া পকনা অমমবা কুয়োম খোকলগে তৌরকলবগী চৌশিথাবালৌশিংবনা ৱাহায়রকখিয়ে। য়োইবু নিংথৌ মচানুপী ইবেমমা নুজা ওইবী নিঙথিবী-ও। নঙবু নপা পঙ্গৌগী সনা শঙ্গাই কিয়োঙ ফুরা নিঙথিবদা মানলং নুংশিৎ লাংহনদা কিয়াং মোলতেক থকতা শিনৌ লশিং তীনগুমনা নদোম য়াতারকপীনিনে। মোমনু নুজা নিংথীবী নঙবু করিগীদমক পাওথেমনা পুরকপনো হায়না নুজা পুক্নিঙ ৱারৌবীগনো হায়রদনা ফৈরা তালদা থোংনা পমনা কপখিয়ে।

খোইমোম কোরৌ মপু, তাইবংশেমবা মপু নংবু লৈতবরা ? চীঙগু ৱাংপা তাইবং পোকপা নঙগী নফম হাঙলবরা হায়না চেক্লা চাগী পানদমগুম চেক্লা শঙ্গুলকতগী নাইতোম তাহৌরবা চেক্লচাগুম মতু ইপোন পোননা পাইঙমদা চেক্লা চাগুমলে। কোরৌ নোংদোল থকতা

পামমেল ৱুখোঙখাতা।। পোলপী তুকুমপাপু চীনৱোকনানা। মীকপলিঙইতা।। পাঙল সাঙপো ললঅোনপা।। খাকি মানিক হাইচাআ অোইথিপা।। তিংকা খাপক হোললকপানা।। আসাইঙইকি।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপানা চইরই মায়িলফিনা।। পামেল ৱাতোল থকতা।। ফীরাল লমহায়নাইনা।। ঙৌনা য়াললুপা আতুপু।। লাপনা মীৎয়েং তেলপাললাপাকি।। হে সেললোই য়ীপাতাওসিংঅো।। চইরই ফীবাল লমহাই নাইপা আসিপু।। কানানো।। লাইচা আসমপা।। প্রাননাসি লইপাক ফাওনা পানরিকাপা খঙঙমতে।। হায়না চইরই ফীঙৌ মাপা য়েংনা।। ৱাকয়ই হোলচিললাপাকি। পামেল ৱুখোঙখাপু নকচিললকলাপাকি।। চওসিথাপ ফাকমলেল[৩৮] ২ মানা।। নুংসি পাওমনাপাপু। মানলং নোংহুম পাওকুমনা নাতারাপাকি।। হে পাথৌসা।। নামু মীনিল খোলপু নাতাপাকুময়ে।। লাইচা

কোইনা পাইবা চেক্লা চা ফাওবাগী পালদম ওইঙমদ, মশা খপনা পাইরিবাশিংদগী কয়াদ অসুক তোনলিবা, চেক্লা চাগুম্না করিগী পাইঙমদবা কলকইদা। করমনা চৎঙমদবনো হায়না পামেল উখোঙ খাদুদা পোলবী উচেকগুমনা চীনওকননা কপলিঙৈদা লৈপাক খুদিং কোইনা চৎনা ললওনবা। খাগী মানিক মচা ওইজা ওইথক থিবা হিদিংগাশিংনা হি খাপক লাক্লা, হোল্লকপনা ঙসাইঙইদগী শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা চৈরৈ ময়িল ফিনা পামেল উতোল থকতা ফীরাল শান। ঙৌনা য়ানলিবা অদুবু লাপনা মীৎনা, হেক য়েংলূবদা উরবগী হে মরুপ খোংলোই চানবশিং-ও। চৈরৈ ফিরাল থেৎনা লমহাইবা আসিবু কনানো লাইজা ঈশিং ইপাক্কী হিরাননিংবা অসমবা খঙবা প্রাননাসি লৈপাক ফাওন চৎথোক চৎশিন তৌবশিংলা খঙঙমদে । হায়না চৈরৈ ফিরাল অঙৌবা মপায়েংনা ৱাকয়ৈ হিবু হোলজিল্লকলে। পামেল উখোং খাদা নকশিললকলবগী চৌশিথাবা ফাকমলেল্ অনিমকনা অমৎতা ওইবা নুংশি খোনথোক্লা, অমগা অমগা অমৎতা ওইনা পুক্লিং পীনা নুংশিনা ৱারি শাববু মালং নুংশিৎনা হুমনা পুরকপা পাওগুম নাসোননা তাবা ফংলবগী,

আসমপা মাহাকপু অোইরাপোই॥ হায়না পাওমেলনাপাপু॥ চওসিথাপা লৌসিংপানা॥ ব্বাকয়ই হিখোল তারাপাকি॥ য়াওব্বা খোনচেল লাওনা॥ হে পাথৌ পাংঙল সাঙপো লীকতমপা॥ খাকি মানিক ললব্বোনপা॥ নিংথৌ কানাকি সনা মারইপাকতা॥ সনা চাংকাতম॥ লুপা খলকাব্বোননা হৈচা আ অোইকা তাইরম থিরুকে হায়পানো॥ হায়না পাওহংপাপু॥ তিংকা থাপক ব্বোলপানা পাওখুমলকয়ে॥ খোইমা নারোলনুং॥ পামমেল ব্বুখোঙখাতা॥ পাওহংপা নঙপু॥ কানানো॥ খোইয়ম লাইরা নামু পোংলা॥ পসুসারা॥ সেলপী মীরইচা কানানো॥ থোকলকঅো॥ হায়না পাওলকলাপাকি॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ পাওখুমখিয়ে॥ অইতী॥ প্রাননাসি॥ খুননিংথৌকি মাপারি সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাঅো তৌনা কৌয়ে॥ হায়না পাওতাকলাপাতা॥ পাংঙল সাঙপো য়ীতমপাসিংনা॥

হে! পাথৌ মরুপলোই পুম্নমক নামু মীনিল খোলবু তাবা ফংবাগুমই। লাইজা অশমপা হিরাননিংবা কনাগুম্বা ওইবরা হায়না পাওহল্লকপবু। চৌশিথাবালৌশিংবনা ব্রাকয়ে হিখোল তারবগী, য়াওবা খোনজেল হৌনা লাওনা হে পাথৌ লৈপাক কোইনা চৎনা শেলতানবা থাগি মনিক ললওনপা, নিংথৌ কানাগী সনা মরৈপাকতা য়ৌনা সনা চাংগাতম লুপা খলগা ওননা, য়োনথোক য়োনশিন, লৈথোক লৈশিন, ওইজা, ওইথক থিরুগে হায়বনো হায়না পাওহংববু। তিংগা থাবকলাকনা হোলবানা পাওখুমলকয়ে। খোইমা অশোংবা, মোংশোং মনুং পামেল উখোঙ মথাদা পাওহংবা নহাকপু কনানো। খোইয়ম লাইরা? নমু পোং মীওইবারা, শারানে, নত্রে হায়রগা শেলবী লৈবাকী মীরা কনানো নহাকপো? থোকলক-ও। হায়না মরাহে পাও হনলকলবগী চৌশিথাব লৌশিংবনা পাওখুমখিয়ে। ঐদি প্রাননাশি খুননিংথৌগী মপারি শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবা-ও হায়না মীং কৌয়ে।

পাওমেলখিয়ে।। য়ীখোইসুঙ প্রাননাসি মাপুঙয়াইতা সনা চাংকা তম লুপা খলকা ৱোনখে হায়না লারকয়ে ।। পাওতাকলাপাতা।। তৌয়িকিতী।। অইসুঙ সানৌ ফাকমলেল অহলপীকা।।[৩১] য়ীপীঙা ৱাকয়ই হী তাংচেমকে।। তোংচেং নাহিমলতী।। হায়েং য়ীপল সনা মাখোঙখাতা।। ৱাইথুংলুরাপাকা।। সনা য়ীরেপ তমপাপু।। য়োনতানা তমপীকে।। হায়না অসুমনা ৱাহমপাপু।। পাঙল সাঙপো য়ীতমপানা।। হে চওসিথাপ লৌসিংপা য়ীপুঙুতাও।। সনানারেপ তমপীতারাপাসুঙ।। কাতৌকাপানো।। ৱাকয়ই হিতাংকে হায়রাপাসুঙ।। প্রাননাসি নাপুঙয়াইতা।। কোনলোয় য়ীখোইকি য়ীমিং থমনমকে।। লাললোই খোইরেন পুঙনে।। হায়না ৱাকয়ই হিতোংহললাপাতা।। চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাতী তিংকা হিয়াইনুংতা ।। ফমফমলাপাতা।। পেরেসানাই খোং।। ৱাংলেল পুঙখৎতৈ।। কাঙক্র লৈনুংসি।। চাৱাচন্দন

হায়না খুমলকলে। লৈপাক কোইনা লললোনবাশিংনা পাওখুমলকখিয়ে। ঐখোয়সু প্রাননাশি লৈবাকতা, সনা চাংগা তম, লুপা খলগা ওলনা ললওনগে হায়বগী লাকইবনে হায়রক্লে। অদু ওইরবদি ঐগা লোয়ননা ঐগী ইশানৌ ফাকমলেল্ অহলবীগা ইবানি মকপু ৱাকয়ৈ হিতাংজগে, ঐখোয় অনিগী হিতোং হিরালমলদি হয়েং পঙ্খৌ ইপাগী সনা নাকতা য়ৌনা থুংলুবা মতম অদু সনা ইরেপ তমনবু শোইবা লৈতনা পীগে। অসুম হায়না হায়নববু। লৈবাক কোইনা চৎপা ললোনবনা হে চৌশিথাবালৌশিংবা ইবুংঙো তাও-ও। সনা নরেপ তমবীদরাবসু। কদৌনগবনো ৱাকয়ৈ হিতাংবীগে হায়বীবদি প্রাননাশি নরেপাকতা ঐখোয়গী কোনলোই ইমিং থমজরমগে ঐখোয়না মফম অদুদা সলোনবাদা য়াম্না নুংঙাইজবা খোইদাজবা খোইরেল পুঙ ওইনা নুংঙাইবা মফমনি। হায়না ৱাকয়ৈ হি হিতোংহললবদা। চৌশিথাবা ফাকমলেন ২ মকতি তিংগা হিয়াইনুংদা ফমফমলবদা পেরে শানাই খোং।

লৈবোন থোকপু ।। সীঙলেল মাঙালনাইনা ।। ঋাকয়ই হিতোংলকলে ।। সমদ্রো লাইচা য়ীরেলপুঙ ।। য়ুথক ১০০ পাকপু ।। য়ৌরাপাতা ।। লেমলই ঙাকীয়োঙ লাইমালপানা ।। লাইচা য়ীথক হওরকলে ।। চওসিথাপ লৌসিংপা ।। ফাকমলেল আহলপীকা ২ মাতী ।। তিংকা হিয়াইনুংতা পাওমেলনাখিয়ে ।। সাপী নিংথৌ মাচা নীঙথিপাআে ।। আসাইঙই ।। প্রাননাসি নাপুঙয়াইপু য়ৌঙইনে ।। হায়পাতী সীঙলেল আরেমপাতুম ।। আেইরাপারা খঙতে ।। সমুদ্রো য়ীরেল পুঙতাতুম ।। নোংমলকে তৌকুমলকলে ।। সাপীআে ।। য়ীপীংঙাতুম ।। লাংলেল ঋাপুম খায়কুম খাইনাপাকা[৪০]পারা খঙতে ।। হিনাও পাংকৌ পৈপাপু ।। চওসিথাপা লৌসিংপানা ।। সানৌআে চইরই নায়িলফি আসিনা ।। পাসোৎ খাঙয়েৎননা ।। নোংমলমানাসে ।। হায়না চইরই

ঋাংলেন পুঙলোন মরোল থোকনা য়ে। কাঙ চিকতনবা মনম নুংশিরবা চন্দনশিংবু মৈখু-লাং শিঙঙেন লৈরাং পরেং শেমনা লৈতেং, হিনুংদা নুংশিবা মনমনা ফুগাইহন্দুনা হি তোংলকলে।

সমুদ্রা লাইজা ঈপাক ঈরেনপুঙ অচৌবা য়ুথক ১০০ মা পাকপাবু য়ৌরকলবদা। লেমলৈ ঙা কীয়োঙ লাই মালবনা লাইজা ঈথক হৌহননা মথি ফোংলকলে। চৌশিথাবালৌশিংবা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগা ২ মকতি তিংগা হিয়াই মনুংদা পাওমেলনা হায়নখিয়ে। শাবী নিংথৌ মচানিঙথিব-ও। অশাইঙৈদি প্রাননাশি নরৈপাক য়ৌরগনি হায়না খনজরুবা অসিদি য়ৌঙমদবা শিঙলেল লৈরাং চিন্নদনা লৈমনচন্না কেনবগুম অরেমবদা মাঙদনা তোকলগদ্রা খঙদ্রেদা। সমুদ্রা লাইজা ঈপাকসিদদুম শিগদৌবদুম মালকলে ইশাবী-ও। মদু নৎত্রবসু ঐখোয় অনিমক অসিবু লাংলেন ঋাপুম খায়কুম খাইদোক্লা শেৎনা খাইনগবরা খঙদেদা। হোল্লিবা হিপাকথক্কী তিঙলিবা হিনাওগী পাংকৌ পৈরকপাসিবু -। চৌশিথাবালৌশিংবনা, ইশানৌ-ও। চৈরৈ নঙনা ইননরিবা নফি অদুনা

খাঙসেংননা নোংহান্লে হায়য়ে।। লেমলই ঙা কিয়োঙ লাইমালপানা।। লাংকোই সামু পুমনা য়োং তিংকা হিপুক থিলকাইরাপাকে।। পাঙল সাঙপো য়ীতমপা।। খাকি মানিক লনব্রোনপাতী।। লাইচা য়ীতা তাসিলনা লেমলই চীনচাকপু আোইনরে।। হায়তাপারা।। ফাকমলেল আহলপী।। চওসিথাপ লৌসিংপাকা মাপীঙাতী।। চইরই খাঙচেং কিসিনাপাপু।। মাললও খাঙলী তৎলে।। তিংকা মাচেং পাংমাকা।। চওসিথাপা লৌসিংপাকা।। হাওরৈ খানা পাংনা তাওথাখিয়ে। হায়য়ে।। লৈমা ফাকমলেল আহলপী কা তিংকা হীচেৎপাংমাকা।। নোংনেম লাইনা পাংপারম তাওখৎখিয়ে।। ফাকমলেল অহলপীতী।। ক্রৌ থোইনায়েং।। ব্রাঙপল পাংনা য়েংনা মীকপখিয়ে।। সাপি য়ীপুঙু তাআোআো।। আমল য়াইথোঙ সীঙসুলৈপু লৈরাং হালনা খঙনাপা।। সেলপী

ইবানিবু অমত্তা ওইনা খ্বাংদা পুনশিনমীন্নদুনা শিবা তারবসু পুন্ন শিমীন্নরশি হায়না চৈরৈ খ্বাঙশেংননা পুনশিনমীন্নরে হায়য়ে। লেমলৈ ঙা কিয়োঙ লাইমালবা লাংগোই শামু ফাওবা পুমনা য়োংঙমবানা তিংগা হিপুক খঙহৌদনা থিলগাইরকলবগী, লৈবাক কোইনা চৎপা খাগী মনিক ললওনবশিংদি লাইজা ঈশিংদা তাশিলনা লেমলৈ ঙাগী মচিনজাক ঙমনা ওইনখিয়ে হায়নদবরা?

ফাকমলেল্ অহলবী চৌশিথাবালৌশিংবা মখোয় অনিমকতি। চৈরৈ খ্বাঙচেং কিশিনববু অপাবা ফিবু ওইবনা ফি শেগাইনা তৎলবগী তিংগা মচেং অমদা চৌশিথাবালৌশিংবগা, হাওরৈ খানা পাংবা মায়কৈদা তাওথরকলে হায়য়ে। লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা হিগী হিচেং অমগা লোইননা নোংনেম অব্রাং লাইনা পাংবা মাইকৈরোমদা তাওখৎখিয়ে। ফাকমলেল্ অহলবীদি কোরৌ থোইনা য়েং। ব্রাংপন অব্রাংববু পাংনা য়েংলদুনা কপখিয়ে। শাবী ইবুংঙো নঙবু তাবী-ও।

চাকসামন আমুপাপু কারম কোকসীপানো॥ তুরেল ৱাইখুপীচা॥ লেমলই মাথাফককুম। কারম খাইনাসে হায়পানো॥ সাপী নঙনা॥ হালনা নোংমল ঙামলাপাসুঙ॥ খমনুং মাথোঙ চীন॥ সাৱা ঙাই^৪ʼনাথেলতা॥ য়োনতানা ঙাইঙামপীঅো॥

য়াইথোঙ তংকানুপী মাহইখঙ॥ খুমনুং সিতানুপী নামু পাওথেমহই॥ হেমপা লওসঙ খাতা পালপা হই॥ হইরাঙ তাইপোমপা॥ তাওচীঙ তুচোমপা॥ নাওৱা পীরেল হইপু॥ হালনা তংহীকুনোসে॥ খমনুং পাৎথিয়াম। সাৱা কোলখনহকপা॥ য়াইথোঙ সীরমলেল॥ নাওৱা চীঙখু থেলতা॥ য়োলতানা লমঅোকনাসে॥ হায়না চেংলৌ মাসক য়েংনা॥ হলনা হলনা মীকপখিয়ে॥

চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ য়োইপু নাই চীঙু লাইপক থীপঅো॥ নঙতী॥ মায়কই কতাই ৱাইতা॥ নোংমললুকে হায়পাকি॥ পাওমেল লমতাপানো॥ য়োইপু নাই

ইবানিবু তাইবংসিদা শিমীননবাগীদমক পুন্সি লৈরাং লৈপুন ওইনা শেমবীদনা খঙনহনবরা শেলবী চাকশামন অমুববু করম কোকশিবনো। তুরেল ৱাইখুবীচানা লেমলৈ মথা ফাকপগুম করম হায়না খাইনশে হায়বনো। শাবী নঙনা হালনা নোংমল, শিবা হাললবাসু খমনুং অশি লৈবাক মথোঙ্জিন শাৱা ঙাইনথেলদা ননাইনুবীবু শোইবা লৈতনা ঙাইদনা লৈবীরম-ও।

য়াইথোঙ অশি লমদমদা চানবা হৈ, য়াইথোঙ তাংকানুবী মহৈখঙ। খমনুংশিদানুপী অশি থোংঙাক লাইরেম্বীনা নামু পাওথেম হৈ হেমবা লৌশঙ খাতা পালবা হৈ। হৈরাং তাইপোমবা তাওজিং হৈদি তুচোম হৈ নাওৱা পীরেল হৈ হালনা চানা অশি হৈবোংবু তংলমখিনুকো। অশি খমনুং লৈপাক্কী পাৎথিয়াম শাৱা কোমখনহকপা, য়াইথোঙ শিরমলেল, নাওৱা চীঙখুথেলদা শোইবা লৈতনা ঙাইনদুনা উনাসে হায়না চেংলৌ মশক য়েংনা হলনা হলনা কপখিয়ে।

পেমমা য়ীমাঅো।। নাসাপী অইসুঙ ।। লমলেল মাতাইমা কাতাইৱাইতা।। নোংমললুসীপানো।। হায়না ফাকমলেল আহলপীকা।। চওসিথাপা লৌসিংপাকা।। চেংলও সকৱুরিপা মাকৈপু।। থীকলেল থাকাফুনা।। মীকপখিয়ে।।

হে সাপী য়ীপুঙু মোমনু থাৱাই য়ীমিরেলঅো।। নুচা অইপু সাপি সনা নাখোঙখাতা।। চেকলা মাসুঙ মালকুম।। কারমনা পাইচিললক ফাতাপানো।। কনলকয়ে।। হায়না চেংলও সকৱুরিপা মাখৈপু।। হলনা হলনা য়েংনা মীকপখিয়ে।। হায়তাপারা।।

য়োইমা তাওতলপাসুঙ ।। থাঙঙা মমনাসীকে তৌকুমলকলাপতা।। নিংথৌ সঙলেল লৈসঙপীকি।। হিতেল হলফু নায়াখেৎনা।। লারাই চাংচও নপলরা[৪২]পাকি।। ফাকমলেল আহলপীনা।। ৱাকয়ই লুকচি পায়না হিথাংচারে।। লইঙোই সেকচাইথকতা।। সামু খোঙপু থীননা।। মীকপখিয়ে।। সাপি ক্রৌ

চৌশিথাব লৌশিংবনা নিংথৌ মচা ইবেম্মা চীঙঙু লাইবক থীবী-ও নহাকতি মাইকৈ কদাইৱাইদা শিরুগে হায়বগীদমক নৱাহে নপাও তাকলমদবনোনে। নিংথৌ মচা ইবেম্ম-ও। নশাবী ঐসু লমলেন মফম কদাইৱাইদা তাইবং থাদোকনা শিরুশিগে হায়না ফাকমলেল্ অহলবীকা চৌশিথাবালৌশিংবগা চেংলৌ মশক উনরিবা মখৈ থীকলেন থাকাফুনা কপনখিয়ে।

হে শাবী ইবুংঙো মোমনু নুজা ওইবী ঐগী থৱাইগী থৱাই ওইনরিবা-ও। নুজা ঐবু শাবী সনা নখোঙখাদা। চেক্লা পুপানবগুম্না ফৈরা থকতা তোংমিন্নবগুমনা করম পাইশিলফদবনো। কনলকএ হায়না চেংলৌ শকউরিবা মখৈবু হলনা হলনা কপখিয়ে। হায়নখিদবরা?

য়োইমায়াই নুমিৎ তাওদলবানা তাইবং য়ুমথোং খুদিং অমমবানা কুপশিনগে তৌরকলবদা। নিংথৌ সনা শঙ্গাই শঙলেলগী লৈশঙবীগী হিতেল খুদা ময়া খেৎনা লৈরাই চাংচৌ মপাল নকশিললুরবগী ফাকমলেল্ অহলবীনা ৱাকহৈ মচিন পাইজরদানা হিথাংজরে। লৈঙোই

য়ীনোংথৌঅো।। নঙতী।। লমলেল কাতাইৱাইতা লৈরিকাপানো।। চেংলৌ নাসকৱুতা।। য়াওৱা খোনচেল নীঙথিপাপু।। নাতাতারে সাপীঅো।। ৱাকয়ই হীয়াইনুংকি লাংলেল ৱাপুম খায়কুম খাইনারে।। হায়না মাসাপীপু।। লইঙোই সেকচাই থকতা।। খুনীঙ মোইতোলকাঙ।। খুপাক লাইখলসানা।। মাপু মানাইকি।। তামকপু।। তকলও সিতংসোন।। নুংসি পুকনীঙ কাইনা মীকপলময়ে।। আসুম পীরেল থকমাতানা।। য়ীংতানা সীঙলেল লৈসঙপী।। মারাল য়াইপু।। য়ীলতালখিয়ে।।

ফাকমলেল আহলপীনা।। তারি মাললই খাতা।। লেপনা ৱাহমচাখিয়ে।। হে য়ীয়ু হানু মায়াই কারাপীঅো।। নারাললোল য়ীময়াই নীঙথিপা আসিতা।। কোরৌ আসি নোংতা ফায়েঙ নোংফাইরমকে।। হায়না পাওমেলচাপাপু।। য়িংথানা লৈসঙপীনা।। পাওখুমলকয়ে।। হে সেলপী আসোইপী।। কাপ আমাংপী নঙপু কনানো হায়না।।

শেকচাইথকতা শামু খোঙবু থীননা কপখিয়ে। ইশাবী ইবুংঙো ঐগী লাই ওইবা-ও। নঙদি লমলেন লমদম কদাইৱাইদা লৈরিগদবনো। চেংঙৌ নশকসু উদা, য়াওৱা নৱাহৈ নিংথিবা নখোনজেন নুংশিবাসু তাদরে ইশাবী-ও। ৱাকয়ৈ হি মনুংমদগী, লাংলেন ৱাপুম তাংখাই খাইবগুম খাইনরে হায়না মশাবী মবুংঙোবু লৈঙোই শেকতা মথক্তা খুনিঙ মোইদোল কাঙ খুবাক লাইখল শানা, মবুংঙো মাগীদমক খননা তকশি শোননা, নুংশি থম্মোই কাইনা কপলকলে। অসুম কপনা কপনা য়িংথানা লৈবাক্কী শিঙলেন লৈশংবী অমানা লৈরিবা য়ুম, মফম খঙদনা থুংখিয়ে।

ফাকমলেল্ অহলবীনা দারি মখাগী লৈবাকতা লেপনা কৌনা ৱাবু হংজখিয়ে। হে পোকমাবীগুম্বী অহল মতম ওইরকলবী-ও। নঙগী লৈরিবা নিংথিজবা য়ুম, নিঙথিবসিদা ঙসি কোরৌ নুমিৎ সিদা য়ারেকনা শৈদাংজগে হায়না হায়জববু। য়িংথিনা লৈশঙবীনা পাওখুমলকয়ে।

নুচা নীঙথিপীপু।। সায়েঙ পালকা লাকনা।। চিংথোকঙাময়ে।। নারাল মোংপা য়ীম আসীপু।। তেকপী ৱোকনাথেং।। কাওরেল সলনা[৪৩] ঙাপা য়ীমনে।। মাংকোল চাওপা।। সাইনোন হেনপা য়ীমপু য়ীলতালখিঅো।। হায়না চীনলেঙ আথিপা।। য়াথং আকাইপাপু মাঙঅোইননা।। পাওমেল ঙাময়ে।। লইমা ফাকমলেল আহলপীতী।। স্বামী ক্রও মানোংথৌপু তেংথাননা মীকপখিয়ে।। য়ীয়ু হনুকাপীঅো ।। ১০ নঙকি চানিচারোইয়ে।। হায়েং কৌপা চীঙলেল নোংকা সোইরাপাকা।। লইকাই পালসং কোলনা।। চানিচাকে।। তৌয়ীকিতী।। য়ীরাল য়াংপা য়াইপু চঙপীকুনো।। মাংকোল অইকি য়ীনোংলাং খারা খেনচঙথক।। তেকপী ৱোকনা থেংপা।। কাওরেল সলনা থেংপাতা য়াতাখিঅো।। হায়না ৱাহমলকলাপাকি।। ফাকমলেল আহলপীতী।। মোমনু চইরই মায়িলফি।। নুচা খাঙপা

হে! শেলবী নশক নশাসু খঙদরবী কবো লৈফম লাকফমসু খঙদবা অশোইবী নঙপু কনানো। হায়না নুজা নিঙথিবীবু মশা শয়েঙ লাকনা চিংথোকলময়ে। ঐগী ইয়ুমসিদি তেকপী ওকনা থেননা পোৎথানবা কাওরেল শলনসু মরেং তকনা ঙানবা শেগাই তুগাইবা য়ুমনে। লেকফম চাফম অফবা অচৌবা ফজবা য়ুম থিরু চৎলো। হায়না অথি ৱাহে ৱাতা মাংওইননা ঙাঙ শকলদনা হায়রকয়ে। লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি থৱাইগী মপু ওইরিবা, মপুরোইবা মবুংঙোবু নিংশিঙনা তেংথাননা কপচখিয়ে। ইয়ু পলেম মানবী অহল ওইরকলবী-ও। তরা চাক নিদুনা চাগেসু হায়জরোই। হয়েং কৌবা চীঙলেন নোংবু হেক ঙাল্লরুবগা লৈরক খুনলক য়ুমথোং চংজদুনা চাকনিজরুগে। অদু ওইরবদি ঐগী য়ুম মনুং অসিদদি চঙবিরকনো। মাংগোন ঐগী য়ুমগী মমাং থংবা অহাংবা মথক অসিদা তেপী ওকনা তৎতনা তুমনবা কাওরেল শলনসু নুংশা খাংনফম ওইবসিদা লেনলো। হায়না অয়াবা পীরকলবা ৱাদগী।

মানমথাং ।। আচোৎপাপু কংতানা ।। চারুতাংসোইথকতা ।। ফিরেল মাইথাননা ।। য়াতারিঙই ।। ক্রুও ।। কাতাইরমকি ফেনচু নারকলাপাকি ।। নুচা মায়িল ফি আচোৎপাপু ।। ১রক চোৎহৌরে ।। মোমনু নুংথম তারক চলনা ।। থুমনাও তুকুমপাপু হেসোন নীকয়ে য়েনাও নাহেল কলাপাকি ।। আহিং য়িনুং সোয়াইমাতা ।। নুচা মাতোমমা মীকপ্চাখিয়ে ।।[৪৪] হে স্বামী থাৱাই য়ীমিরেলকি ।। লল্ আইনাপাআে ।। লমলেল্ মাতাইমা কাতাই ৱাইতা ।। ১০ চাপু তম্তানা ।। ৱুলপী চাফম্ খুৎনানমনা ।। নাতোম কারম য়াংকোইরিকাপানো মোমনু নাসানৌ অইতী ।। ১০ হুক্তারাপাসুঙ্ ।। য়িংথানা মারাল্য়াই ।। চারু তাংসোই থক্তা য়াতারে ।। য়ীপল পলথৌ নিংথৌ হুইসিথাপ ৱাপীহায়পানা ।। কীয়োঙ সঙকাই নুংতা ।। য়োৎকি পললোল ৭ খা ।। সাৱা চাচুম থিল্না ।। মান্লং নোংসীৎলাংতানা ।। সীনৌ মোইথাপ মাপুমকা ।। সানা

ফাকমলেল্ অহলবীদি মোমনু মাগী চৈরৈ ইনরকপা মফি। নুজাগী লোইনরকবা চৈরৈ নমখাং অচোৎপা অকংবসু নৎতবা অদুবু চারু তাংশোই মথকতা ফিরেল মাইথা ওইনা য়াতানরিঙৈদা খঙহৌদনা কোরৌ থকতাগী হৌরকপা নোংনা চুরকলবগী নুজাগী ইন্নবা মফি অচোৎপবু চোৎপগী মথক অমুক হলনা চোৎখ্রে। মোমনু নুজা ওইবীদো নিংথমবনা তারক চলনা থক থক নিক্লা অনা লাইহৌগুম নাহে খোলবু থোকলকলবগী অহিং নোংয়াই চাবুকতুদা নুজা মদোম কপচাখিয়ে। হে, ঐগী ইবুংঙো থৱাইগী থৱাই ওইবীবা। মতম পুমবা লোইনবীরমবা-ও। মফম লমলেন অতামবা কদাইৱাইদা ১০ চাকপু চাবা ফংদনা উলবী চাফম পুকপু হাংলদুনা নতোম করম লেনলি লৈরিবনো। মোমনু নশানৌ ঐদি ১০ চাক চাবা ফংদরবসু য়িংথানা মরৈপা লমদম অসিদা, চারু চনাই মথকশিদা য়াতারেদো। ইপা পঙ্থৌ নিংথৌ হুইশিথাবা লৈবাক ৱায়েলবনা। কিয়োং সনা সঙ্গাই মনুংদা য়োৎকী পললোন ৭ খা। শাৱা চাজুম নমনা থম,

চাংকা তমপীনে।। কন্‌লক্ক্‌য়ে।। মোমনু খোমলেন মঙলাং চাল্‌নে হায়রাসে।। হায়না মীকপখিয়ে ।। তৌয়ীকুম সাপি থাৱাই য়ীমিরেল্‌কুম্‌পা মাসুলাংকৈ তমকনে।। নাসানৌ চীঙু লাইপক্‌থীপী অইনা পুমনা ৱাআোইরোই হায়না মীকপখিয়ে।।

অহিং য়ীনুং সোইয়াইমা।। নোংয়াই সোইপা য়াতামাপু।। আোইরাপাকি।। ফাকমলেল্‌ আহলপীতী।। নুংসি আৱা মাখে লৈতারাপাকি।। ৱুইরুম্‌ চেংলও মাতাইথিখিপাপু।। খোমলেল মঙলাং চালতা।। মাসাপিপু।। ক্যাং মোলতেক থকতা।। লোকয়াইতমপা সীনৌ লাসিং তীনকুম য়াতামানাপাপু।। লইমা ফাকমলেল্‌ খোমলেল্‌ মীকপ থোকলাপাকা মীকপখিয়ে।।[৫৫] সাপী য়ীপুঙু তাআো।। তাইপঙ নোংসাপলপু খাচীকয়ে ।। খোমলেল্‌ মঙ্‌লাংচাল্‌পু আোইঙামযে।। হায়না মীকপলকপাপু।। য়িংথানা সীঙলেল লৈসঙপীনা।।

মাললং নুংশিং লাংহন্‌দা। শিংনৌ লশিং মোইথাপ পুমবাগা সনা চাংগা তমলকপী মোমনু চীঙঙু লাইবক থীরবী ঐবু করিগী মতৌনো কনলকয়ে। মোমনু ঐগী ইতৌশে তাইবংনা মংদা থোকপগুম চপ মানরে হায়নবু কপখিয়ে। অদুবু পুম্নমক আসে শাবী ইবুংঙো থৱাইগী থৱাই ওইরিবা নহাককীদমকনে। নশানৌ চীঙঙু লাইবক থীবী ঐনা নঙগী নফমদা করিসু ৱারৌববু লৈতেদো হায়না কপখিয়ে।

অহিং তাংলৌ অথেংবা নোংয়াই লৈনা থেংনা ঙহাক তুমখুন য়াতাঙমদঙৈদা। লৈমা ফকমলেল্‌ অহলবীদি। পুক্রিং নুংশি অৱা মখে লৈতরবগী। ঙহাক উইরুম উইরুম মীৎপু উইনা তুমলিঙৈদা খোমলেন মংফাওননা মশাবীবু কিয়াং মোনতেক থক নিংথিবদা নিংঙাইদ, শিনৌ লশিং তিনগুম য়াতামীন্নরমবাবু, লৈমা ফাকমলেনদি মীকপ খঙথোক থোকলপগা কপখিয়ে। শাবী ইবুংঙো নঙবু ! তাইবঙ নোংশাপালবু ওনথোক্লা ৱারৌয়ে। খোমলেল মঙলাংচালবু ওইরময়ে।

নাতারাপাকিপু মীকপপারা।। হায়না পাওহংপাপু।। ফাকমলেল আহলপীনা।। হোই পললেমআে।। ১০ লামপাকি মীকপতে।। স্বামি ক্রও য়ীনোংথৌপু।। লাংলেল্ ৱাপুম্ খাইকুম্ খাইনারম্‌লাপাকি।। মোমনু অইপু পাওহংলায়ে।। সানৌ নঙতী।। লমলেল্ মাতাইমাসিতা।। কারম য়াংকোহঙামপানো।। হায়না মীকপলাপাৱাকি।। সারেল য়েৎনা কোলনা পাওমেলনাপা ৱাপু।। খোমলেল মীকপ থোকলাপাতা।। সাপী য়ীপুং মানাইপু।। লৈঙামতারে।। লৈরাং আতিংঙাপু আেইঙামলে আতুকি মীকপ তেংথাচাপানো।। হায়না পাওখুমচারাপাতা।। য়িংথানা সীঙলেল লৈসঙপীনা।। য়াওহৌখিয়ে।। মোমনু তানলোই য়ীরুমপী নঙপু য়াহৌরো।। য়ীমোম আসিকি তামকপু।। চাফু তীললাংসৌ।। য়ীৱাল খোইতও ৱোৎলারো।। য়াহৌপাপু।। তানলোই মারুমপীনা।। য়ীপারি নাওয়োকনাপাসুঙ লৈতে হায়য়ে।। পাওখুমলাপাকি

হায়না কপলকপবু। য়িংথানা শিংলেন লৈশংবীনা, মীকপ খোলবু তারাবগীবু করিগী কপলিবনো হায়না হংববু। ফাকমলেল্ অহলবীনা, হোই পললেম ইমা-ও। ১০ চাক লামবগীবু কপপা নংতে। ঐগী ঈশ্বর ওইরিবা ইশানৌ ইবুংঙোবু লাংলেন ৱাপুম খাইবগুম, খাইননা কাইনরকলবগীনে। মোমনু নুজা ওইবী ঐবুসু পাওহংলকয়ে। শানৌ নঙদি লমলেম মফম অসিদদি করম হায়না য়ৌবা ঙমবনো হায়নসু হংলময়ে হায়না কপলমবা মওং, ইশাবীনা শারেল য়েৎনা কোলনা পুকমেল পাওমেলৱা খোমলেল মঙনা মীকপ থোকলকপদা ইশাবীদি ইনাকতা লৈরমদরে। লৈরাং অতিংঙা মংগ্রেম হাগ্রেমনবনু ওইরমলে অদুগীদমক কপনা তেংথাজবনে হায়না পাওখুমজরবদা। য়িংথানা শিংলেন লৈশঙবীনা, য়াওহৌগৎলকলে। মোমনু তানলোইনুপী ইরুমবী নঙপু য়াহৌরো। ইমোম অসিগীদমকপু চাফু তীনলাংশৌ ইৱাল খোইতৌ ৱোৎনা চাকপু থোংলরো হায়না হায়ববু মাগী তানলোই নুপীনা হায়রকয়ে।

তৌয়ীকিতী য়ীমোম অসীনা মাসাপী খাইনাপা তুকুমপাপু।। য়ীপীঙাসুঙ খাইনাসে।। হায়ংঙনা পাওমেললাতা।। য়িংথানা সীঙলেল নৈসঙপাতী। মাতোম খামপী মইকা হৌনা।। চাফু তীললাংসৌ।। য়ীৱাল খোইতও ৱোৎসাপাতা।। লইমা ফাকমলেল আহলপীতা।। পাওমেলখিয়ে।। হে য়ীমোন নঙপু লাওআে।। ১০ চাপুম মাপু হুকলাআে।। হায়না ৱাহমপাপু।। মায়ীম সেলপী কাপনা তেংথানাপাতী।। লাপুতী তোংআে কৌয়ে।। তোং লায়োন থোককুমপীনা।। পাওখুমখিয়ে।। হে য়ীপল নৈরাং মাসুং মালকুমপাআে।। হায়েং তানলোই নারুমপী পললেম নৈরাং মাসুংমালপীনা।। আয়ুক ১০ চা মইরাংনা।। পুনুং ৱানথোংকে নীঙলকপাতা।। নৈঙামতারাপাকা।। য়ীপল নঙপু নামোম অইকিতামক।। চীনলেঙ আথীথোকনা।। ৱাহায় সাংতালনারাকে।। হায়না পাওমেলচাখিয়ে।। য়িংথানা হানুপানা।। য়ীমোম টীনকোয় নায়াথাং আসিনা থোইনা মীকপনীঙয়ে।। ১০

ইপারি অমা গোকনা য়োকপসু নৈতে হায়না পাওখুমলকলবগী। তৌবগীদি নৈশপী, ইমোম মানবীসিনা। মশাবী খাইনরকপা অদুগুম্না ইবানিসু খাইনরগেরো। হায়না শাওনা শাওনা হায়রকলবদা। য়িংথানা শীঙলেল নৈশঙবদি মদোম খামবী মৈ হৌরদুনা চাফু তীললাং শৌনা চাকপু থোংলদুনা ইৱাল খোইতৌ ওৎনা য়েনশাংবু থোংলগা নৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদা হায়খিয়ে। হে ইমোম নঙবু লাও-ও। তরা চাকপু হুকনা চারো লাও। হায়না হায়রকলবদগী ময়ুম শেলবী কবোনা মিংকৌনা হায়নবদি লাবুদি তোং-ও কৌয়ে। তোং লা, লায়োল খোককুমনা মেংনা নিংথীববীনা পাওখুমলকখিয়ে। হে পম্বৌ ইপাগুম্বা-ও। হায়েং ইপলগী লোইনবী ঐগী পলেম ইমাগী লেংগা মমান্নবীগুম্বীনা আয়ুক মৈইরৌনা তরা চাকথোংগে হায়না নিংনা য়েংলকউদা থোংনিংঙাই নৈরমত্রবদি ইপল নঙবু নমোম ঐগীদমক অরাই অথুমনা ঙাংননা অঙম তানা ৱায়ামনগনিনে হায়জখিয়ে। য়িংথানা হনুবনা,

খুৎপুননা মাপু থুনাপীরারো ।। হায়না আসুম খুৎচেং হংচিলাকনা।। পাও কওসিলকিরাপাকি।। ফাকমলেল আহলপীতী।। ১০ লুকপাল ফমলাপাতা।। নুচা লায়োন খোককুমপীতী।। ১০ খুৎ পুনমাপু হুককে হুকঙমতা।। সামু খুৎনা মেৎনা।। আহিং য়িনুং সোয়য়াইমাতা।। নুচা মাতোম মীকপলকলে।।[৪৭] সাপি য়ীপুংয়ু নিংথৌ মাচা নীঙথিপা নঙপু লাওঅো।। নাপু নাই অইকি সারেল লমফমনা।। ১০ খুৎপুনমাপু হুকমানাপা নৎতাপারা।। পেঙপা নাকতৈমাপু ৱোনমানাপানে।। কনলকয়ে।। ১০ চা পুমমাপু য়ীতোম কারম হুকসীপানো।। হায়না ১০ খুৎতা সুনা মীকপলিঙইতা।। কৌপা চীঙলেল নোংকা সোইপানা।। হাললকলাপাকি।। লইমা ফাকমলেল আহলপীনা।। হে য়ীপল লৈরাং মাসুংমালপীঅো ।। নামোম অইকি।। তমপা খুৎতোপ নীঙথীপা আসিপু য়িংথানা নানিংথৌতা য়োলপীরুঅো নাতাইরেম অইকি।। তমপা কোনলোয় য়ীখুৎতোপ আসিপু।।

ইমোম নংগী নৱাহে নপাওখোল অসিনাদুম থোইনা হেন্না নুংশিয়ে। থম্মোই অসি থুমহৎলে কপনিংয়ে। তরা চাকসে থুনা চররো অসুম্না মখুৎচেং পায়না চিংলদুনা চাক চানবা হায়না কৌশিনলবদা ফাকমলেল্ অহনবীদি, তরা লুকফম চাকলুক মপালদা ফমহনলে। নুজা লায়োন খোককুম নিংথীবীনা তরা চাকপু হুককে হুকপঙমদা, শামু মখুৎনা চাকপু মেৎনা অহিং ইনুং শোইয়াইমদা নুজা মাদোম কপলকলে। ইশাবী ইবুংঙো নিংথৌ মচা নিঙথিবা নঙবু লাক-ও। নঙগী ননাই ওইবী ঐগী শামু য়েৎতা ফমনা ১০ চাকপু চাম্মীনবা নৎতবরনে। পেঙবা থোংবাবু চামিন্নবানে কনলকয়ে। তরা চাকশিবু ইতোমতা করম হুকনা চাশিবনো। হায়না তরা চাক চখোম অমবু পাইখৎলদনা কপলিঙৈদা কৌবা চীঙলেন নোংগা শোইনা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপনা হাললকলবগী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা হে ইপল ইপাগুমলবা-ও । নমোম ঐগী। তমপা খুদোপ নিঙথীবা আসিবু য়িংথানা নখোয়গী নিংথৌদা খরা য়োলথোকপীরু-ও।

নিংথৌ সনা নাখোঙ খাপু নাতাইরেম অইনা য়ীলতাল চারকয়ে। হায়না প্রুমলাপাকা।। য়িংথানা মানিংথৌনা।। তমপা খুৎতা পাইনা।। পাওহংলকয়ে।। তমপা খুৎতোপ আসীতী।। মায়কই কাতাইরমকিনো।। হায়না পাওহংপাপু।। হোই য়িংথানা য়ীনিংথৌঅো।। তমপা আসীতী।। নাতাইরেম হানুকাপাতা।। পাঙল সাঙপো য়ীতমপা।। খাকি মানিক ললৱোনপাসিংনা।। ১০ চানি সাংপাতা।। খানলওপানে।। হায়না পাওখুমলাপাতা।। তৌয়ীকিতী।। তমপা খুৎতোপ আসীতী।। য়িংথানা য়ীপুঙ য়াই পুমনামাসুঙ ।। য়ীসানৌ সামু ৱোইরম থাপীনাচিংনা তমপা খুৎ[৪৮]তোপ মাতীক নৎতে।। তাইয়ম হনুকাপীঅো।। খুৎতোপ অসিপু ।। কায়া পীঅো হায়পোনো।। হায়না পাওহংপাপু।। হোয়তা য়িংথানা য়ীনিংথৌঅো।। নাতাইরেম হানু কাপাতা পাওহংলুখিকে।। হায়না নিংথৌসানা মায়াথং ।। মারাল

সিংলেল লৈশংবীনা নিংথৌ মফম চৎখিদুনা নদাইরেম ঐগী তমপা কোলোয় ইখুৎদোপ অসিবু নিংথৌ সনা নখোঙ খাদবু নদাইরেম ঐনা পুদুনা লাকচবনে হায়না পুরুমজরবদা । য়িংথানা লৈবাক্কী নিংথৌনা তমপা খুৎদোপ খুৎতা পাইনা ৱাহংলকয়ে। তমপা খুৎদোপ অসিদি মাইকৈ কদাইলমদগী ফংলকপনো হায়না ৱাহংববু। লৈশংবীনা হোইদা য়িংথানা ইনিংথৌ-ও। তমপা খুৎদোপ আসিদি, নঙগী ননাই ওইবা হনুবদা পাঙল লৈপাক কোইনা লললোন ইতিকপা খাগী মনিক ললোনবশিংনা ১০ চাক কুইনা চারকপগী মমলগীদমক লৌহৌনপা পুরকপানে হায়না পাওখুমলবদা। তৌবগীদি তমপা খুৎদোপ অসিদি য়িংথানা লৈবাক পুম্নমকসিদ নৎতনা ঐগী নুপী শমু ওইরমথাবীনচিংনা পীরবসু তমপা খুৎদোপ অসিগী মতিক চাবা নৎতে। তাইয়ুম ইনাই অহল ওইরবী-ও। খুৎদোপ অসিগী মমলবু কয়াপী-ও। হায়বনো হায়না পাওহংলকপবু। হোইদা য়িংথানা ইনিংথৌ-ও। নঙগী ননাই ওইবা হনুবদা অমুক্তা

আোনতেরকলাপাতা॥ হানু মায়াইকাপীনা হে য়ীমোম লইমা নীঙথিপীআো॥ য়িংথানা য়ীনিংথৌনা তমপা খুৎতোপ মামল কয়া হায়পানো॥ হায়রকয়ে॥ হায়না পাওহংপাপু॥ লইমা ফাকমলেন আহলপীনা হে পললেম য়ীমাআো॥ তমপা মাতীকনাপাপু॥ আোইরাপাতী॥ য়িংথানা লইমাপীনা চিংনা॥ লইপাকা পুমনা পীপাসুঙ॥ তমপা মাতীক ফংতে॥ য়িংথানা নিংথৌ অইকি পাইমা ৱুলকোইনুংতা॥ পীনীঙপাতুম॥ পীরকসুনো॥ হায়না পাওমেলাপাতা॥ সীঙলেল লৈসঙপীনা॥ থীঙলৌ ১রক নীঙনা তেনা॥ নিংথৌ সনা মাখোঙখাতা পাওমেলচাখিয়ে॥

য়িংথানা য়ীখোইকি লইমাপাআো॥ নাতাইরেম হানু মায়াইকাপানা॥ নিংথৌ সনা পাইমা ৱুলকোইনুংতা॥ পীনীঙপাতুম॥ পীরকসুনো॥ হায়না ৱাকৎচারাপাতা॥ তৌয়ীকিতী॥ তাইয়ম হানুকাপীআো॥ সনা নারেপতম॥ লুপা থেলমাইম ৱাং॥ লাংকোই মাপুম ১০ সুঙ॥ ফীকে থেলমা ৱাং॥ চইরই পুঙপুরেম॥ তাইয়ম

পাওহংজল্লখিগে হায়না নিংথৌ সনা বোননুংদগী ময়ম মাইকৈরোম পন্দনা লাকতুনা হায়রে। হে ইমোম লৈমা নিঙথিবী-এ। য়িংথানা ইনিংথৌনা তমপা খুৎদোপ মমল কয়া ওইগাদবনো হায়রকয়ে হায়না পাওবু তাকলবদা, লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীনা। হে পললেম ইমা-ও। তমপা মতিকসিগী মমলবু ওইরবদি য়িংথানা লৈমাবীনচিংনা লৈপাক পুমনপীরবসু তমপাগী মতিক মমল ফংদে। য়িংথানা নিংথৌ মহাক্কী মপুকনিংদা মঙ্গাক্লা অপামবা পীনিঙবা অদো পীবীবকসুনো হায়না হায়রকলবদা। শিংলেন লৈশঙবীনা তলনা অমুক হলনা চৎখিদুনা নিংথৌ সনা মখোঙখাদা চংখনা হায়জখিয়ে।

য়িংথানা ইনিংথৌ এখোয়গী লৈবাকসিবু ঙাকপীরিবা-ও। নতাইরেম কপলাক কুক শুংনবা হনুরবা ননাই অদুনা ইনিংথৌগী সনা পাইমা নম্মোইদনা অপালনা পীনিংবা অদুমক পীবীরকসুনো হায়না ৱাকৎচরকয় হায়জেরবনা। অদুমক ওইরবনি তাইয়ম হনু ময়াই কারবী-ও। সনা নংগী

নাইথী[৫১]ঙমতা কাওরেল সলপুম পাঙমতা লোইমোম ফৌকোৎ য়ামনা।। তমপা মামলপীনা।। য়িংথানা সীঙলেল লৈসঙপী মারাল য়াইতা য়িংথানা মানিংথৌনা।। নামুথীঙমতানা।। থীলহাল লকলাপাকি।। লইমা ফাকমলেল আহলপীতী। ৱুলপী লইনীঙসিংনা মীকপখিয়ে।। সাপী থাৱায় য়ীমিরেলপু ওইনাপাও।। মাইকই লমতম কাতাইৱাইতা।। চইরই তাইৱোলনা য়াওরও সাসুং মালকুম য়াইীপননা।। লইরাই মুংপীথকতাপু।। ১০ চাপুক লামপাকি।। ৱুলপী চাফম খুৎনা নমনা।। য়াতারিঙইনে।। মোমনু অইপু ক্রও থোইনায়েংনা।। নোংথোইরিঙইনে।। সাপীও চেংলও কারমনা।। সকৱু নাতারাপানো।। কনলকয়ে।। হায়না ১০ খুৎপুন মাপু হুকঙমতা।। লেমলই ঙাতোংমাপু সেৎঙমতানা।। মোমনু সীঙলেল মাচুথাও।। লৈরাং থাওপী মাৱাকচামনা।। নুংৱোংখিয়ে।। য়োইমায়াই তাওতলপানা।। খেনকারক লাপাসুঙ।।

নরেপমুক ৱাংবা অমা লুপাসু নরেপ অমা, লাংকোই অচৌবা ১০ সু, ফিগে ময়ামসি চৈরৈ অহেনবা পুনমক তাইয়ম মীনাই ওইনবা লৌনিংবা মখে কাওরেল শনবী অয়াম্বা মখে লোইমোম ফৌকোৎ অয়াম্বশিং। তমপা মমলপীনা য়িংথানা শিংলেন লৈশংবীগী ময়ুম অদুদা য়িংথানা মখোয়গী নিংথৌনা, নমু মীশিং থিঙমদবনা থিনহলবীরকলবগী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি। উলবী পুক্লিং নুংশিরদুনা কপখিয়ে। শাবী ইবুংঙো থাৱাই ইমিরেলবু ওইবা নুংশিব-ও। করম্বা মফম লমদম কদাইৱাইদা চৈরৈ মচেৎশিংদুগা য়াওরৌ শাগী মতৌগুম উপাই লৈতনা ইপিলমগদবা. লৈরাই মুংবী মথকতা তরা চাকপু লামলবগী পুকপু খুৎনা পাইনা য়াতারমগনি. মোমনু ঐনা কোরৌ থোইনা য়েংনা লেনমীহুখিবদো। শাবী ইবুংঙো-ও। চেংলৌ করমতৌনা কাইনৌ হায়না তেমলপপনো কনলকয়ে। হায়না তরা চাক চখোম কানা হুকঙমদা লেমলৈ ঙাতোং অমা শেৎনা তংঙমদনা চারম থকলম খঙদা শিংঙেল মাচু থাও লৈরাং থওবী মৱাকচামনা নুংওননখিযে।

য়ীংথানা সীঙচাৱাইকোইপা।। য়েনলাং থৌচৎপসিংকা লাকমানাকাপারা।। হায়না ঙাইখমপাতী।। সীঙলেল আরেমপা।। লৈরাং আতিংঙাপু ওাইরাপাকি।। মোমনু পিরেল খকমাতাপাপু।। নোংতামতা।। থাপী নোংলেপতারাপাকি।।৫০ মোমনু পাইমা ৱুলকোইনুংতা।। নামু পোংপুম ২ তংনা।। থৌতীক খোল কুমপানীকিনা।। লমলোঙ ৯ তিলপা।। লাইচা য়ীরোঙ ৯ ফাংপাতা।। সঙকাই কিয়োঙ ৯ সারে।। আৱাং লাইনা পাংপা সঙচিরমতা।। চীঙু নোংথৌ সরারেলকি।। খোইয়ম লাইসকতময়ে।। নোংচুপ পাংপা সঙচিরমতা।। মাসাপি চওসিথাপ লৌসিংপাকি।। চেংলৌ মাসক সায়ে।। নোংপোক পাংপা সঙচিরমতা।। লাংগোই মানলিখাং অপাইবগী শকোল মশক য়েকএ।। খানা পাংবা সংচিরমতা।। মোমনু ফাকমলেল মাথানকি।। চেংলও

য়োইমায়াই তাওদলবনা নোংপোক চিংখৈ মাইকৈদা অমমবা কুয়োমবু হাইদোকতুনা তপনা তপনা কাখৎলকলবদা য়িংথানা লৈবাকী শীংথিনা শীংজনবা, মনা মশিং থিনা য়েনশাং নাপী কোইনা থিবা চৎলুবশিংগা লাকমীন্নবরা হায়না করিগুম্বদা ঙাইরুবদি। লৈমন চলবা শীংঙেলগুম অরেমবা ওই । অকমবা লৈরাংগুম আতিংঙা ওইরবগী মোমনু নুজা ওইবীনা মশাবীন্নীদমক পীরাং শিনথববু নোংমতা তোকতরবগী মোমনু পাইমা পুক্লিং উলগোই থম্মোইনুংতা, থম্মোই অনিতা শাখংনজা ওইবনা মহাক্কীদমক খনজনা, লমলোঙ ৯ তিলশিলবা, লাইজা ঈরোং ৯ ফাংবাসিতা, শঙলেল শঙগাই মমাই ৯ ফাংবা অমা শারে। অৱাং লাইনা থংবা মাইকৈগী শঙজি লোমদনা চীঙচু নোংথৌ সরারেলগী খোইয়ম লাইগী শকতম অমা শানা থময়ে। নোংচুপ মনিং থংবা মাকৈ লোমদনা মশাবী ইংঙো চৌশিথাবালৌশিংবগী চেংলৌ মাশক মালনবা অমা শাদুনা থময়ে। নোংপোক থংবা মাইকৈগী শঙজি লোমদা লাংগোই শগোল মানলিখাং অপাইবগী শগোল মশক মালনা য়েকএ।

সকতোংতমনা।। তাওখংসাপাতা।। তাইয়ুম নাইপুম ২ তংপু।। তাইয়ম নাপীঙাতী।। সণ্ডকাই আতিংপা আসীতা।। য়াতারুঅো।। সেলপী চা পাখং আতেংপানা।। খানাপাংপা সঙচিরমকি।। মোমনু চেংলও য়ীসকতমপা।। হাতুপুয়েংনা।। মীকপলারাপাতী।। তাইয়ম নাপীঙানা পাওহংঅো।। অইতী সেলপী চওসিথাপলৌসিংপানে।। হায়না পাওখুমলকলাপাতী।। থোঙচি নাতে কাঙনা পাওকৌ চিললকঅো।। অইতী সীঙলেল লৈসঙপী।। মারালয়াইতা য়াংকোইরুকে।। তাইয়মসিংঅো।। হায়রমলাপাকা।। য়ীংথানা লৈসঙপী মারালয়াইতা।। সীঙলেল মাচুথাও।। লৈরাং থাওপী।।৫১ মাৱাকচামনা য়াংকোইরে হায়য়ে।।

লইমা ফাকমলেল আহলপীতী।। মাতোম লৈখিসুনো।।০।।

খানা পাংবা মাইকৈ খংবা শংজি লোমদানা, মোমনু ফাকমলেল্ মশামক্কী চেংলৌ শকতম তমনা শাদনা থমলবদা নুজা তাইয়ুম মনাই ২ খকতংবু নখোয় অনিদি য়ারেকনদুনা শংদুনা লৈরু-ও। করিগুম্বদা শেলবী লৈবাক্কী মচা পাখং শকখংদবনা, খা পাংবা শঙমাইরোমদা লৈরিবা মোমনু নুজা ওইবী ঐগী চেংলৌ শকতম মান্না শারিবা অসিবু য়েংনা কপলরবদি। তাইয়ুম নখোয় অনিনা ৱাহং পাওহং-ও। অদুগা মহাক অদুনা ঐদি শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনে হায়না পাও খুমলকলবদি থোঙ্জি নাতে কাঙনা হাংদুনা মহাকপু কৌশিননা থম-ও। ঐদি শিঙলেল লৈশঙবী মাগী ময়ুমদা লৈরুগে তাইয়ুমশিং-ও। হায়না হায়রমলগা য়িংথানা লৈশংবীগী মরালয়াই য়ুমদা শিঙলেল মচুথাও, লৈরাং থাওবী নুংশিরবা শিঙলেল লৈরাং লৈনমশিংবু করিবু নিঙাইবা লৈতনবা চৎলে হায়য়ে।

লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীতি মতাংসিদ লৈখিসুনো।।০।।

মাসাগী চওসিতাপা লৌসিংপাতী॥ তিংকা হিচেৎপাংমাকা॥ হাওরৈ খানা পাংপারম তাওথাপাতী॥ য়িংথানা খুননিংথৌকি॥ মামোম লঙয়ী আহলপীকি হিতেল মাতারমতা লাইচা য়ীরোইননা হিথাংচারুরে॥ লইঙোই সেক থৌতু নুঙপাকথকতা॥ চইরই মায়িল ফী অচোৎপাপু পাখং খুৎপাক তীললাই মেলনা ফীসুচারাকাপা॥ চইরই ফীঙৌ হোংচারাপাতা॥ মীকপখিয়ে॥ সানৌ পললেম লেপলাওসিলকুমপী য়ীমালঅো॥ নঙপু লমলেল মাতাইমা কাতাইরমপু॥ ৱাইথুংলুরাপনো॥ সানৌ লইমা নীঙথিপী॥ নঙপু মাইকই লমতম খঙতারে॥ তুরেল লইরাই খোইরী তৎকুম তৎনারে॥ য়োইপু নাই নঙপু॥ ৱুলথম চইরই ফীরোল খাইকুম খাইনারে॥ হায়না নুংসি লইখোইকাই॥ থিকলেল থাকাফুনা॥ য়াৱা খোনচেল চাওনা মীকপখিয়ে॥ লঙয়ী আহলপীনা নাতারাপাকি॥ মীৎয়েং সানখৈখিপাপু॥ চেংলও মীৎথীৎলে॥

মঙাশুবা তাংকক্
নিংথৌ মচাগী অৱাবাকোকপা

মশাবী চৌশিথাবালৌশিংবদি হিতিংগাগী হি মচেৎ অদুমগা হাওরৈখানা পাংবা মাইকৈরোমদা তাওথদুনা লাকপনা য়িংথানা খুননিংথৌগী। মমোম লঙয়ীঅহলবীগী হিতেল তাফমগী লাইজা ঈশিংদা ইরোইননা হিথাংজরুরে। লৈঙোই থকতা থাবা নুঙপাক থকতা কাখৎলকতুনা, শাগোলনরকপা মহাক্কী মফি অচোৎপাবু। পাখংগী খুৎপাক অচৌবদা শুমজা শুমথোকচরদুনা চৈরৈ ফিঙৌ হোংজঙদো কপখিয়ে। শানৌ লৌশিং লৈবী পললেম ইমাগুম্বী-ও। নঙবু লমলেম লমদম কদাইৱাইদবু থুংনা লৈরিগবনো। শানৌ ইবেম্মা লৈমা নীঙথিবী নঙবু মাইকৈ সল্লাই লমদম খঙদরে। তুরেল লৈরাই খোইরী তৎপগুম তৎনরে। নিংথৌগী মচা ইবেম্মা নঙবু নিংথম থাগী উলেল লকতা চৈরৈ ফিরোল খাইনবগুম্না খাইনরেনে, নুংশি লৈখোঙ কাইরে হায়না থিকলেন থাবু ফুনা য়াৱা

হে তাইয়ম কনা আহলপীআে।। নঙপু লাওআে।। থৌতু নুঙপাক থকতা।। চইরই ফীঙৌ হোংনা।। ফমফমপা আসিপু।।৫২ নামু পোংপু আেইরাপাতী।। পাকৌরকআে।। খোইমোম নোংতমপানা।। মোমনু অইকি তামকপু।। নোংতমপীরকপানারিঙইনে।। খোইয়ম লাইপু আেইঙামলাপাতী।। পাওকৌরককুনো।। তাইয়ম কানাআহলপীআে।। হায়না পাওমেললাপাতা।। কানা আহলপীনা।। চইরই ফীঙৌয়েংনা।। চৎখিপাপু।। সেলপী চওসিথাপা লৌসিংপানা চেংলৌ মীথীৎলাপাকিতামক।। পীরেল থকমাতানা।। মীকপনারাপাকি।। প্রাননাসি খুননিংথৌকি মাপারি চওসিথাপ লৌসিংপাকা।। পোলপী তুকুম চীনবোননা।। মীকপনাখিয়ে।। য়োইপু নাইপেমমা নঙতী।। মাইকই আতামপা আসিতা।। কাতৌঙামপানো হায়বা পাওহংপাপু।। হোইতা সাপী য়ীপুংঙু তাআআে।। মোমনু নাসানৌ অইনা।। লাইচা য়ীপাললাং।। য়ীমু

লঙয়ীঅহলবী কৌবীনা তারদনা মীৎয়েং শানখৈননা য়েংথোকলুববাবু মমিৎমকনা হেক উরুরেদা।

হে তাইয়ুম কনাঅহলবী-ও । নঙবু লাক-ও। থৌদু নুঙপাক মথকতা। চৈরৈ ফিঙৌহোংনা ফমফমলিবা অসিবু নমু তাইবং পোংবু ওইরবদি অমুকতা কৌরক-ও। খোইমোম নোংদমবা মহাক্না মোমনু নুজা ওইবী ঐগীদমকপু নোংদমবীদনা থাবীরকপা ওইরিগনিয়ে। খোইয়ুম লাইহিংচাবাবু ওইরবদি নঙনা কৌরকনো। তাইয়ম কনাঅহলবী-ও । হায়না পাওমেলবানা হায়রকলবদা কনাঅহলবী কৌবীনা চৈরৈ ফিঙৌ উরিবা অদুবু য়েংনা চৎখিবাবু শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা লাকলিবী অদুবু উরবগীদমক। খাইনা মৈশা লাংবনা কপদি তোকতা। প্রাননাসি খুননিংথৌগী মপারি চৌশিথাবালৌশিংবগা। চেক্লাশিংনা মপাংশিং উনবদা পুক্লিং চাওজবগুমনা কপনখিয়ে। য়োইপু ইবেম্মা নঙদি অসুক তামলবা মফম আসিদা করম তৌনা লৈরমলিবনো। হায়না হংলকলবদা, হোইদা শাবী পাখং ওইবা ইবুংঙো তাবী-ও। মোমনু নুজা ওইবী ঐনা লাইজা

মায়োন চৎকে হায়না পানম চৎথোকলকপাতা খোইয়ম লাইহিংচানা।। ফারকলাপাকি।। য়ীপল চেংলও মাসক ৱুরমতে।। পললেম পোকমাপীসুঙ পুনুংলেপখঙলমতানা।। য়িংতানা মানিংথৌকি মামোম লঙয়ী অহলপীনা তাইয়ম মানাই ওইকে হায়না ।। লাই হিংচা মাখুৎপাকতাকি।। মুললওয়ে।। তাইয়ম মীনাই ওইনা য়াংকোইরে।।[৫৩] সাপীওে হায়না পাওতাকলাপাতা।। তৌয়ীকুম নুংসি আৱা কাওনা।। সাপি লইমা ফাকমলেল আহলপীতী কাতাইনো।। হায়না পাওহংপাপু।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। সানৌ কানাআহলপীওে।। পললেম লেপলও সিলকুমপী।। সাপি নাচেম ফাকমলেল আহলপীপু।। হুইসিথাপ মাপুঙ য়াইকি।। সাপী লাংকোই আপাইপাপু।। সামু খোঙওেইননা।। পাইরকপাপু।। মানলং নোংসিৎ লাংফাতাপানিকিনা।। য়ীনেম্মাচা নীঙথিপীতী।। তিলপাল খোকমই নেম।। পাইমা নিংসাখমনা।। য়িংথানা মাপুঙয়াইতা।। লাংকোই

ঈশিংদা ইরু লুজজগে, ঈশিংসু শোকচরককে হায়না চৎথোকচরকপদা, খোইয়ম লাইহিংচাশিংনা ফাদুনা পুবীরকপা নুমিৎ অদুদগী ইপা ইবুংঙোগী মশকসু উঙমদ্রে, পলেম ইমা অপোকপীসু লৈরমখিদ্রা খঙদ উদনা য়িংথানা লৈবাক্কী নিংথৌগী মচা ইবেম্মা লঙয়ীঅহলবীনা মহাক্কী মনাই ওইগে হায়না লাইহিংচাবশিংগী মখুৎপাকতগী মুলহৌরে। অদুগী তুঙদা মহাক্কী মীনাই ওইনা লেনলিয়ে। পাখঙ ওইবা-ও । হায়না পাওদমলে অৱা-নুংশি য়াননা ৱারম পুমবা তমলবগী তুংদা, নহাক্না কাওদ্রিবা শাবী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীদি কদাইনো হায়না ৱাহৈ মপাও হংলকলবদা। চৌশিংথাবালৌশিংবনা, শানৌ নুজা ওইবী কনাঅহলবী-ও। পলেম ইমাগুমলবী ইশাবী, নচেম ফাকমলেল্ অহলবীদি হুসিথাব নিংথৌ লৈবাকতগী শাবী লাংগোই অপাইবদা তোংমীন্নরতুনা পাইরকপবু মানলং নুংশিৎ লাংফদবগী ওইবনা। ইনেম মচা নিঙথীবীদি খৌনাও চরম কংনা মিহুনপীক্না ৱানথরকলবগী য়িংথানা লৈবাকতা লাংগোই

পোৎথাচিললাপাপু।। লাইহিংচা মানিংথৌনা লাংকোই য়ীখুৎনেৎসুঙ।। লোকলওরে।। পোঙকন লীরুং য়ীখুৎসুসুঙ।। থাঙলেল খুৎসু য়াইঅোইপানাচিংনা।। লোকলওরে।। নাসাপি লইমা ফাকমলেল আহলপীকা।। য়ীপীঙানা।। পামমেল ৱুখোঙ খা।। লাইচা য়ীরোঙ ৯ তীলপাতা।। ঙাইখমলুপাপু।। পাঙল সাঙপো য়ীতমপা।। খাকি মানিক ললঅোলপা।। হৈচা আ অোইথিপাতা।। ৱাকয়ই হিতাংচারকপাপু।। লাইচা য়ীরোলনুংকি।। ঙা কীয়োঙ লাইমালপানা।। তিংকা হিপুক থিলখাইরাপাকি।। ৱাকয়ই[৫৪] মাচেৎ পাংমাকা।। সানৌ ফাকমলেল আহলপীকা।। হাওরৈ লাইনা পাংনা তাওখৎখিরে।। তিংকা হিচেৎ পাংমাকা নাসাপী অইকা।। হাওরৈ খানা পাংনা তাওথারকলাপাকি নাসাপী অইপু।। লইরাই চাংচওথক আসীতা।। য়িতোম য়াংকোইচাঙাময়ে।। য়োইপুনাই পেমমাঅো হায়না।। পাওতামলাপাতা।। কানা আহলপীনা।। সাপীঅো ।।

শগোল য়াওনা ঙহাক পোৎথারিঙৈদা লাই হিংচাবশিংগী নিংথৌ য়াওনা ঐগী লাংগোই শগোলসু পুখিরে। মদুদসু নৎতনা পোঙকন লিরুং ইখুৎসু, থাঙলেন ইখুৎসু য়াইওইবনচিংবা পুম্নমক লোকনা পুখরেনে। নশাবী নচেম লৈমা ফাকমলেল্ অহলবী ঐখোয় অনিদি পামমেল উখোঙ খাদা লাইজা ঈরোঙ ৯ তিলবদা ঙাইদনা লৈরিঙৈদা লৈবাক কোইনা লললোনবা, খাগী মানিক লললোনবা ওইজা ওইথক থিবশিংনা হোনলকপা হি অমদা হিদাংজনা তোংলুববু লাইজা ঈরোলনুংদগী লেমলৈ ঙা কীয়োঙ লাইমালবা অমনা ঐখোয়না তোংলকপা হিদো থেংগাইনা থুগাইরবগী ৱাকয়ৈ হি মচেৎ অমদা শানৌ ফাকমলেল্ অহলবীগা হাওরৈ লাইনা অৱাং পাংবদা তাওখৎখিরে। হি মচেৎ অকাইবা অমদানা নশাবী ঐগা লোইননা হাওরৈ খানা পাংনা তাওথরকলবদগী নশাবী ঐসু লৈরাই চাংচৌ থক অসিদা ইদোম কনা য়াওদনা লৈরমলিবা অসিনে। য়োইবু ইবেম্মা-ও। হায়রদনা মপাও তমলবদা। কনাঅহনবীনা। শাবী পাখং-ও।

লাহাল খোইয়ম লাইহিংচানা॥ তাইপঙ নামু পোংকি লাংকোই সাকোন লোকলওয়ে॥ পোঙকন লীরুং মাখুৎসু সুঙ॥ থাঙলেল য়াইঅোইপাসুঙ লোকলওয়ে॥ হায়রাপাকা॥ লাংকোই সাকোন মাহাকপু চেংলও মাসক বুতাপাকি॥ খঙলুতে॥ হায়না পাওখুমলাপাতা॥ কানা আহলপীনা॥ সাপী নঙপু॥ মোমনু নাসানৌ অইনা॥ লাকপাতী॥ য়িংথানা মামোমলোন লঙয়ী অহলপীনা॥ সাপী নঙপু তাইপঙ নামু পোংপু অোইঙামলাপাতী॥ পাওকৌরকঅো হায়না॥ নাসানৌ অইপু থৌসীরকয়ে হায়রাপাকা॥ চওসিতাপ লৌসিংপানা॥ তৌয়ীকিতী॥ সানৌঅো॥ লঙয়ী আহলপীপু য়ীলতালসে হায়না॥ মারাল লোলয়ীম য়াইপু চঙলকলাপাতা॥ য়িংথানা মামোম লঙয়ী আহলপীনা॥[৫৫] খারা খেনচঙ থকতা লমব্রোকঙামযে॥ সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাতা ব্রাহমখিয়ে॥

নহাল ঙৈ খোইয়ম লাইহিংচাবনা। তাইবঙ নমু পোংগী লাংগোই শাগোন লোকহৌয়ে। পোঙগন লিরুং মখুৎসু অমসু । থাঙলেন য়াই ওইবা অমসু লোকহৌয়ে হায়নদি তারে। অদুগা লাংগোই শাগোল মহাকপুদি ঐগী ইমিৎ অসিনা মশক উবা ফংদরিবগীনা খঙলুদে। হায়না মরাহৈ পাওখুমলে। কনাঅহলবীনা শাবী পাখঙ নঙবু। মোমনু নুজা ওইবী নশানৌ ঐনা লাকপদি য়িংথানা নিংথৌগী মমোমলোন লঙয়ী অহলবীনা শাবী নঙবু তাইবঙ নমুপোংপু ওইরমলবদি মফম আসিদা কৌরক-ও হায়না হায়রদনা নশানৌ ঐবু থৌশিরকতুনা থারকপনে হায়রবদা। চৌশিথাবালৌশিংবনা অদু ওইরবদি শানৌ ইবেম্মা-ও। লঙয়ী অহলবীগী মনাক তালনা চৎলসে। হায়না হায়নরদনা মতুং ইন্দুনা লাকলাবদা। য়িংথানা লৈবাক নিংথৌগী মচানুপী লঙয়ীঅহলবীনা মখোয়না চংলকপা অদুবু মহাক্না লৈরিবা য়ুমগী খবাই খেনচঙ মথকতা মাইওকনা শকউনৈয়ে। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবদা ব্রা হংলকখিয়ে।

সাপি নঙপু॥ খোইয়ম নোংতমপানা সারুক লওতম হুললকঙইতা॥ হুলমানারকপা নারিঙইনে॥ হায়না ক্যাং মোলতেকথকতা॥ চীনপাল কাঙমইখু॥ ক্বা য়াচু সাইনা॥ ফমফমমানারে॥ হায়তাপারা॥

আসুমনা লঙয়ী মারালয়াইতা॥ ক্রও নুমীৎ ৬ নি সুরাপাকি॥ মাসানৌ ফাকমলেল আহলীপীপু॥ ৱুলপী লইনীঙসিংনা॥ নীঙসিংলুরাপাকি॥ মাতোম পীরেল খকমাতানা॥ ৱাআেইচারকপাপু॥ লঙয়ী আহলপীনা॥ পাওহংলকয়ে। সাপী নঙনা পীরেম খকমাতানা॥ মীকপপা আসীপু॥ কাতৌপানো॥ মোমনু অইপু সীঙলেল নাতীকনৎতে॥ লৈরাংনাপা নৎতে হায়পাকি॥ মীকপপারা॥ নুচা অইপু তাঙচা য়ীকাইয়ে॥ হায়না পাওহংপাপু॥ য়োইপু নাই য়ীনেম মাচাআে॥ পললেম সিলকুম নাওয়োক ঙামপী নঙপুতী॥ কারিকিপু॥

শাবী পাখং ওইবা নহাকপু খোইয়ম নোংদমবনা ঐগীদমক ওইরসনু হায়দুনা তমলকঙৈগী ওইবনা নহাকপু মফম অসিদা য়ৌরকতুনা পীরকঙৈনে। হায়রদনা কিয়াং মোলতেক মথকতা, চীনপাল হিদাক মৈখু থক, ক্বা মতপ য়াদা শাইনা ফমফম অমদা ফম্মীন্নরে হায়খিদবরা।

অসুমনা লাইহিংচাবা নিংথৌগী মচানুপী লঙয়ীঅহলবীনা তোপনা লৈরিবা য়ুমদুদা কোরৌ নুমিৎ ৬ লেনলকলবদা নোংমগী নুমিৎ অমদি মশানৌ ফাকমলেল্ অহলবীবু উলবী পুক্রিংদা খংনিং নিংশিংলুরবগী মদোম পীরাং শিনথনা মুরুম মুরুম শোনজরকপাবু লঙয়ীঅহলবীনা ৱাহংলকয়ে। শাবী নঙনা পীরাং শিনথনা কপলিবা অদুবু করি নুংনাঙবা লৈবদগীনো? মোমনু নুজা ঐবু শিংলেল লৈরাং লৈপা চাদব, লৈরাং ওইরবসু, লৈরাং নাচোম পুপা চাদবা নাচোম লৈরাংগুম মত্তিকচাদবা ওই। নঙল ৱাৎপা ওইবনা নপুক্রিং অপেন লৈতবগীবু কপলবরা। নুজা ঐ তাঙচা ইমাইসে হাকনা ইকাইয়ে হায়না হায়জববু। নিংথৌ মচানা ইবেম্মা ইনেম মচা-ও। পললেম ইমাগুম্মা নাওয়োক ঙমবী নঙবুদি করিগীবু ইতিক ইপা চাদ্রে হায়দনা কপকদগেনে।

সীঙলেল য়ীতীক্নৎতে।। হায়না মীকপসীপানো।। য়োইপু নাইঅো।। নাপলনা য়াওরও সাতালপা আসীপু।। নাসাপি অইসুঙ য়াওরও সাতালনীঙপাকি।। লাংকোই য়ীখুনেৎপু কারম লৈঙামতাপানো।। মোমনু মাসুংমালকুমলে।। হায়পাকিপু মীকপ৺পানে।। হায়না আসুম বুলপী লইনীঙসিংনা।। পাওখুমখিয়ে।। তৌয়ীকিতী সাপিয়ো।। লাহাল য়ীপলনা।। লাংকোই সাকোল লোকলওয়ে।। থাঙলেল য়াইঅোইপা।। পোঙকন লীরুং য়াওনা লওরওপাপু লৈপানে।। তাইয়ম কানাআহলপীঅো।। য়ীপলতা হায়রুঅো।। হায়রাপাকা।। চওসিথাপ পাইমা লৌসিংথোইপানা।। তমপা খুৎতোপ য়াইঅোইপাপু।। মাললেম লইকায়োমনা।। কানাআহলপীতা লোলনা পীথোকখিরে।। মোনু কানাআহলপীনা।। য়ীংথানা লইমাপাঅো।। নামোম য়ীপেমমা।। লঙয়ীআহলপীনা।। হায়রকয়ে।। লাংকোই সাকোন লোকলওপা।। থাঙসাং য়াইঅোইপা।। পোঙকন লীরুং

নিংথৌ মচানুপী-ও। নপা পম্বৌ অপোকপনা নিংথৌ ওইবগী য়াওরৌ শাদালবা অসিবু নশাবী ওইবা ঐসুঙ নুপা ওইবগী হৌনশা শাদালবদি চৎনিং। লংগোই শাগোল তোংনবদি লৈতবনিনা করমনদি চৎকনি নুপা ওইজরবসু নুপীগুম্না চপ মানরে খনলুবাদা কপপনে হায়দনা উলবী পুক্লিং হৈ শিংনা পাওখুমখিয়ে। অদু ওইরবদি শাবী-ও। নহাল ইপা ইবুংঙোনা লাংগোই শাগোল লোকহৌয়ে, থাঙলেল য়াইওইবা পোংকল লিরুং য়াওনা লৌহৌবাবু লৈবনে। তইয়ম কনাঅহলবী-ও। অপোকপা ইপাদা হায়রু-ও। হায়রকলবদা। চৌশিথাবা থোইনা লৌশিং লৈবনা, তমপা খুৎদোপ য়াইওইববু মালেম লৈবাকনা য়োমদুনা কনাঅহলবীদা লোননা পীথোকখিরে। মোমনু নুজা ওইবী কনাঅহলবীনা চংখিদুনা য়িংথানা লৈবাক ইনিংথৌ-ও। নামোম ইবেম্মা লঙয়ীঅহলবীনা হায়জরকয়ে। লাংগোই শাগোল লোকহৌবা থাঙশাং য়াইওইবা পোংকল

লোকলওপাপু ।। নামোমনাপীরকঅো হায়য়ে ।। হায়না পাওমেললুপাপু ।। থাঙসাং য়াইঅোইপা ।। পোঙকন লীরুংসুঙ আসিনে ।। পুখিঅো ।। হায়রাপাকা ।। লাংকোইসাকোনসুঙ ।। তেৎনৌ য়োৎসুম সঙতা ।। সুমলিপানে ।। য়ীখোয়তী লাংকোই আতুপু নকনাফাতে ।। তাইপঙ নামুপোংনঙতী ।। লাংকোই আতুপু পকনাকাপারা খঙতে ।। হায়রাপাতা ।। কানাআহলপীনা ।। থাঙসাং য়াইঅোইপা ।। পোঙকন লীরুং মাখুৎসুকা ।। ২ মাপু পুনা ।। তেৎনৌ য়োৎসুম সঙপু তালনা চঙখিপাপু ।। ক্রও নোং সাকোনতী ।। সাকোন নাব্রাইতানা ।।[৫৭] তেৎনৌ য়োৎসুম সঙতা ।। মাতোম নোংসোই চাঙামযে ।। লাংকোই মাসকয়েংনা ।। য়ারেন খোংচি মাপাপু ।। মাতাই কাঙঙমতানা ।। চীনপান লৈতোল খৎঙমতানা মীকপখিয়ে ।। কানা আহলপীপু চেংলও সক ব্রুরাপাকি ।। সাকোন পিরেল খাকমাতানা ।। মীকপলাপাকা ।। সানৌ নঙতী ।। লমলেল মাতাইমা আসিতা কাতৌঙামপানো ।। হায়পা পাওহংপাপু ।।

লিরুং লোকহৌবা পুম্নমকপু নমোমদা পীবীরক-ও হায়রে। হায়রদনা মব্রাহে নুংশিবনা হায়জববু। থাঙশাং য়াইওইবা, পোংকল লিরুংসু অসিনে পুখরো হায়রগা লাংগোই শাগোলদি য়োৎকী কৈশুমশঙ মনুংদা ফানা থমলিবনে। ঐখোয়দি লাংগোই অদুবু নকনবা য়াদ্রে তাইপঙ নমু মীওইবা নখোয়দি। লাংগোই শাগোল অদুগা পকনগবরা খঙদে হায়রবদা । কনাঅহলবীনা থাঙশাং য়াইওইবা পোংকন লিরুং মখুৎসুগা ২ মকপু পুনা শাগোল ফানা থমলিবা য়োৎকী কৈশুমশঙ তান্ন চংখিববু কোরৌ নোংদোনথকতা পাইঙম্বা শগোলদি মালেম লৈদা কুননা ময়াং ইকং কংনা য়োৎকী শঙ মনুংদা মদোম অহিং নুংথিল খাঙজরময়ে। লাংকোই শাগোলনা চংলকলিবীবু শক য়েংনা য়ারেল খোংচি মতাই কাংনা শাইগুপ শাইরকতা, মচিনপান লৈতোন খৎঙমদনা কপলদনা মপী চেনথরিঙে কনাঅহলবীবু চেংলৌ মশক উরবগী শগোল পীরাং শিনথনা কপলদুনা শানৌ ইবেম্মা নহাকতি হিংচাবনা পানবা লমদম মফম অসিদা করি কমদৌনা লৈরমলিবনো হায়না হংববু।

হোই সাপীআো।। মোমনু নাসানৌ অইনা।। লাইচা য়িপাল লাংপাতা।। খোইয়ম লাইহিংচানা ফারকয়ে।। য়িংথানানিংথৌ মামোম লঙয়ীকি।। তাইয়ম মানাইআোইনা।। য়াংকোইরিয়ে।। নাসোনৌ চওসিথাপ লৌসিংপাসুঙ।। সাপী য়ীচেম ফাকমলেল আহলপীকা।। মাপীঙা তিংকা হিতাংলকপতা।। ঙা কীয়োঙ লাইমালপানা তিংকা হীপুক থীলখাইরাপাকি ব্লাকয়ই মাচেৎ পাংমাকা ফাকমলেল অহলপীকা হাওলৈ লাইনা পাংনা তাওখৎখিয়ে।। সাপী চওসিথাপ লৌসিংপাকা তিংকা হীচেৎপাংমাকা হাওরৈ খানা পাংপারম তাওথরকয়ে।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। মারৌ লৌনাহৈপাকি।। থাঙসাং য়াইআোইপা।। পোঙকনলীরুং মাখুৎসুঙ্ পুরকলে।। হায়তাপারা।।

লাংকোই মানলিখাকনা।। সানৌআো।। নাসাপীতা হ্যয়রুআো।। অইতী য়োইংম্মাতাং তেনপা।। আঙাল খোকমই নেমপাপু।। ঙাইখমচা ঙামপা নাঙাইরে ।। লাংকোই য়ীচীনচাকপু তংতানা।।

হোই শাপী শাগোল ওইবা-ও। মোমনু নশানৌ ঐনা লাইজা ইপাল লাংলিঙৈদা খোইয়ম লাইহিংচানা ফাবীদুনা মফম অসিদা পুবীরকলবগী মতুংদা য়িংথা লৈবাক্কী নিংথৌ মচাইবেম্মা লঙয়ীঅহলবীগী তাইয়ম মনাই ওইনা লৈরিয়ে। নশানৌ চৌশিথাবালৌশিংবসু শাবী ইচেম ফাকমলেল্ অহলবীগা মখোয় অনিমকতি হিদিংগা হিদাংলকপদা ঙা কীয়োঙ লাইমালবনা হিগী হিপুক থিলখাইরকপদা ব্লাকয়ৈ হি মচেৎ থোক্লা কায়দনা হিচেৎ অমদা ফাকমলেল্ অহলবীগা হাওরৈ লাই অব্রাং পাংনা তাওখৎখি হায়য়ে। নাশাবী চৌশিথাবালৌশিংবগা লোইনবা হিচেৎ অদুনা হাওরৈ খানা পাংবলোমদা তাওথরকয়ে। চৌশিথাবালৌশিংবনা পুক্লিং লৌশিং হেনবগী থাংশাং য়াইওইবা পোঙগন লিরুং মাখুৎসু পুম্নামক পুরকহনবনে হায়রবদা।

লাংগোই শগোল মানলিখাকনা শানৌ ইবেম্মা-ও। নশাবী নবুংঙোদা হায়রু-ও। লাংগোই শাগোল ওইবা ঐহাকতি নুমিৎ তাবা ঙাইবাগুম শিবা ঙাইবা ওইনা লাংকোই ঐদি ইচিনজাকপু য়াদা তংদনা

নোংথোইরাপানীকিনা॥ পাইমা অইপু নিংসা সংঙমতারে॥ সানৌ চেংলও নাসক ব্বুনা নোংমলপানে হায়রাসো॥ লাংকোই লাইপাক থীপা অইপু॥ কারি ঙ্গোইপা সীপানো॥ কনলকয়ে॥ ক্রও য়ীনোংথৌপু লৈতারাপারা॥ খোইয়ম ব্রাংপা য়ীকাসাপু হাঙলাপারা॥ হায়না পীরেল খকমাতানা মীকপপাপু॥ কানা আহলপীসুঙ লাংকোই মাতৌ য়েংনা মীকপখিয়ে॥

সাপী লাংকোই আপাইপাঅো॥ নাসানৌ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ তমপা কোনলোই মাখুতোপ নীঙথিপাপু॥ মাললেম্ম লৈকা য়োমনা॥ সাপী নাঙোনতা লমব্রোকনারুঅো॥ হায়না পীরকয়ে॥ খুৎতোপ মাসক ব্বুরাপাকা॥ লাংকোই ব্বুলপী কাচক হওরকলে॥ সানৌ কানা আহলপীঅো॥ তমপা য়াইঅোইপা আসিপু লৈরাপাতী॥ তেৎনৌ য়োৎসুম সঙ আসিপু থৌঅোইরারোইয়ে॥ হায়না তেৎনৌ য়োৎসুমসঙপু॥ লাংকোই

অহিং নোংথিল লেনলকলবা ওইবনা ঐদি নিংশা শাদৌ থোং নিংশা হোনবা ঙমশিনলকতরে। শানৌ ইনাওগী চেংলৌ মশক নিংশিং নিংশিংনা শিহৌগদৌরে হায়রুচো। লাংকোই লাইবক থিবা ঐবু করি ওইরশিগেনে কনলকই। কোরৌ ইনোংথৌবু লৈতরাবরা। খোইয়ম অব্রাংবা ইকাশা মপু নঙবু হাঙনা লৈরবরা। হায়না মিৎলু পীরাং শিনথনা কপলববু। কনাঅহলবীসুঙ লাংগোই শাগোল মতৌ য়েংনা পীরাং শিনথানা কপলকয়ে।

শাবী লাংগোই শাগোল অপাইবা-ও। নশানৌ চৌশিথাবালৌশিংবনা তমপা কোনলোই মখুৎতোপ নিঙথিববু মাললেম লৈবাকতা য়োমনা শাবী নঙোন্দা উহনলু-ও। হায়না পীরকয়ে হায়না খুদোপ মশক উংলরবদা খুৎদোপ মশক হে উরবাগা লাংকোই উলবী কাচক হৌনা আশাওবা হৌরকলে। শানৌ কনাঅহলবী-ও। তমপা য়াইওইবা অসিবু লৈরাবদি তেংনৌ য়োংকী শরং য়োংসুম শঙ অসি থৌওইররোইয়ে

মানলিখাকনা।।[৫১] ৱুফুল নোংলই অোইনা।। কাওথেকলে।। লাইহিংচা পুমনামাপু।। সামু য়ীখুৎপাকতা নোংমলহালকে হায়খিয়ে।। মাশাপিপু।। কানা আহলপীকি।। খাঙপা মানমথাংনা।। লাংকোইঙকতা কিনা।। চিংলকপাপু।। খোইয়ম লাইহিংচা পুমনামানা।। সোংকিনারৌয়ে।।

কানাআহলপীসুঙ।। মাসাপি চওসিথাপতা।। ৱাইথুংলুরে।। থাঙলেল য়াইঅোইপা।। পোঙকনলীরুং মাখুচুৎসুসুঙ।। পীরাপাতা।। লাংকোই আপাইপাতী ক্রও আতু নুমীৎমাতী।। লঙয়ী আহলপীকি।। সঙকাই মাকোনলোইপু।। চওথিসাপ লৌসিংপানা।। কোইনা তোংখিরে।। ক্রও নুমীৎমাতী।। লমলেল লমচীক অাচীকপা।। ৱাইরং আতামপাতা।। তোংখিরাপাকা।। নুংসি আৱা লইখৈতাপাপু পাওমেলনখিয়ে।। সাপীঅো।। নাসানৌ পলেম য়ীমা সিলকুমপীপু।। য়াওরৌ সাসুংমালকুম খোইমা নাপীরকতা।। য়াংকোই লাপারা।।

হায়রদনা তেৎনৌ য়োৎসুম শঙবু লাংগোই মনলিখাকনা। উফুল নোংলৈ ওইনা কাওথেকলে। লাইহিংচা পুমনামক ঐগী খুপাকতা লোইনা শিহনলগে হায়খিয়ে। মশাবী লাংগোই শগোলবু কনাঅহলবীনা মহাক্কী চৈরে নমখাঙ ফিনা লাংগোই মঙকতা কিনা চিংলকপবু খোইয়ুম লাই হিংচা পুমনামকনা উবদা কিনহৌয়ে।

কনাঅহলবীসু মশাবী চৌশিথাবগী মনাকতা য়ৌরকলদুনা থাঙলেন য়াইওইবা পোংকন লিরুং মখুৎসু পুন্নমক পীররবদা। লাংগোই অপাইবদি কোরৌ নুমিৎ অমদি লঙয়ীঅহলবীগী শঙগাই য়ুমগী অকোইবদা চৌশিথাবালৌশিংবনা কোইনা কোইনা তোংখিয়ে। কোরৌ নুমিৎ অমাদি লমলেন মফম অচিকপা লমদম লমলেন অতামবা অমদা তোংনা য়ৌরকলবদগী অৱা নুংশি য়াননা পাওমেলনা হায়খিয়ে। ইশাবী লাংগোই শাগোল ওইবা-ও। নশানৌ পললেম ইমাগুম্বীদো য়াওরৌ শাগীমতৌগুম খোইমা নাপী মরকতা কোইনা চৎলিদরা।

লাইচা য়ীতাতানা।। লেমলই ঙাচীনচাকপু অোইরাপারা।। হায়না মীকপপাপু।। সানৌ চওসিথাপ লৌসিংপাঅো।। পীরেল খকমাতানা মীকপলাকুনো।। নাসাপি অইপুতুম।। ক্রুও নুমীৎ ৫ নিতাপু থাদোকপীঅো।। লমলেল মাতাইমা কাতাই ৱাইতা লৈরিকাপানো।। সুমদ্রো য়ীরেল পুঙতা লৈরাপাসুঙ।। নাসাপি অই থিরুকে।। হায়না পাওমেলনা৺রাপাকা।। থীঙলও নীঙনা তেনা হলৱাইরকলাপাতা।। সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপানা।। লঙয়ী আহলপীতা ৱাহমখিয়ে।।

য়োইপুনাইঅো।। নাপলনা লাংকোই আসিপু।। তেৎনৌ য়োৎসুম সঙতা।। সাচীক নাৱাইতানা থমলাপাকি।। লাংকোই পাংকন মায়েংতারে।। ক্রুও নুমীৎ ৫ নিতাপু থাদোকসে হায়না ৱাহমপাপু।। লঙয়ী অহলপীনা।। সাপী কাতৌপাকি।। মোমনু নাসানৌ য়ীঙোনতা ৱাহমপানো।।

লাইজা ঈশিংদা তানা, লেমলৈ ঙাগী মচিনজাকপু ওইরীদরা হায়না কপ্পলুববু। শানৌ ইবুংঙো চৌশিথাবালৌশিংব-ও । হৌজিকতি নহাকসু কপলগনু। নশাপী ওইবা ঐবুদুম কোরৌ নুমিৎ ৫ নি খকতং থাদোকপী-ও। লমলেন লমদম মফম কদাইৱাইদা নশানৌ লৈমা, লৈরিবনো হায়বদো সমুদ্রো ইরেলপুঙদা লৈরবসুঙ নশাবী ঐনা কোইনা চৎতুনা থিরুগে হায়না হায়নরবগা। থিঙলৌ নিঙনা তেনা হলৱাইরকনা হনলকলবদা। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা নিংথৌ মচানুপী লঙয়ীঅহলবীদা হায়খিয়ে।

নিংথৌ মচা ইবেম্মা-ও। নপা পম্বৌ অপোকপনা লাংগোই শগোল অসি য়োৎকী শঙ মনুংদা থমলুবনা শজীকসু নিংথি নুঙাইনা থাকপীদনা থমলবগী লাংগোই শগোলসে ময়েংতারে ময়াংকংলে। কোরৌ নুমিৎ ৫ নি খকতং থাদোকসে হায়না হায়ববু। লঙয়ীঅহলবীনা শাবী ইবুংঙো কদৌবগী মোনু নুজা ওইবী নশানৌ ঐঙোন্দা অসুমনা হংবীবনো।

সাপীঅো।। পুকনিঙ নাতুংয়ীলনা মাতৌচাঅো হায়না পাওখুমলাপাকা।। লাংকোই মানলিখাক আপাইপাতী।। ক্রও নোংলোল পাই ।। মানলং চইরোইননা।। চাকতাখিরে।। হায়য়ে।। ক্রও নুমীৎমাতী।। ফাকমলেল আহলপীপু।। থিখিপাতী।। লমলেল মাতাইমা।। লমলোঙ ৯ ফাংপা লাইচা য়ীরোঙ ৯ তীলপাতা।। সঙকাই মাথোন ৯ সানা থমপাতা ।। ৱাইথুংলুরে হায়য়ে।। খানা পাংপা সঙচিরমতা।। ফাকমলেল আহলপীকি।। চেংলও মাসকতমপীপু য়েংনা মীকপখিয়ে।। কীয়োঙ সঙকাইনুংকি।। তাইয়ম নাইপুম ২ মানা।। লইমা মাসকয়েংনা মীকপলাপা।। নঙপু কানানো।। পাওহংলকয়ে।। লাংকোই মানলিখাকনা।। পাওখুমতানা।। থীঙলও নীঙনা তেনা।। হলৱাইরকলে।। লাহাল মাসানৌ চওসিথাপ লৌসিংপানা।। সাপীঅো।। নাসানৌ য়োইপুনাই য়ীনেমমাচাপু চেংলও সকৱুনারকপারা।। হায়না পাওহংচাঙামপাপু।। হোয়তা সানৌ য়ীনেমমাচা।।

শাবী-ও। নপুকনিং নতুংইলনা মতৌবী-ও। হায়না ৱাগী পাওখুম খুমলকলবগী লাংগোই মানলিখাক অপাইবদি কোরৌ নোংদোনথক পাইখৎখিদুনা মানলং চৈরোইননা পাইখিদুনা চাকতাখিরে হায়য়ে। কোরৌ নুমিৎ অমদি । লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীবু থিখিবদি। লমলেল মফম অমদা, লমলোঙ ৯ ফাংবা লাইজা ঈশিং ঈরোঙ ৯ সু তীলশিনবা মফম অমদা শঙগাই মথোল ৯ ফাংনা শানা থমবা মফম অদুদা য়ৌরুরে হায়য়ে। খা থংবা মাইকৈগী য়ুমগী শঙজিরোমদা ফাকমলেল্ অহলবীগী চেংলৌ শকতম শানা থমলিববু উরু য়েংলুবদগী লাংগোই শাগোলদি লাইজা পীরাং হৌনা কপখিয়ে। কিয়োং ফুরা শঙগাই মনুংগী তাইয়ম য়ুমশংবা মনাই অনিমকনা লৈমাগী মশক য়েংনা কপলরিবা নহাকপু কনানো হায়না ৱাহংলকয়ে। লাংগোই শগোল মানলিখাকনা কৱিগুম্বা ৱাহৈ অমৎতা খুমলমদনা। থুনা য়াংনা হনলকয়ে। লাংগোই উবদা মশানৌ চৌশিথাবালৌশিংবনা। শাবী-ও। নশানৌ নিংথৌ মচানুপী ইনেমমচাবু চেংলৌ শকউনরকপরা। হায়না পাওহংজবাবু। হোয়দা শানৌ ইনুংঙো

লইমা ফাকমলেল আহলপীপু।। মাইকই ইলমতম য়েংনথিরুপাতী।। লমলোঙ ৯ ফংপা।। লাইচা য়ীরোঙসুঙ ৯ তিলপাতা।। সঙকাই মাথোন ৯ সায়ে।। আৱাং লাইনা পাংপা সঙচিরমতা।। চীঙু সিখ্রা নোংথৌ সারারেলকি।। খোইয়ম লাইসকতময়ে।। নোংচুপ পাংপা সঙচিরমতা ।। সানৌ নঙকি চেংলও নাসকতময়ে।। নোংপোক পাংপা সঙচিরমতা।। নাসাপী অইকি চেংলও য়ীসকয়েকয়ে।। খানা পাংপা সঙচিরমতী।। নাসানৌ ফাকমলেল আহলপীকি চেংলও মাসকতমপীসুঙ য়াওয়ে।। হায়না পাওতমলাপাতা।। চওসিথাপ লৌশিংপানা।। য়োইপুনাই য়ীনেমমাচা।। লকয়ী আহলপীঅো।। নাসাপী অইতী ।। ৱাইরা সাতারুকে হায়রাপাতা।। লঙয়ী আহলপীনা।। মাপু মানাইকিতামক।। চুহী হইঙালতৈ।। রারু খুৎপুনসা।। তেংনা হইয়োম পিখিরে হায়য়ে।। চওসিথাপ লৌসিংপাসুঙ্ লাংকোই সাপোৎ সেমনা।। থাঙসাং য়াইঅোইপাপু।। নামইয়েপ।।

ইনেমমচা লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীবু মাইকৈ কদাইৱাইদা লৈরিগবনো হায়না য়েংদুনা থিরুবদি লমলোঙ ৯ ফাংবা। লাইজা ঈরোঙসুঙ ৯ তিনশিলবদা শঙগাই মথোন ৯ শারমমে। অৱাং লাইনা পাংবা মাইকৈগী শঙজি লোমদা চীঙঙু শিখ্রা নোংথৌ সোরারেলগী খোইয়ুম মাগী শকতম শানা থময়ে নোংচুপ পাংবা মাইকৈগী শঙগী শঙচি লোমদা। শানৌ নঙগী চেংলৌ নশক মালনা শানা থমলময়ে। নোংপোক পাংবা মাইকৈগী শঙচি লোমদা। নশাবী লাংগোই শাগোল ঐগী চেংলৌ ইশকপু য়েকলময়ে। খানা পাংবা মাইকৈগী শঙচি লোমদি নশানৌ লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগী চেংলৌ মাশকতমবা অমসু য়াওহৌরে। হায়না পাওতমলবদা। চৌশিথাবালৌশিংবনা য়োইবু নিংথৌ মচানুপী ইনেম মচা লকয়ীঅহলবী-ও। নশাবী ঐদি ৱাইরা শাদালবা চৎলুগে হায়রবদা, লঙয়ীঅহলবীনা মপু মনাইগীদমক চুহি হৈঙাল তৈ। লালু খুৎপুন শা। তেংনা হৈয়োমবীখিয়ে হায়য়ে। চৌশিথাবালৌশিংবসু লাংগোই শাগোল শাপোৎ শেমলদনা থাঙশাং য়াইওইববু নামৈ য়েপ।

পোঙকন লীরুং খুতাসুনা।। লাংকোই সায়াঙথকতা তোংখৎলপাতা।। কানা আহলপীতা।। নাপা চীকথেমননা।। ৱাহমখিয়ে।। সানৌআে নাসাপী অইতী।। নাসাপী লইমা[৬২] ফাকমলেল আহলপীপু লৈয়ে।। হায়য়ে।। য়ীসানৌপু প্রাননাসি য়ীপুঙয়াইতা থমলমলুরাপাকা।। য়ীংথানা মাপুঙয়াই আসিপু।। মারাল থুমপী মইমাঙচল।। সাইপু মইতানপকনা।। হুয়েল য়াইসীঙমুৎনা পালথেংলাপাকা।। সানৌ নাপীঙাপু লওরাকে।। আসুমনা হায়রমলাপাকা।। কানাআহলপীতী।। হেকঙাই মাপাওচাওনা।। য়ীপল মারালয়াইতা য়াংকোইপানৎতে।। খোইয়ম লাইহিংচাকি তাইয়মমানাই আেইনা লাংকোইরাপীনে।। সাপী নঙপু পুকনীঙ ৱাকাওপীকুনো ।। হায়না মোমনু খুৎফাং চাংচও ১০ মানা।। চেপনা লোলনা প্ররুমচাখিয়ে।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। য়োইপুনাইআে।। নাসাপী অই পুকনীঙ ৱাকাওরোইয়ে।। য়ীরাল থুনা ৱোনতেরককে।। হায়রমলাপাকা।। ক্রুও নোংসাকোনসুঙ।। মানলং চইরোইননা পাইখিরাপাতা।।

পোংগল লিরুং খুৎতা পাইনা লাংগোই শগোল শায়াঙ মথকতা তোংখৎলকলবদা কনাঅহলবীদা য়াম্না লোননা ৱাহায়খিয়ে শানৌ-ও নশাবী ঐদি। নশাবী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীবু লৈরি হায়রে। ইশানৌবু প্রাননাসি ইরৈপাকতা থমলুরবগা। য়িংথানা লৈবাক অসিবু য়ুমথোং খুদিংগী মৈশা লাংহন মৈবু থানা হুয়েল লালশিং লালদানা পুম্নমক ঙমলবগা শানৌ নবানিবু লৌরাগে। অসুমনা হায়রমলবদা কনাঅহলবীদি হেকঙাই মপাও চাওনা খাংঙমদনা ইপাগী মরাল য়ুমদা য়াংকোইদুনা লৈবা নৎতে। খোইয়ম লাই হিংচাবগী তাইয়ম মনাই ওইনা তোলবী ওইরিবীনে। শাবী নঙবু নপুকনিঙ ৱাকাওবীগনো। হায়না মোমনু নুজা ওইবী খুবাং চাংজৌ তরামকনা চেপনা লোলনা খুরুমজখিয়ে। চৌশিথাবালৌশিংবনা য়োইবু ইবেম্মা-ও। নশাবী ঐগী থম্মোইদা করিসু কাওবা ঙমলোইয়ে, ঐগী লৈবাক য়ৌরুবগা পনথদনা অমুক হকলককে হায়রমলবগা। কোরৌ নোংদোল থকতা মানলং নুংশিৎ চৈরোইনা য়াংনা পাইখিরবদা

লঙয়ীআহলপীতী।। মাতোম পীরেল খকমাতানা মীকপখিয়ে।। মোমনু অইতী নামুপোংপু খচীকয়ে।। খোইয়ম লাইপু আেইপা সাপীনঙপু।। মোমনু অইতী।। পাহাঙ নোংচেং আেইআে হায়রাপারা।। সাপী নঙতী আেনতেরকআে।। হায়না মীকপলওয়ে।। হায়তাপারা।।

লাংকোই মানলিখাকতী।। লমলোঙ ৯ ফাংপা লাইচা য়ীরোঙ ৯ তীলপা ।। সঙকাই মাথোন ৯ সাপাতা[৬৩] ৱাইথুংলে।। খানাপাংপা সঙচিরমকি।। ফাকমলেল চেংলও সকতোংতমনা য়েকপাপু।। পাইনা কোলনা মীকপখিয়ে।। সঙকাই কীয়োংঙনুংকি।। তাইয়ম নাইপুম ২ মানা।। নাতারকলাপাকি পাওমেলকয়ে।। খানা পাংপা সঙচিরমতা।। মীকপপা নঙপু কানানো।। হায়না পাওহংপাপু।। চওসিথাপ লৌসিংপানা পাওখুমখিয়ে।। অইনে প্রাননাসি খুননিংথৌকি ।। মাপারি চওসিথাপা লৌসিংপানে।। মোমনু য়োইপু নাই নীঙথিপীপু।। মালই হায়পাকি মীকপপানে।।

লঙয়ীঅহলবীদি মদোম পীরাং তৎপালৈতনা শিনথজরদনা কপচখিয়ে। মোমনু নুজা ওইবী ঐদি নামু পোং অতোপ্পদা খোইজংদ্রবা ঐগী খোইয়ম লাই ওইবা শাবী নঙবু। মোমনু ঐদি ইদোম কনা য়াওদনা অসুম লেনলু হায়রবরা শাবী নঙবু অমুকতা হনলকখো-ও। হায়না কপলদুনা লৈহৌরে হায়দবরা।

লাংগোই মানলিখাকতি। লমলোং ৯ ফাংবা লাইজা ঈরোঙসু ৯ তিলবা শঙগাই মথোল ৯ শাবদা থুংলরে। খানা পাংবা মাইকৈ শঙচিরমদা লৈরিবা ফাকমলেল্ অহলবীগী চেংলৌ শকতম মালনা য়েকলিবদা। চংশিনদুনা পাইনা কোলনা কপচখিরে। শঙগাই কিয়োং ফুরা মনুংগী তাইয়ম নাইপুম ২ মানা মীকপখোলবু তারকলবগী ৱাহং পাওহংলকয়ে। খানা থংবা মাইকৈ শঙচি লোমদা কপলরিবা নহাকপু কনানো হায়না ৱাহং পাওহংববু।চৌশিথাবালৌশিংবনা তননা পাওখুমখিয়ে। ঐনে প্রাননাসি খুননিংথৌগী মপারি চৌশিথাবালৌশিংবনে। মোমনু য়োইবু নাই নিঙথিবী লৈমা মচা ঈবেম্মাবু মাললে হায়লগীদমক কপলিবনি।

পীরেলখকমা তাপাপু।। ক্রও নোংতামতারাশীনা।। মাতাইরেম চীনকোই মায়াখাংলওনা।। চইরই মায়িলফিপু য়িললম য়িলতানা।। চোইনৌ সনা কিয়োঙ সঙকাইতালনা চেনথোকলকলাপাকি।। মাসাশী সেলশী চওসিথাপ লৌসিংপাপু।। চেংলও মীংথীংলাপাকা।। মাসাপিকি সাবু অয়অোইননা।। চঙখিপাপু।। চওসিথাপ লৌসিংপানা।। ফইরা তালতা থোং।। ঙকথী লুমলাংকোল।। খাচাই লেংলোইচুপ।। সমলাং তোলকানালনা।। পোলশী চীনতীলনা।। চেকলা তুকুমপাপু মাইঅোকননা।। ক্যাং মোলতেক থকতা ফমনা মীকপনাখিয়ে।। আসুমনা পীরেল খকমাতানা।। য়োইপুনাইঅো।। সঙকাই মাথোন ৯ সাপা আসীপু।। কানানা সাপীপানো।। হায়না পাওহংপাপু।। হোয়তা সাপী য়ীপুং মানাইঅো।। লাহাল য়ীপলকি সামু মেললোও মাখুংথোল।। তমপা কোনলোই য়ীখুংতোপপু।। ১০ চাথাংলীমলাপাকি।। সীঙলেল[৩৫] লৈসঙপীপু।। য়ীংথানা মানিংথৌতা য়োজঙ্গাললুয়ে।। আতুকিপু তাওখঙপা সঙনে।।

কপতুনতা মতম লেনলকপা, নোংমতা পীরাংশিনথবা তোকলকতরবীনা মদাইরেমগী চিনগোই মপাও হেক তাবদা চৈরে মাগী মফিবু ইললম ইলফাংতানা চোইনৌ সনা কিয়োঙ ফুরা শঙগাইতালনা চেন্না চেন্না লাকলদনা মশাবী শেলবী চৌশিথাবালৌশিংববু চেংলৌ মশক উরবগা মশাবীগী শামু ওই-ওইননা চঙশিনজরবদা চৌশিথাবালৌশিংবনা মশানৌবু ফৈরা তালতা পম ঙকথী লুমলাংকোলনা খাজাই লেংলোইচুপনা শমলাংতোলগা নালদনা পোলবী চীলতিলনবগুম, চেক্লা কাইদোংমীন্নবা অদুগুম্বনা মাইওকনা উনরদুনা কিয়াং মোলতেক মথকতা ফমমিন্না কপমিন্নখিয়ে। অসুমনা কপমিন্নরম্বদগী য়োইবু নিংথৌ মচা লৈমা-ও। শঙগাই মাথোন ৯ শাবা অসিবু কনানা নহাক্কীদমক শাবীবনো হায়না বাহং পাওহংলকপবু হোইদা শাবী ইপুংঙো নুংশিবা-ও। নহাল ইপা অপোকপা অপোকপীনা নুংশিনা ঐগীদমক তমবীরকপা খুদোল তম্পা কোনলোই ইখুংদোপপু তরা চাবা ফংলকতবাগী শিঙলেল লৈশঙবীবু

পীরেলখকমা তাপাপু॥ [illegible] ও নোংতামতারাপীনা॥ মাতাইরেম টীনকোই মায়াথাংলওনা [illegible] চইরেই মায়িলফিপু য়িললম য়িলতানা॥ চোইনৌ সনা কিয়োঙ [illegible] কাইতালনা চেনথোকলকলাপাকি॥ মাসাপী সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপাপু॥ চেংলও মীৎথীৎলাপাকা॥ মাসাপিকি সান্ [illegible] ইননা॥ চওখিপাপু॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ কইরা তান [illegible] থোং॥ ওকথী লুমলাংকোল॥ খাচাই লেংলোইচুপ॥ সমলাং তোলকানালনা॥ পোলপী টীনতীলনা॥ চেকলা ভুকুনপাপু মাইভো [illegible] ননা॥ ক্যাং মোলতেক থকতা ফমনা মীকপনাখিয়ে॥ আ[illegible]মনা পীরেল থকমাতানা॥ য়োইপুনাইঅো॥ সওকাই মপোন ৯ সা[illegible] আসীপু॥ কনানা সাপীপানো॥ হায়না [illegible] পাপু॥ [illegible] সাপী য়ীপুং মানাইঅো॥ লাহল য়ীপলকি [illegible] ফোনলোই য়ীপুংতোপপু॥ [illegible]

[illegible]

[illegible] কনা [illegible] নংকোইক্রুপনা [illegible] পোলপী টীনতীলনা [illegible] অনুগুপনা [illegible] কিয়াং মোলতেক নথকতা কমনিমা কপাঙিখিয়ে। [illegible] পীরেল থকপী [illegible] নিংথৌ মচা [illegible]–ও। শাঙগাই মপোন ৯ [illegible] এসিবু কনানা [illegible] শাবি[illegible] হায়না [illegible]হং শাওহংলকপবু [illegible] শাবী ইপুংঙো নুংশিবা–ও। নহাক ইপা অপোকপা অপোকপীনা নুংশিনা ঐগীদমক তমবীরকপা খুদোল কপা কোনলোই ইপুংদোপপু [illegible] চবা কংলকতবাগী [illegible] নৈশঙবীবু

সাপীনঙনা।। মোমনু অইকিতাঙচা খোঙখুল লীরকপাতা।। খঙলাসুনো হায়পাকিপু।। তাইয়ম নানাইসিংপু সাহালয়ে।। হায়না পাওখুমখিয়ে।। তৌয়ীকুম সাপি য়ীপুং তাঅো।। নঙতী লমলেল মাতাইমা।। কাতাসৱাইতা ৱাইথুংলুপানো।। পাওহংপাপু।। হোই য়োইপু নাইঅো।। লাহাল ইপিংঙানা লাংগোই পোৎথাফম য়িংথানা মপুংয়াইতা ৱাইথুংলুরে শানৌঅো।। য়িংথানা মানিংথৌকি।। মামোম লঙয়ী আহলপীনা নাসাপী অইকি য়াইপী থাৱাই ঙাকপীঙাময়ে।। য়ীসানৌ কানাআহলপী।। য়ীপল নাহালনা হোইথিপীসুং লৈঙামযে।। সাপি লাংকোই আপাইপাপুতী।। তেৎনৌ য়োৎসুমনুংতা সুমঙামযে।। নাসাপি অইনা য়ীরৌলৌকা হৈনা।। কানা আহলপীপু।। পাওহলনাপাকিপু।। লাংকোঁই য়াইপী কনহৌনীকনা।। তেৎনৌ য়োৎসুমসঙপু। ৱুফুল নোংলৈহওনা।। কাওথেকলময়ে।। ক্রুগ্র নুমিং ৫ নি থাথোকপাপু।। সানৌ নঙপু লৈয় হায়পাকি।। নাসাপি অইনা

য়িংথানা লৈবাকাসিগী নিংথৌদা য়োলহললুইয়ে। অদুকি মমল অদুনা শাবা শঙনে। শাবী নঙনা মোমনু ঐগী তাঙচা ইখোঙগুল লিরকপদা। খঙলসুনো হায়বগীবু তাইয়ম মনাইশিংবু শাহলয়ে হায়না পাওখুমখিয়ে। অদুমনমকতি ওইরগা শাবী ইবুংঙো নুংশিবা-ও। নহাকতি লমলেল লমদম করম্বা কদাইৱাইদা য়ৌরু থুংলরাবনো ৱাহংজববু। হোয়। য়োইবু ইবেম্মা-ও । নহাল ঐখোয় অনিনা লাংগোই শগোল লোইননা পোৎথাফম য়িংথানা লৈবাকতা য়ৌরু থুংলুরে শানৌ-ও। য়িংথানা লৈবাক নিংথৌগী মচানুপী লঙয়ীঅহলবীনা নাশাবী ঐগী য়াইবী থৱাই কনবীনা ঙাকপীরে। ইশানৌ কনাঅহলবী ইপলনা নহালমখৈ থিরীবীবুসু লৈরময়ে। শাবী লাংগোই শগোল অপাইববুদি তেৎনৌ য়োৎকী শঙ মনুংদা চেৎনা থমলময়ে। নশাবী ঐনা পামবৈ পুথোকতুনা হৈনা শিংনা কনাঅহলবীবু ৱাহং পাওহংনা পাওচৎতুনা লাংগোই শগোল লৌরকঙৈদা তেৎনৌ য়োৎসুম শঙসু উফুল নোংলৈ হৌনা লাংগোই ইশাবীনা কাওথেকলময়ে। কোরৌ নুমিং ৫ নি থাদোকতুনা থিহনববু

য়িলতাললকয়ে।। হায়না পাওতমলাপাতা।। চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাতী।। খমনুং মাথোঙচীনকি।। হলব্বাইরকপা তুকুমপাপু।। মীকপখিয়ে হায়য়ে।। লাংকোই৬৬ মানলিখাকনা।। সানৌঅো।। প্রাননাসি য়ীপুঙয়াইপু য়ীলতাললাসে।। হায়না পাওমেললারাপাকি।। ফাকমলেল আহলপীনা।। য়িংথানা সীঙলেল লৈসঙপীতা ব্রাহমখিয়ে।। হে পললেম মাসুংমাল কুমপীঅো।। নামোম অইকি সনা পুঙপুরেমপা।। আসিপু ।। পললেম নঙকি মাসেলনে লওনারওঅো।। হায়না পাওমেললাপাকি।। য়িংথানা সীঙলেল লৈসঙপীনা।। য়ীমোম য়ীপেমমাঅো।। নাপল লৈরাং মালপী অইসুঙ ।। হইনা নাতুং য়ীলকে।। হায়না মীকপপাপু।। চওসি থাপা লৌসিংপানা।। য়ীপল লৈরাংমালপী।। পললেম লেপলও সীলকুমপীঅো।। সামুখোঙনা চৎপানৎতে।। নাপারি অইকি হইনা য়ীতুং য়ীলফরোইয়ে।। হায়না পাওমেললাপাকি।। য়ীপল হানুকাপা।।

শানৌ নহাকপু লৈরে হায়বগী নশাবী ঐনা নঙগী ননাক য়ৌনা লাকলিবসিনে। হায়না পাওপুম্বা তমলবদা। চৌশিথাবা, ফাকমলেল্ মখোয় অনিমকতি খমনুং মথোঙজিন, শিরুবদগী অমুক হিংলকপা অদুগুম্না কপমিন্নখিয়ে হায়য়ে। লাংগোই মাললিখাকনা। শানৌ-ও। প্রাননাসি ইপুঙয়াই লমদম পাংলসে। নিংথৌ মচা ইবেম্মানা য়িংথানা শিঙলেল লৈশঙবীদা পাওমেনখিয়ে। হে! পলেল ইমা শকলবী-ও। নমোম ঐগী সনা শঙগাইরেল আসিবু পললেম নঙগীদমক নহাক্না লৌবীহৌরোও। হায়না পাওমেললমলবগা য়িংথানা শিংলেন লৈশঙবীনা ইমোম শকপী ইবেমমা-ও। নপল লৈরাং মালবী ঐসু হৈনা নতুং ইলনা লাককে হায়না কপচববু। চৌশিথাব লৌশিংবনা, ইপল লৈরাং মালবী পললেম ইমা অপোকপীগা মানরবী-ও। শামু খোঙনা চৎকদবা নৎতেদো। নপারি ঐগী হৈনা

পললেম নৈরাং মাতম মালপীও৷৷ নৈহওর হায়রমলাপাকা৷৷ তমপা য়াইওইপা৷৷ নাহাল য়ীংতানা মানিংথৌতা৷৷ য়োলচারাপানা৷৷ ফাকমলেল আহলপীকি৷৷ মোমনু সামু মাখুংতোলজা৷৷ খুতোপ মাথানা সিচিললারে ৷৷ হায়য়ে৷৷ লাংকোই মানলিখাকসুঙ৷৷ ক্রুও নোংপু খোলনা পাইরকলে হায়তাপারা৷৷ চওসিথাপ ফাকমলেল ২ মাতী৷৷ প্রাননাসি মাপুওয়াইতা রাইথুংলুরে৷৷ হায়য়ে৷৷

ইতুং ইনফারোইয়ে: হায়না পাওমেলবদগী, নৈশংবা অহল মতম ওইরবা, পললেম ইমাগুল্লবী নৈরাং মতম মালবী-ও । নৈমীহৌরো হায়রমলবগা, তমপা য়াইওইবা নহাল য়িংথানা নৈবাকী য়িংথৌদা য়োনখিবনু ফাকমলেল্ অহলবীগী মোমনু নুজা শামু মাখুংতোজদা খুদোপ মথনা শিজীল্লকয়ে হায়য়ে। লাংগোই শগোল মানলিখকত্তি কোনৌ নোং অতিয়াবু খোলনা পাইরকলে হায়নদবরা' চৌশিথাবা ফকমলেল এগোয় অনিমকত্তি প্রাননাসি মরৈবাকতা থুংলরে হায়য়ে।

মাপল সেলপী খুননিংথৌ।। মাপল পললেম মমা পোকম্মাপীকানা।। মাপারি মাহুইরোনপু লমৱোক ত্তময়ে।। চওসিথাপ ফাকমলেল ২ "মানা।। মাপল ২ মাপু মাললেম লইতা পকনা প্ররুমখিয়ে।। য়ীপল নরুমপালকি।। য়ীমাল হুইসিথাপ খুননিংথৌকি।। মামোম আসীপু।। তালফংচারকয়ে।। হায়না ৱাকৎচারাপাতা।। মাপল প্রাননাসি খুননিংথৌ।। পুমাদেপ মাললেম লইকোই সেমপানা।। পারি চীঙু মারলকুকি তালফংচাপা নঙপু।। য়ীহুইরোন নীঙথিপীকা।। সেলপী চৎৱাহায় ।। কাপ নুৱাতেমনা।। সনা য়ীফমলেল সিললওরো।। নাপল অইতী হানু য়ীয়াইকারে।। হায়না পাওমেলপাপু।। চওসিথাপ লৌসিংপানা হে!

তরুকশুবা তাংকক্
নিংথৌ খুভম শিনবা

মপা ইবুংঙো শেলবী খুননিংথৌ। পন্থৌ মপা ইবুংঙো, পলেম মমা অপোকপীনা মপারিদা নত্তনা লোইনরকপী অনিমবু ওকপীরেদা। চৌশিথাবা ফাকমলেল্ অনিমকনসু অপোকপা, অপোকপীবু মালেম লৈদা পকনবু খুরুমজখিয়ে। পন্থৌ পলেম অনিনা পোকপীবদগী। ইমাল হুইশিথাব খুননিংথৌগী মচা নুপী অসিবু ফংজবা ঙমজবনে হায়না হায়জরবদা। মপা ইবুংঙো প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেব মালেম লৈকোই শেমবনা পারি ইবুংঙো চীঙ্ঙু মাগী মথৌজালনা ইচা ওইনা ফংজবা নঙবু নহাক্কী লোইনজবী ইমৌ নিঙথিবীকা। শেলবী চৎৱা হায়বা কবো নুৱা তেমবা অঙমঅথৌশিং লোইননা ঐগী সনা ইফমলেল অসি নহাক্কা শিনদুনা থৌবুহৌরো। নপা ঐদি অহল মতম ওইরকলে। হায়না পাওমেল ৱাহে হায়ববু চৌশিথাবানা, হে

য়ীপল পলথৌ নিংথৌআো॥ পললেম য়ীমা সাংমাপী সুঙ॥ সানৌ নঙসুঙ॥ লাহাল য়ীপীঙানা॥ তিংকা য়ীয়াইনুংকি খাইনারকঙইতা॥ নাসাপী অইপু তিংকা হীচেৎপাংমাকা॥ হাওরৈ খানা পাংনা তাওথাখিঙই॥ লাই হিংচা মানিংথৌকি॥ মামোম লঙয়ী আহলপীকি মাহীথেলতা॥ ৱাইথুংলুয়ে॥ লাইহিংচা মাখুৎপাকতা॥ নোংমলকাতাপাপু॥ লকয়ীআহলপীনা॥ সানৌ কানাআহলপীসুঙ॥ তাইয়ম মানাই আোইঙাময়ে॥ কানা আহলপীনা॥ পাওকৌরাপাকিপু॥ য়ীরৌলৌনা হৈপাকি॥ সাপি লাংকোই য়ীখুনেৎসুঙ হিংলকয়ে॥ হায়না পাওমেললপাকা॥ মোমনু ফাকমলেল আহলপীনা[৬৮] সাপীআো মোমনু অইকিতামকপু॥ আৱা সোলখৈনীকপাপু॥ নুঙাই মারাংকাইতারিঙই॥ নারাল ১রক থীঙলও নীঙনা তেনা॥ থৌচৎলুকে হায়পানো॥ মোমনু অইনা লমলেল খলপল ৱাপু নৎতে॥ হায়েং তানলোই লুম আহলপীপু আোইনাকে হায়রাপাসুঙ॥ নাসানৌ অইনা মাইমই ৱাকনফারোইয়ে॥

ইপা পছৌ নিংথৌ অপোকপা-ও, পললেম ইমা অপোকপী, শানৌ নঙসুঙ নহাল ঐখোয় অনিনা হিদিংগা হিদগী ঈশিং ঈয়াইদগী খাইনারকঙদা, নশাবী ঐবু হিদিংগা হিচেৎ অমগা লোইননা হাওরৈ খা মাইকৈ পাংনা তাওথরকঙে, লাইহিংচা লৈবাক্কী নিংথৌগী মামোম মচাইবেম্মা লঙয়ীঅহলবীগী হিদেল তাফমদা তাওথনা য়ৌরুইয়ে। লাই হিংচাশিংগী মখুৎবাকা শিগদবসু লঙয়ীঅহলবী শানৌ কনাঅহলবী মখোয় অনিনা ঐবু ঙাকনা কনলকয়ে, কনাঅহলবীনা কৌরকলবগীবু ইপাঙল ইরৌশিং হৈজা শিংজহৌবগী শাবী লাংগোই শগোল ইখুৎনেৎপুসু হিংলকয়ে হায়না পাওমেল মপাও হায়রবগা। মোমনু নুজা ফাকমলেল্ অহলবীনা শাবী-ও। মোমনু ঐগীতমকপু অৱাবা পোৎথোকপা ফাওবা লোইদ, ঙহাক ফাওবা নুংঙাইবা ফংদরিঙে অমরক হননা, পনথবা তৌদনা তলনা অমুক হনদুনা করম থৌচংলুগে হায়বনো। মোমনু ঐনা লুমলেন নুপী খনবনৱাগীবু নৎতে। হয়েং তানলোই মহাক অদুনা

হায়না ৱাহমচাপাপু।। সানৌঅো নঙতী পললেম য়ীমা সিলকুমপী মাহাকনে।। সানৌ কানাআহলপী।। লকয়ীআহলপীকা ২ মাপু।। পীরেল খাকমা তানা।। নাসাপি অইপু য়েংনা।। নোংথোইরিঙইনে।। সানৌ নঙতী য়ীপল সনা মাখোঙতা লৈঙামঅো।। হায়না পাওথেম লমলাপাকা।। ফাকমলেল আহলপীতী মাসাপীকি তামকপু।। চুহী হইঙাল তৈ।। রারু খুৎপুনসানা।। তেংনা হইয়োম সাপীখিয়ে।।

সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপা।। পাখঙলাংচেং মাথোকলকপানা।। মাপলপল নিংথৌ সেলপী ।। লইমাপাপু মাললেম লইতা পকনা প্ররুমলাপাকা।। চওসিথাপালৌসিংপাতী।। থাঙসাং নামইয়েপ।। পোঙকন লীরুংখুৎতাসু।। লাংকোই খোঙঅোইননা।। হুয়েল লালতাখিরাপাকি।। য়ীংথানা মাপুঙয়াইপু য়ৌরাপাকা।। চওসিথাপ আথৌপাতী। লাংকোই[৬১] আপাইপা ২ মানা।। ক্রুও নোংলোলথকতা।। লাই হিংচা থীঙমতাপাকা।। হুয়েল লালসোকনাপাপু।। লাংকোই মাখুতোলনা

নহাক্কীদমক তানলোই নুপী অহলপীবু ওইনগে হায়রাবসু নশানৌ ঐনা য়াদে হায়নসু হায়জরোইয়ে হায়না ৱাবু হনগৎচনা হায়জববু। শানৌ-ও। মখোয়দি পললেম অমগুমনা লোইনরবীনে। ঐবু কনলকপীনে মখোয়না নশাবী ঐবু য়েংনা শোইদনা ঙাইরমগনিনে। শানৌ নঙদি ইপাগী সনা মখোঙখাবু শেনজদনা লৈরম-ও। হায়না পাওথেম ৱাহৈ থেমজিনবীরমলবগা। ফাকমলেল্ অহলবীদি মশাবীগীদমকপু। চুহী হৈঙাল তৈ। লারু খুৎপুম শানা। তেংনা হৈয়োম শাবীখিয়ে।

শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবা, পাখং লাংচেং মাথোক কারকনা ইনখৎলকলিবনা। মপা নিংথৌ শেলবী লৈমাববু মালেম লৈবাকতা তনা পুরুম খুরুমজরমলবগা। চৌশিথাবালৌশিংবদি থাঙশাং নামৈয়েপ পোংকন লিরুং খুৎতা পাইনা লাংগোই শাগোল খোঙওইননা হুয়েল লালবু লালতাখিরবগী য়িংথানা হিংচা লৈবাক য়ৌরগা। চৌশিথাবা অথৌবদি

কাওকা কাও।। সাকোন য়্নাফং।। য়্যারেল খোংচিতোলনা চীককা চীকনা।। চওসিথাপ থাঙলেল মাখৎসুনা।। লাইহিংচা তাঙচা লুরেলতোলপু।। চকপা য়েন চানম।। চানম লুচাওপীচাপু।। সংলও খুৎনা থৎপাকুম।। মাললেম লইতা তানা য়্যানথৎলে।। লাইহিংচা থীঙমতানা।। নোংমলপাপু।। চওসিথাপ লীরুং মাখুৎসুনা ।। লীরী থামোইতীং।। লাকা তেলমই রাকনা।। ব্রাইরা তেলথাখিরাপাতা।। লাইহিংচা মানিংথৌনা চিংনা।। হুয়েল লালথোঙ মুৎহালপাকা।। খোইয়ম লাইহিংচা পুমনামাপু খাকতানা নোংলমহালপাকি।। লঙয়ী অহলপীনা।। খুৎফাং চাংচও চেপনা লোল্।। কাওপী চীকারুকনা।। মাললেম লইতাপক।। মায়ানাপী চীকনা প্ররুমঙাময়ে।। সাপি থাব্রাইমিরেলপু আেইনাপাআে।। পুকনীঙ ব্রাকাওরাকে হায়রাপারা।। সাপী নাসুংলাংকি।। ১০ চাপুমমাপু হুকতানা নোংথোইরিয়ে।।

লাংগোই শাগোল অপাইবা মখোয় অনিমকনা, কোরৌ নোংলোলথকতা লাইহিংচা মশিং থিঙমতবগা হুয়েল লাল লানশোকনঙৈ, লাংগোই শাগোল মখুদোলনা কাওগা কাও। শাগোন য়্নাফং য়্যারেল খোংচিতোলনা চিককা চিকনা চৌশিথাবগী থাঙলেল মখুৎসুনা লাইহিংচাশিংগী তাঙজা লুরেলতোলবু। চকপাশিংগী য়েনশাং ওইনবা চানম, চানম লুচাও য়েনশাং থাকনবা মরোইগুম খুৎনা থৎনা ফোইবগুম মালেম লৈদা তানা য়্যানথৎলে। লাই হিংচাবশিং মশিং থিঙমদনা হাৎপাববু চৌশিথাবা লিরুং মাখুৎসুনা লিরী থাম্মোই ত্তিং লাকা তেলমৈলাকনা ব্রাইরা তেলথাখিরবদা। লাইহিংচাশিংগী নিংথৌনচিংবা পুমবা হুয়েল লালথোঙ মুৎহললাবগা খোইয়ম লাইহিংচা পুম্নমকপু খাকতনা নোংমলহন্না হাৎলবগী লঙয়ীঅহলবীনা খুৎফাং চাংচৌ অনি চেপনা লোলনা কাওবী চিকালুকনা মকোক নোলজদুনা মাললেম লৈবাকতা তানা ময়া নাপী চীকনা পুরুম খোইরমজনা হায়জখিয়ে শাবী থব্রাইগী থব্রাই ইমীরেল ওইনবা-ও। পুকনিং ব্রাকাওবীরগে হায়রবরা। শাবী নহাক্কী নাশুংলাংগী ১০ চাকপু হুকতনা ঙসিফাওবা লৈরিয়ে।

সাপীও হায়না॥ য়াওবা খোনচেল চাওনা॥ পাওমেলচাখিয়ে॥ হায়তাপারা॥ মাসাপী চওসিথাপ১°লৌসিংপা সুঙ॥ লাংকোই মানলিখাক আপাইপাকা॥ লঙয়ী আহলপীকি কংলই মাসুমাঙতা॥ আবা পোংথোকরিঙইতা ॥ লকয়ী আহলপীকা॥ কানা অহলপী নুংসি লইখৈতাপী॥ ২ মানা খুৎসম পাললোইননা॥ পুরুমচাখিয়ে॥ সেলপী চওসিথাপ লৌসিংপানা॥ পাওমেলখিয়ে॥ সানৌ ২ মাও॥ নাসাপি লইমা ফাকমলেল আহলপীপু॥ প্রাননাসি য়ীপুঙয়াইতা থমলমলুরে॥ হৌচিকতী সানৌ নাপীঙাপু লওকে হায়না লাকপানে॥ লাইহিংচা পুমনামাপু॥ নোংমলহালপাতী লাহাল সানৌ লৈমা ফাকমলেলঅহলপীকা॥ মাপল হুইসিথাপ মারইপাকতাকি॥ প্রাননাসি য়ীপুঙয়াইপু য়ীলতাললকপাতা॥ সানৌ ফাকমলেল আহলপীতী॥ পানম নোংসীৎ লাংতাপীনীকিনা সানৌ য়ীনেমমাচাপু॥ পাইমা মানিংসা খমলপাকি॥ নাপল য়িংথা মাপুঙয়াইতা॥ চেংলও মীৎকুপমারমতা॥ লাইকনচারিঙইতা॥ লাংকোই য়ীখুনেৎসুঙ॥ থাঙলেল

শাবী ইবুংঙো-ও। হায়না য়াওবা খোনজেল চাওনা পাওমেলচরকখিয়ে হায়খিদবরা। মশাবী চৌশিথাবালৌশিংবসু লাংকোই শাগোল মানলিখাক অপাইবগা। লঙয়ীঅহলবীগী কংলৈ মশুমাঙদা য়ৌরতনা অবা পোংথারিঙৈদা লঙয়ীঅহলবী, কনাঅহনবী মখোয় অনিনা নুংশি মখৈ লৈতনা খুৎ অনি শমনা থোরকনা খুরুমজখিয়ে। শেলবী চৌশিথাবালৌশিংবনা পাওমেন বাহায়খিয়ে। শানৌ অনিমক-ও। নশাবী লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীসু প্রাননাসি ইরৈপাকতা থমলুরে। লাইহিংচাবা পুম্নমকপুসু নোংমনহলনা হাৎলবনিনা, নহাল শানৌ লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগা মাপল পষ্ঠৌ হুইশিথাব নিংথৌগী মরৈপাকতগী প্রাননাসি ইরৈপাক ইয়ুম মাইকৈ হুলকপতা। শানৌ ফাকমলেল্ অহলবীদি পানম মালং নোংশিৎ অমুকতা লাংলকতবা ওইখিবনা শানৌ ইনেমমচাবু পাইমা মনিংশা থিংনা বানথখিরবগী নপাল য়িংথানা নরৈপাক অসিদা চেংলৌ মীৎকুপ খর খকতং লাইকননরিঙৈদা লাংগোই শাগোল ইখুৎনেং

য়াইঅোইপা॥ পোঙকন লীরুং খুৎসুঙ॥ লোকলওয়ে॥ আতুকিপু॥ পুক্নীঙ ৱাকাওতাপাকি॥ লাইহিংচাপুমনামাপু থুখাইৱাপানে॥ হায়না পাওতাকলাপাকা॥

লঙয়ীআহলপীনা॥ সাপী য়ীপুংঙু তাআঅো॥ নাসানৌ অইপু॥ হায়েং প্রাননাসি নাপুঙ[১১] য়াইতা ৱাইথুংলুরাপাকা॥ তানলোয় নঙকি আখুপী॥ লুমলেল আতোলপীপু অোইনারাপাতা॥ পুনুংৱানথোং সোইরাপাতা॥ লাহাল নাপলনা অইপু আৱাহুইরাং সোনহালপাপু লৈপানে॥ হায়না ৱাঅোইপীকুনো॥ সাপি সনা নাখোঙখাতা॥ তাইয়ম মীনাই অোইরাপাসুঙ॥ নুচা চীঙু য়ীরাইপককিনে॥ মাইমই চীনঅোন ফারোইয়ে॥ সাপিঅো হায়না ৱাহমচারাপাকা॥ লকয়ীআহলপী কানাঅহলপীসুঙ ॥ মাসাপী চওসিথা লৌসিংপাকা॥ মাখোইত মাতী॥ লঙয়ী মারালয়াইতকি॥ প্রাননাসি লইপাক তালনা॥ পাইরকলাপাকি॥ মাপল সনা মাখোঙখাতা॥ ৱাইথুংলারাপাকি॥ য়ীপল প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেপ মাললেম লইকোইফমপা নাথৌচালকি॥ লাইহিংচা

থাঙলেল্ য়াই ওইবা পোংকন লিরুং ইখুংশু পুম্নমকপু লোকখি লৌখিয়ে। অদুগীদমকপু পুক্লিং থম্মোইঅসিদা কাওঙমদবদগী লাইহিংচা পুম্নমকপু থুখাইরবনে হায়না পাওবু তাকলবদা।

লঙয়ীঅহলবীনা শাবী ইবুংঙো তাবী-ও। নাশানৌ ঐবু হয়েং প্রাননাসি নরৈপাক পুবীদুনা য়ৌরবা মতমদা ইবুংঙো নহাক্কী তানলোয় অখুবী লুমলেন অতোলবীবু ওইনরবা মতম, হৌগ্রবা লালখিবা অশোইখিবশিং ননাইনা খরা খজিক শোইবদা নাহাল নপানা ঐপু অৱা হুইরাং থাংহনখিববু লৈবনে হায়না চৈ থাংনা ঙাংবীগনো। শাবী ইবুংঙো নহাক্কী সনা নখোঙ খাদা তাইয়ম মীনাই ওইরবসু নুজা ওইবী মপোক্কী ইরাইবকনে ইমাই লৈনা চেনজরোই অৱা নুংঙাই মাইওকনজগে। ইশাবী-ও। হায়না হায়জরবগা লঙয়ীঅহলবী কনাঅহনবীগা লোইননা মশাবী চৌশিথাবালৌশিংবগা মখোয় ৩ মকতি। লঙয়ীমরালয়াইদগী

মারইপাকপু॥ সাইপু মইতান পকনা॥ পলথেংলময়ে॥ য়ীংথানা মামোম লকয়ী আহলপীসুঙ য়াওনা॥ নাহুইরোন কানা নুংসি মাখৈতারাপীসুঙ পুরকলে॥ হায়না পাওতমলাপাকা॥ চওসিথাপ লৌসিংপাতী॥ মাসানৌ লইমা ফাকমলেল আহলপীকা ॥ মাতৈ মানাও ২ মাতী॥ ক্যাং মোলতেকথকতা॥ লোকয়াই তামপা সীনৌ লাসিং তীনকুম॥ মানলং নোংসীৎ লাংতানা॥ পালমানারে হায়য়ে ॥

ক্রও নুমীৎ ১ মাতা॥ চওসিথাপ লৌসিংপানা॥[৭২] পাওমেলখিয়ে॥ য়োইপু নাই ফাকমলেল আহলপী নঙতী॥ তানলোই লুমলেল সুপনাচিংপীপু আোইআো॥ লঙয়ী আহলপীনঙতী॥ তানলোই য়াইমাপীপু আোইআো॥ মোমনু কানাআহলপী নঙতী॥ লুমলেল আতোমপীপু আোইআো॥ হায়না আসুম তানলোই মাথংসুন॥ লুমলেল খাফাংনা॥ লাঙহৈ

প্রাননাসি লৈবাক তালনা পাইরকলবদগী মপা ইবুংঙো প্রাননাশি খুননিংথৌ পুমাদেব লৈবাক নিংথৌগী মফমদা চংজদনা ইপা ইবুংঙো নহাক্কী নথৌজালদগী লাইহিংচাগী মরৈপাকপু শাইফু মৈতান পকনা মৈহৌনা চাকহনবগুম অন্নাবা পীরময়ে। য়িংথিনা লৈবাক নিংথৌগী মচানুপী লঙয়ীঅহনবীসু য়াওনা মাগা লোইনবী কনাঅহনবী নুংশি মখৈ লৈতবীবুসু পুরকলে হায়না ন্নাহায় পাওতমলবগী চৌশিথাবালৌশিংবদি মশানৌ লৈমা ফাকমলেল্ অহলবীগা মতৈ মনাও ২ মকতি কিয়াং মোলতেকথকতা। লোকয়াই তমপা শিনৌ লশিং তিনগুম মানলং নোংশিৎ লাংদনা পানমিন্নখিরে হায়য়ে।

কোরৌ নুমিৎ অমদি চৌশিথাবালৌশিংবনা পাওমেল ন্নাবু হায়খিয়ে। য়োইপু ইশানৌ ফাকমলেল্ অহলবী নঙদি ঐগী তানলোই লুমলেন সুপনা লুচিংবীবু ওই-ও। লঙয়ীঅহলবী নঙদি তালোই য়াইমাবীবু ওই-ও। মোমনু নুজা কনাঅহলবী নঙদি লুমলেল নুপী অতোলবীবু ওই-ও। হায়না তানলোইশিংগী মথং শিনথোকনা লুমলেন নুপী লৈমশিংগা লৈবনা লাঙহৈ

কুমমা আোনলাপাতা॥ প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেপ মাললেম লইকোই ফমপাতী॥ পুলসী চেঙচেল মাতোল লোমলকলাপাকি॥ খোইমোম নোংতমপা মাথৌথা॥ চীঙু মাব্রায়েলপু॥ খুৎফাতাপাকি॥ ক্রও নোংকাখিরাপাতা॥ চওসিথাপ লৌসিংপাসুঙ॥ মাপল প্রাননাসি খুননিংথৌকি॥ কর্ম্ম মাতোল লোমলাপাতা॥ মাপল সনা মাফমলেলপু। ফমনা॥ সেলপী চৎব্রা হায়পা পুমনামানা॥ চওসিথাপ ফাকম ২ মাপু॥ সানা ফমপাল কাহ্‌ললে॥ হায়তাপারা॥

প্রাননাসি খুননিংথৌকা মাসানৌ ফাকমলেল আহ্‌লপীকা॥ সেলপী মাপুঙ য়াইতা॥ থৌতুলেপমানা॥ চেঙচা তুকুমপাপু খিলমানারে হায়তাপারা॥ হে লীকলাই য়ীপুংথৌআে॥ সেলপী ব্রাপলোনতাকি॥ পোইরই মইতৈরোনতা ব্রোনথোকসৈনে॥ হায়া হে হে লীকলাইআে ॥[৭৩]

চহি কুমবু ওনলা চহি ফারকলবদা। প্রাননাসি খুননিংথৌ পুমাদেপ মাললেম লৈকোই ফমনা থৌদাবদি, পুন্সি চেঙজেল মতোল লোমনা খোইমোম নোংদম মহাক্কী মথৌদা চীঙঙু মাগী ব্রায়েলপু ইনদবা য়াদবগী কোরৌ নোংগাখিরবদা। চৌশিথাবালৌশিংবসু মপা অপোকপা প্রাননাসি খুননিংথৌগী কর্ম্ম মতোল লোমলবদা মপা ইবুংঙোনা ফমলমবা সনা মফমলেল মপাগী মহুৎ শিন্না থৌপুনা ফমনাবা শেলবী চৎব্রা হায়বা অঙম অথৌ পুন্নমকনা চৌশিথাবা, ফাকমলেল্ অনিমকপু সনা ফমপাল কাহ্নলে হায়খিদবরা।

প্রাননাসি লৈবাকী খুননিংথৌগা মশানৌ ফাকমলেল্ অহলবীগা শেলবী মপুঙ য়াইদা, থৌদু লেপনা চেঙচা নুং তুমলোইদবা অদুগুমনা খঙনহৌরে হায়নখিদবরা। হে লিকলাই ইপুংথৌ-ও। শেলবী ব্রাবলোনদগী পোইরে মৈতৈলোনদা ওনথোকরকপা শৈনে। হায়া হে হে লিকলাই -ও।

॥o॥

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

৩।

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

৪৫

৪৮

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]

অইবগী ফোংখ্রবা লাইরিকশিং